শম্ভুদেবগি

আচারপ্রবন্ধগি

মৈতেরোন

অনুবাদ

মণিপুর ব্রাহ্মণসম্মেলনর


অনুবাদ তোব।

ইসোর হাইস্কুলন শক্ষোকণ।



১৯৬৩

মমল ১৷০ জনি



আচাব প্রবন্ধ।

[illegible]।

"ধর্ম্মাস্য গ্লানি"।

[illegible] (৪) [illegible] (৫) [illegible]।

অঙ্গুম যেখন ঐ.থাম্বাগী মতুংদ দোষ মঙা অমি তৌনগী লকপগুম তৌই। (১) ব্রাহ্মন পণ্ডিতশিংনা [illegible] ফম্ভুননা চানবগী চিন্তাদ মনাই তনশিনখ্রে, শাস্ত্র পাব অসমর্থ, তম্বিবগী থবক অসি মখোয়না মমাংইঙদোন। পুৰু-নিং চংনা তৌব ঙমদে. মবম অসিন শাস্ত্রগী বিধিগী মরমদ মখোয়গী অমঙ্গং মী থরাইগী খংদবা ফঙ্গিল্লকে। (২) বিজাতিগী শিক্ষাগী মঙ্গল হেনগংলকপন শাস্ত্রগী বিধিগী মরমদ থাজদব পোক্লি। তৌজিক্কী মতমদ অঙাং গুরুবিভেদগী হৌদুন তম্লিব ইংরাজী বিদ্যা অহূদ শাস্ত্রগী বিধি করিমত্ত যাওদে. অহাইননদুম চূম্না হায়রবস্ত

কোইনবু হায়ববস্থু দেশ অসিগী শাস্ত্র খিবিকী মফমদা থাজ. দব কোংনোকপা যাওই, মরম অসিন লাইবিক তম্নি-ইঙদগি হৌডুন মীগী মপুকনিংদ শাস্ত্রাচারদ থাজদব পোকই। (৩) দেশ অসিদ শাস্ত্রাচার চৎতব বিজাতীগি মাশিংগি মুংঙাইব উবদস্থু শাস্ত্রাচারগি কাম্নব থৌওইনাদ অমস্থুং নুংঙাই যাক্তফবিব বিজাতীশিং অহুন কবম তেৌন অনস্থুং কবি ২ হিবমদ কয়া চাওখৎলবগে হায়ব খজ খল্লুদন পংবদগি দেশ অসিগি নীশিংন মখোয়গি শাস্ত্রন যাদব লমচৎকি মতৌ তম্বদ পুকনিং চংই।

শাস্ত্রাচার মাংখিবগি মথক্তা হায়বিব মবম অহুম অসি মপান্দগি লাকপনি। মখোয় অসি মমাংইঙদদি কল্লনদে. হৌজিক্কি কল্লে। মখোয় অসিবু না হনব অসি যাম্ন নুব হায়বস্থু ইঙম ওম্নাইদবনি হায়ন নীংবাদ যাদে। (১) শাস্ত্রগি বিধি পূম্নমক কনাগুম্বন খংনিংলবদি খংব যাই। হৌজিকস্থু দেশ অসিদ শাস্ত্রগী জ্ঞান ফন যাম্ন লৈবে। হৌজিকস্থু দেশ অসিগি মনুংদ মী অযাম্বন শাস্ত্রগী বিধি ওৎন চৎননব হোংনৈ অমস্থুং ঙাক্তুন নৈ। (২) বিজাতীগি শিক্ষাগি দোষ অসিস্থু ছাত্রশিংগি অঙাং ওতবিইদ্র অমস্থু মখোক কাবকপতদ যাম্ন কল্লি, চহি যাম্নব অমস্থুং ল্লাখন হনবশিংগিদি দোষ অসি যাম্ন ভান লৈ, অমস্থুং শাস্ত্রা-চারগি মফমদ থাজদব পোকহনব বিজাতীগি শিক্ষাগি দোষ অদু শিক্ষা অহুমক্তবু যাম্ন নিংথন ফংলবস্থু ফন যাম্ন বোকখিব য়াই। অমোৎপ পেংৎ অমন যাম্ন বম্ন ভক্লগ ধাতুগি পোৎকি হান্নগি অমোৎপ চৎখিবদৌন

আচারগি অমোংপ পোকহনব বিজাতীগি শিক্ষা অহু মুন্না চর্চ্চা তৌরগ। অমোংপা অহু কোকখিব য়াই। ইউরোপকী বিদ্যা মুন্না নৈনরুগ স্বদেশগি শাস্ত্রাচারগি অফব অহু যাম্ন হেন্না অমসুং যুক্তিগ লোইনন ভাংথাক্লকই। মমাংদৈ ইংরাজী তম্নগ দেশগি নচা শিংন মাইকৈ থংদনা জ্ঞান তাদব ন্না ভাংব অমসুং লমচং চংপা অহুম তৌন খোজিকী ইংরাজী শিক্ষা ফংব কনামত্ত তৌদে। (৩) ভারত বর্ষ দ অথাই অহেনব খুবম ফংলব ইংরাজী জাংকি থুকন পাঙ্গনবগি নবম মুন্ন থিববদি আচার ফত্তব নত্রগ আচার অকাইব নত্তে হায়বসি উব ফংই। মাহুগি মরমদি— মখোয়গি স্বদেশ অমসুং স্বধর্ম্মগি মতিক চাব আচার ভাক্তুন হকচাং অমসুং পুবনীংগি অচেৎপা অমসুং অমগ অমগা পুকনী অনত্তু ওইন ঙুংশিনবনি। ঐখোয়গিসু . . হায়বিব আচার শিং অহুগি কান্নব বিচার তৌববদি, শাং . .গি পাইম্নন হকচাংগি পাঙ্গন অমসুং লিংজেন পোংই, অমসুং পুকনীংগি উদারভাব অমসুং সত্ত্বগুণ চাওখংহন্নি হায়ব অসি তশেং তশেংন থব ঙমই। মবম অসিন শাস্ত্রাচার ভাক্তুন দেশ অসিগি মী শিংন ইংরাজী সিংদগি হেন্ন ন্নাব শুা যংন ঙমগনি। অচুম্ব অসিগি মাইকৈদ মীগি মপুকনীং অমুম ২ চংলক্লে অমসুং ইংরাজী শিংগি চুমদব মতৌ তমব অসি দেশ অসিদা অমাংবগি মশকনি অমসুং অপিকপ শাজংকি খুদমনি হায়ন খন্নরি হায়বগি মবমদ্ধ চিংনব নৈতে। হৌজিক্তি ইংরাজীদ ন্না ভাংনিংব, পেণ্টেলুন, হ্যাট উপনিংব, টেবিল ফমহুন খানা চনিংবা ফন যামন হস্থখ্রে। হিন্দূ কলেজগি অহানব ছাত্র শিংন পুমনমক অসি পাম্নবদৌন বিশ্ববিদ্যালয়গি বি, এ, এম,

এমচিংব উপাধি ফংলব মা শিংদি পামদে। হিন্দুশাস্ত্রগী শিংগী মবক্তদি অসি পুনমক অসি পামলব অমম্ভু, নির্ণি পুক্তন কোয়না অসি লৌন পাম্লবকালে, তৌইগুমবতুং নর্ম্ম সংস্কার তেলনদি, সম্প্রদায়গী লৈতে হায়ব য়াই—মখোয়দগী অদি মরম ... পাম্মবন পুনমক অসি মাংখি ওনি হায়ন নীং।

নবম অসিন শাস্ত্রাচার মাংখিবগী তৌক্তিক কনখংলক্লি মপানদি নাকপা কারণ অদুম অসি মথন মথক্ত লেন-খখিব য়াই।

তৌইগুমবতু পোকপদ লোয়নবকপা শাস্ত্রাচারন কোক-হনদব মীওইবগী দেহ অনীদি মতমগী মতুং ইন্না নত্রপা অদুত কবিগুমদ উপায় অমন কোকহনব ওয়দে। দোষ অনী অসি শাস্ত্রাচারতন পোকচনব য়াই।

মীওইবদ পশুধর্ম্ম অমত্ত জড়ধর্ম্ম অনীমক লৈ। পশু ধর্ম্মদগী স্বেচ্ছাচার পোকই। কবিগুম্ব মতম অমদা কইগুম্ব অম তৌনিংলক্লবদ মাদুগী অফ ফত্ত বিচার তৌদন নাইকদ্রক তৌব অসি শাগি বন্দনি। ব্রাহ্মণগী এ সগী নক ওইব উদ্দেশ্যদি শাগি মতৌ অসিবু অদনন হোৎনবনি। মীওইবন মান মান নীব লেচনব চপ মান পুকনিং চ ব, পুকচেন চাওব অমসুং হকচাং ফনগ লোয়নন থবক তৌব অসি শাস্ত্রন পাম্বনি। অচাপোং, হেক উবগ চাব, ভুনিং বগ হেক ভূম্ব, শাওনীংলগ মাদুগী নতুং ইন্না থবক হেক তৌব অসীগুম্ব মনীংতম্ব অসি আর্য্য শাস্ত্রন য়াদবনি,

পূন্নমক অসিবু খিবদি শাস্ত্রাচার নাংথিন ডাকপ নত্তুন অতৈ কবিমত্তুন নাংথিন ডমদে। শাস্ত্রাচার ঙক্লববতেদ মহুক চাওখৎতুন বজোগুণদগি পোকপ দোষ পূন্নমক অসি ৎকাকহনব যাই।

মীওইবদ জড ধর্ম্ম লৈ হায়বগি তশেং তশেংব থুদমদি মীগি অতনবনি। শাস্ত্রাচারন অতনব মাংহল্লি। শাস্ত্রন মীওইবদ অহিংবন তৌগদব থবক পূন্নক তাকপন মীওই-বব্ জডধর্ম্ম মাংহনে। অতুগ শাস্ত্রন তাকলিব থবক পূন্নমক অতুদি মখাযবু নিযম চুম্ন তৌববদি পূন্নমক্ত ইশ্বরগি পাঙ্গন অমম্তুং লিংজেন চাওখৎহনবনি। শাস্ত্রন তাখাযবু কবিগুণদস্তু অমুক্তাইনা কোম্ব ওইহন্দে। মতম অচারদ অমম্তুং ফীভম অচারদ চার, শান্নব, তুম্বগি নিমিত্ত তাখাযদ পী, হেহুইগুণমতুং অশাস্ত্র তু ডাইনীংব নত্রগ তানা-না খুতুম চনবদগি কবিমত্ত তৌবদি যাহন্দে।

শাস্ত্রাচারবগি জডতা মাংহনব গুণ অসিবুদি মন্ন যান-দন স্বেচ্ছাচার মাংহনবতা হেক্তিম্না যেংব যাওই, মদম মতুদগি শাস্ত্রাচারগি মথক্ত আপত্তি অনীশন তৌই।

কনাগুম্বন হায, শাস্ত্রাচারন মীওইবগি প্রবৃত্তি নিংথৌ-হনইন যাউ, মীওইবগি পুক্কিদ লিংজেন লৈহন্দ। মীওই-বব্ জীব লৈতবগুন তাইহল্লি। কনাগুম্ব তঙ্গব শিংনদ নিপা। অমন মখাদ ইবিব শ্লোক থব অসি তাদনই। - -

আত্মানং রথিনং বিদ্ধি শরীরং রথমেব তু।
বুদ্ধিন্তু সারথিং বিদ্ধি মনঃ প্রগ্রহমেব চ।

इन्द्रियाणि हयानाहुर्विषयांस्तेषु गोचरान् ।
आत्मेन्द्रियमनोयुक्तं भोक्तेत्याहुर्मनीषिणः ।
यस्त्वविज्ञानवान् भवत्ययुक्तेन मनसा सदा ।
तस्येन्द्रियाण्यवश्यानि दुष्टाश्वा इव सारथेः ।
यस्तु विज्ञानवान् भवति युक्तेन मनसा सदा ।
तस्येन्द्रियाणि वश्यानि सदश्वा इव सारथेः ।

অ'ঙাব, মশী, হকচাংব, রথ, বুদ্ধিন সারথী ওইরবা চিন্নবন থোরবী, ইন্দ্রিয় পুন্নমকপু শগোলশিং মশক ওইন ঙাংলি। শগোলশিং অসি বিষয়ভোগশিংদনক চৎলি। ইন্দ্রিয় অমসুং পুক্নিংগা তিনলগা আত্মান বিষয় ভোগ তৌই হায়না ফংনীশিন হায়। জ্ঞান লৈতবা অমসুং পুক্নীং তিন্দবা মী অদুগি রথতি ফত্তবা শগোলনচিংবা রথ গুম্লি। জ্ঞান লৈবা অমসুং পুক্নীংগা তিন্নবা মীগী ইন্দ্রিয় পুন্নক্তি শগোল অফবা লৈবা সারথীগী শগোল গুম্না চৎলি।

মহাত্মা শ্রীকৃষ্ণনা অসি ভাবগা হায়, শগোলশিংনা রথ্রা-বদি পুক্নীংগী মশক ওইবা থোরবীনা মাংহানবা থক্তাই, তৌইগুম্বসুং শগোলশিং অসিনা নথবু শোন্হনা চৎপা ঙমদ্রু ববি ববি ভোগদবনো হায়রবা অতুদি ফাংদু।

শাস্ত্রাচারগী মতমদা অহিংসা করি করিগুম্বা ভ্রম তৌনে। মতুগী মরম অমদি শাস্ত্রাচারগী অচৌবা মীওইবা অমসুং লৈচিংজনা পোক্কইবা গুণ লোমদা যেংদবনি। মরম অমনা, গৃহস্থাশ্রমগী অমসুং বানপ্রস্থন চিংবগী শাস্ত্রাচারগী মরক্তা খন্নবা লৈরিবা অদুগী মতুং ইন্না চত্তবনি। গৃহস্থাশ্রমগী-দমক্তি হকচাং রাহনবা অমসুং মথে, তাহনবা অনী অসি

শাস্ত্রন যাদবনি। মনাইগি মীশিংন শাস্ত্রাচার বাস্ত্র কুপ্প ইন্নরই, চাক থাদনা চাবমই, মপাঙ্গল কল্লমই, অমসুং মপুক্ষিন্স শাক্লনই—মখোযগি ইন্দ্রিয়শিং অদু হৌজিক কাল দি শাস্ত্রাচার চত্তন অতনব ইন্দ্রিয় গুনন শোনব অমসুং খবক ভনদব ওইরক্লে।

শাস্ত্রগি বিধি পূর্নক অসিন ঐখোযব, ভমথৈ নাইদন পুন্দুন থনগা অমসুং ঐখোযগি স্বাধীনতা মাংহল্লে হাযন অনিং কনা কনাংদবন হায তৌইগুনবসুং মাসিদি নত্তে, মাংতনা স্বাধীনতা নাইদে, মাসিন জড়তা মাইন্দুন অংইন্না স্বাধীনতা চাওখংহল্লি। মাসিগি ইচম চমব খুদম ওংপীবি। নিংথৌখদ অযুক অঙনবদ অযানবন তুমব কয-রমসু নাহোব ভনদদনা কুপা শাবগা তৌগংলি, ফমুংদ নমদুনা চিদাক অমসুং চা থকই। তুমিং চুপ্প অদু মখোযগি নশাদ জড়তা পক্তুনা লৈ। তৌইগুনবসুং শাস্ত্রগি বিধি ওংক-ত্তুনা তুমব হেক কাযবগা ঈশ্বরবু নীংশিংদুনা যমদগি হৌ-গংবা অমসুং অযুক্কী তৌগদব হৌনব তৌদুনা ইবন্ডংন লাবপা মখোয অংগিদি নিংথমবগি অকিব লৈতে, জড়তা লৈতে অমসুং থবক তৌনিংব পোকই অমসুং তুনি চুপ্প মনিং মথা তম্ল লৈ। মা মখল অনি অসিগি মরক্তা কনান স্বাধীননো? —নিংথমব বিবশিং অসিবা, অযুক ইন্নাদ ঈক্ত জবশিং অসিবা?

মুন্ন খন্দুন মেলবদি পৃথিবীগি কদাইদসু মপুং ফাব স্বাধীনতা উব যংদে। মীওইবসু প্রবৃত্তিগি নত্রগ বিধি নাব-স্তাগি মথাক লৈ। অনি অসিগি মরক্ত অবিচারিত বিধিগি মথা পোনবদগি বিচারিতবিধিগি মথা পোনবন ফৈ।

উপনিষদ্‌দত্ত রা অসিমক রূপক অলংকার ওইন যামন্ন কন্ন হায়রি। "দেবা সুরাঃ সং যেতিরে" হায়রদি লাই তামসুং শিংচার শিং লান শোকনখি। ভগবান ভাষ্যকারন হায়—শাস্ত্রন ডাম্ভোক্লব ইন্দ্রিয়শিংন লাইনি, অদুগ মহৌশাগি নক্লগ তমোগুণ্ন কুপলব ইন্দ্রিয়শিং অসুন হিংচাবনি। মখোয়গি লানফমন মীওইবগি হকচাংনি। ইন্দ্রিয় বৃত্তিগি তমোগুণবু জয় তৌবরুদ লাইগি জয় ওই, হায়বদি শাস্ত্রাচারগি ফল ওই। মবম অসিন ধর্ম্মতন শাস্ত্রাচারগি মূলনি।

"অসবঃ প্রকাণ্ড"

সদাচারগি মশক ওইরব উজাওগি উপানদি পুনশিনি। হায়বদি সদাচার ডাক্লগ মীগি পুনশি চেংলি অমসুং শাই। পুনশি শাংবগি লক্ষণদি তরানিথোইনি হায়ন লেপ্প যাই। (১) পূর্ব্বপুরুষ শিংগি বিশেষ ওইন মপা মমাগি পুনশি (২) হকচাং তেক কায়রব লৈতন পোকপ (৩) দুর্ঘটনা থোক্লব (৪) হকচাং ফব মফমদ লৈব (৫) হকচাং ফব চিঙ্গাক (৬) অকব ফিরোল (৭) তকতাহনব (৮) চা নাইন চাব (৯) চাং নাইব শাচার (১০) নিযম কাযদন চংপ (১১) অইং অশা থাংব [১২] পুকনীংগি শান্তি।

ত্তবানিথেই অসিগি মন্নুংদ অহানবগি অহুম অসিদি কনাগুম্ব মীগি মথাপোনব নত্তে। (১) পোকপ হাযব অসি জীবগি মনিংগি মথাপোনব পোং নত্তে। পুনশি শাং-ব পূর্ব্ব পুরুষগি মন্নুংদগি মপা মমা খনব হাযব অসি কনাগুম্ব অভাং অমত্তুন ভমদে। (২) ঐহাক দোষ লৈত্তব হকচাংগ লোয়নন পোক্কে, হকচাং তেক বায়ন পোকলোই হাযব অসিমু অভাংগি মনিং নত্তে। (৩) ঐন হিংনিবৈদ বিশেষ ওইন অভাং ওইবিবৈদ কবিগুমব দুর্ঘটনা লাক্লুন ঐগি পুকনীং লাংহল্লোই, নত্রগ ইশা তেক কাযহল্লোই, নত্রগ থরাই মাংহল্লোই মাসি পুম্নক উহদ খংহুন মাহুগি বিধান তৌহুন চংপ অসি মীওইবগি সাধ্য নত্তে। অওইবদি পুনশিগি মাংদনব হৌংনব, পাঙ্গন হায়ৌ অমসুং শাংইনবগি মথক্ত হাযথিব হেতু অহুম অসিবু নহা-মুক্তি মপোক্কি ওইব হেতুনি হাযন লেপ্প য়াই। পুম্নক অসি হিরম পুম্নমক্ত মীওইবন লাম্বহুন খংগদ-[illegible]।

তৌইশুম্ব মীঅমন লাক্লহুন ফংলদব নত্রবসু পুরুম পরম্পরা ওইন মথ মথং লাক্লববদি ফংলোইদবনি হাযব নিংদে। মপা মমা পুম্নক মাগি মাগি মশা শেংন, কন্ন অমসুং পুনশিন লৈনবগিদনক উপায় মথল মথল তৌব ভমই অনসুং মখোযন তৌবম্ব উপায অহু মতুংগি মচা মশুন নৌহন চংনবদি বংশ অহুগি পুনশি চাওখংপ য়াই। মতৌ অসুম্ন হৌংনহুন বংশগি মন্নুংদ পোকপদ হকচাংগি অতেক অকাযন থিংব যাই, অমহিকসুং পূর্ব্ব পুরুষ শিংগি অমসুং সমাজগি মন্নুংদ জ্ঞান অমসুং সহানুভূতি য়াম্ম চাও-

খংলবস্থু দুর্ঘটনাগি দোষ কোকহনব য়াই। অপাঃব, লৌ-শিং লৈতব পর্ব্বব সিংগি মনুংদ দুর্ঘটন য়াম্ন থোকপন মী অমসুং অঙাংশিংগি অকালমৃত্যু ওইবগুম্ন লৌশিং শিংব সুসভ্য শিংগি মবক্তদি তৌদে।

মনম অসিন পূনশিবগি মথক্ত হাযখিব হেতু অহুম অসি মী অমগি ফংব ওস্ব নত্ত্রবস্থু পুরুষ পরম্পরাগি অমসুং পুরুষ সমষ্টিগিদি খবগি মথৈ যংব ওমগদবনি। পুরুষ পরম্পরা অমসুং পুরুষ সমষ্টি অনি অসিন তিনব অহুগি মনিং সমাজ কোই। মনম অসিন পুনশিবগি নকানমুক্তি মপোক্তি ওইব হেতুশিং অসি সমাজগি মথা পোনবনি।

পুনশিবগি অহানব হেতু অহুমদি মথং হেতু অহুম অহুস্ত্র অঙাং ওইবিঙেদদি বনাগিস্থ মথা পোনব যাদে। হকচাং যননব মুন, চিঞ্জাক অমসুং ফিরোণ হাযব অসি অঙান মশান খংন নত্ত্রগ হেংবনহন মশাগিদমক পৈসিনব ওমদে। অমহিকস্থুং অঙাং ওইরিবৈদেগি হিবম পুন্নমক অসিদ কোমথোক্রবদি হকচাংগি শোনব, হৈসিনদব অমসুং নাপনবগি যিভম হৌবকই। মপা মমান মচাবু লৈহনব মুন, মচাক পীব চিঞ্জাক অমসুং ফিরোণ, অমসুং দেশগি অশেব নত্ত্রগ যংতব ভাব--অসি পুন্নমক্তি ভাব অহু অঙাং ওইরিবৈদেগি মশাগ লোযনদন লৈ। অঙাংগি অভিভাবক্ত স্বাস্থ্যবক্ষাগি উপায খংলব অমসুং উপায পুন্নমক্ত অঙ হৌবরদ্রব, অগুকস্থু সমাজগি শাসনগি প্রভাবন দেশ শোং অমসুং লৌনগনব লাযনা লৈত্রবদি অঙাংন লায়ন পস্তুন চাউখংলি, নত্ত্রবদি মতম চাদন শি. নত্ত্রগ মশা নান

নান মতম খবদং হিংহন লৈ। মরম অসিন হিরম অহুম অসিদম্তু মীগি পুনশিব অসি পুরুষ পরম্পরাগি অমম্তুং পুরুষ সমষ্টিগি হায়বদি সমাজগি মখা পোল্লি।

পুনশিবগি অতৈ হেতু তরক্কী পাঙ্গন্দি মীওইবগি চহি যম্লকপগ লোইনবা থোইদোকন কার্য্য করী ওইরকই। পুন্নমক অসিদ মমাংগৈগি নংত্রগ মী অতোপ্পগি শক্তি চাংদমনবদ তান উই অমম্তুং মীগি হোংনবগি শক্তি অদুত থোইদোকন উর ফংই। লূন শৈর, চাং নাইন চাব অমম্তুং চাং নাইব আচার, থবক পূমনমক্ত নিযমগি মতুং ইন্না চংলগা, মশাবু অম্তুম অম্তুম থংনব খাংদ ওমহনব, অমম্তুং পুকনীংবু লাংহন্দন ইনা থম্ব পূমনমক অসি মীন নখাগিদমক ফল তোযাব ওনই।

তোইগুম্বম্তুং থবক পূমনমক অসি মীগি হোংনবনা অংখাবরনি হাযদুনা মখোয অসি মমাংগৈগি নংত্রগ মী অত্তাপ্পগি শক্তিগি মখা পোন্দে অমম্তুং মীগি হোংনবগিত মখা পোল্লি হায়রব অদুদি নত্তে। অহানবদ, হিরম পূনন-মক অসিদ মতম চান জ্ঞান ফংব চংই--মাসি অমগি মফম্দগি ফংগদবনি, অমম্তুং অনীশুবদ, ফংলুবির জ্ঞান অদুগি শোবদব, নীংশিংব অমম্তুং শীজিন্নব অসি মমাংগৈগি মপোক্কী শক্তিগি মথক্ত থব অমন অতৈগি খুদমগি মথক্ত নির্ভর তোই।

মরম অসিন পুনশিবগি হাযখ্রিব হেতু তরানিথোই অসি অহুম থোকন থাযরব যাই, মাতুদি অহুমনি, মমাংগি

সমাজগি অমসুং মী মশাগি। শক্তি অহুম অসি অমুপ চেৎন অমগ অমগ যেংশিন্নবা, অহানব অহুবু থাদোক্লবদি অনিশুবগি গতি লৈত্রে, অমসুং অনি অসিবু থাদাল্লবসু অহুম শুবগিসু গতি লৈব যাদে।

ঐখোযগি শাস্ত্রন তাকপ আচাব পদ্ধতি পূম্ননমক শক্তি অহুম অসিগি মতম পাংব ওইন লৈবিবনি হাযবদি মাসি মাইকৈ পূম্ননক উই। মবম অসিন ইউবোপকি শাস্ত্রন চিংবগি পূকফকাম্মূলক বিচার প্রনালী নীংথিন তয়কলব অমসুং প্রনালী অহুগ চাংদননহুন দেশগি শাস্ত্র পদ্ধতিগি গুণাগুণ যেংব মী শিং অহুগি মসিগু আচাব বাগুগি ব্রা অযামব অমগ অমগ তাইনব যাদব নত্রগ উপধর্ম্মমূলকনি হাযব এন অম পোকই। শাস্ত্রগি আচাব ইন্দহুন মখোযন হিবম অযাম্বদ দোষ যংই। মখোযগি মবক্ত অযাম্বগি পুনশি তেল্লি।

সদাচাবগি বিধি খংনব লাকনবদ মী শিং অসিগি যৈথাযব অমগ লৈ। মাহুসু খংদবদগিনি। মীওইবগি তোগদব হিবম অযামবদ মাসি ওইব য়াই য়াদে হায়ব অসিগি বিচাব যামন তৌনৈ। হেতু দোষ লৈতব অহুম্ন ফংব অসিমু ফন তানে থোকই। মীওইবন তৌবিব হিবন অহুদ মাসি ওইব য়াই, মাসিন ওইব য়াদে হাযব অসি খন্দুন তোগদবনি। মাসিনক মহেশান ওই অ-হুন মাসিমক তোগদবনি হাযব অসি য়ামন তানে ফংলিন। তৌইশুবসুং বিচাবগি প্রনালী অমুম তৌববসু ওম্বগি

থবক্তি অসিন কয়ায়ায় ৎইব য়াই, অসিন কয়া য়ায় ওইদব য়াই হায়ব মশিং থিৎদ চিংনবন্ত উংলবদি য়ারোই। ওজান অসুম মশিং থিব .ক্তারবদি ছাত্র শিংগি মপুক্ত শিক্ষাগি অচেৎপ হৈহে অমসুং সিদ্ধান্তগি নত্রগ ফলগি লেংদব পোক্কে। মরম অসিন অহানবদ মাসিন ওইব য়াই, অসিন ওইব য়াদে হায়ম বিচার তৌবদ অনীগি মরক্ত অসি ওইগনি হায়ন লেপ্প অহমকপু শোইজব অ-চৃম্বনি হ.য়ন তমবিনৈ। নিপা অমন অরাংব মুমথক্তগি চোংথগে তৌব উরবদি মহাকপু নং শিরগনি হায়ত্তন খান-নৈ। মুমথক্তগি তাব পুম্নমক্তি শিদে। হকচাংগি শাদা, তাব মজ, মথাগি লৈপাক্কি অবস্থা অসিন সিংবগি য়াথল তৌহুন "নহাক্কি শিবগি সম্ভাবনা য়ামন লৈ" হায়নদে।

শাস্ত্রস্ম শিক্ষা দাতানি। মহাক্ক প্রভুগি মতৌদৌন য়াথং পী। প্রত্যভিজ্ঞাগি ফল শিংবু কার্য্যকর ওইন উৎন-নবগিদমক মহাকনা বিধি অমসুং নিষেধগি য়াহৈ তশেং তশেংন তাকই। মহাক্ক বিধি অমসুং নিষেধবাক্য তাকপ মতমদ মনাংগি মপোক্কি নত্রগ মীন হোৎনগদবগি হায়ব থেরব উত্তুন তোঙান তোঙানব মীগি করিগুম্ব হিরমদ সম্ভাবনা উত্তুন তোক্কে।

শাস্ত্র বিধিগি শিক্ষাদাতাগি ওইব প্রভু তাব অসি নিং-শিংব কাম্নৈ। তাব অসিবু নীংশিংদব মরম হৌজিক কালগি .ইংবাজী শিক্ষা ফংব কাংবুত্তন করি করিগুম্ব মফমদ শাস্ত্রা হায়বিব অহুগি ফল লৈতবনি কায়ন নীংহুন শাস্ত্র গি মফমদ থাজব লৈতব নৰ্ত্তে, মমাংঙৈদগিম্ম অমসুং অ-থোই অথোইব মীনম্ম শাস্ত্রদি শ্রদ্ধা লৈতবগি লোক ফংখি।

বুদ্ধদেবন মতন কুইন শাস্ত্রগি বিধিগি মতু ইন্না তপঃ তৌ-তুনা মহাকনা নীংব ফল ফংব্রবদ শাস্ত্রবু তাখিব ওইখি। অদুম তায় রামমোহন রায়সু পুরশ্চরণ, জপনা চিংব য়ামনা তৌতুনসু নীংব থুংখিদবতন শাস্ত্রাচার থাদাকখি। অদুম ওইনমক, বুদ্ধদেব অমসুং রামমোহন অনীমক মাগি মাগি তপস্যাগি মতিক চান ফল ফংখি হায়রব অসিদদি করি-মত্ত চিংনব লৈতে। মান মান তৌজব তপস্যান মশা শেংদোকখি অমসুং চাওখংহনখিব মরম্ মাগি মাগি মত শন্দোকপ ঙমখ্রিবনি। মখোয় অনীমক ফল থিতুনা তপস্যা তৌরমই, মবম অসিনা মখোয়গি তপস্যাদ রজোগুণ চংলম-ই। মরম অসিনা রাজসতপস্যাগি ফল—প্রভাব, খ্যাতি অমসুং সম্মানবৃদ্ধি -মখোয়না ফংলমই।—যাদৃশী ভাবনা যস্য সিদ্ধির্ভবতি তাদৃশী। মবম অসিনা শাস্ত্রদ ফলাকাঙ্খাগি নিষেধ বাক্য ইবমই, মরম অসিনা ভগবান্ হায় :—

"কর্ম্মণ্যেবাধিকারস্তে মা ফলেষু কদাচন"।

কর্ম্মতদ নহাক্কী অধিকার লৈ, ফলদদি করিমত্ত লৈতে।

মথক্ত হায়রিব ভগবানগি ব্রাক্য অমসুং শাস্ত্রগি বিধি অসি আধ্যাত্মিক বিষয়তদ শিজিন্নে। তৌইগুম্বসুং থবক পুমনমক্ত বিধি অসি শীজিন্নব য়াই। পুনশি চাওখংনব শাস্ত্রদ ইরিব বিধি পুন্নবব অতক্ত ফনাবাঙ্খা য়াওদনা তাক্লনবগি দমক্তসু হোংনব ফে। ফলব থিকরবদি রজো-গুণ থোবক্তই অমসুং কলশিং তাদবু, নমক ওম্মোকহল্লি নত্তগ ফল ফংতন্দে। কনাগুম্ব নিপা অমম মচাদ লৈগি চারা থর পীতুনা হায়রবনই, "চারখি অসিব কোকশিন্ন ঈশিং চাইযু, লৈপাক্ত মরা তারগা স্বর্গ লৈ শাংকনি। অস্তাং অদুনা মপাগি মাথং ঙাবলেহ্যা তোহিগুম্বসুং নুমিৎ থুদিনদগি,

চায়ে অহ্ ফুক্তোকতুনা মরা, তারবরা হায়রুন য়েংব হৌরক্লে। মৈগি চারশিং অতুদি শোয়দনমক শিরে। অওইব মক্তি বিধিনা তাকপ মতুং ইন্ন থবক তৌগদবনি, অভাং অসিগি মতৌদৌন কল থিবদি ওইরোইদৌবনি।

"তৌইগুম্বসুং করিগুম্ব কল অমত্ত থিদব তাবগদি ডাকউ হায়রিব বিধি অ৩ থাঙ্গশংব লিধিনি হাযব অসি করম খংগনি"? হৌজিক কালগি শাস্ত্রাচাবদ প্রশ্ন অসি হংলিবনি। কনাগুম অভাং অমনা মপাগি তক্সাক্ত কাখংতুন আকাশবোমদ য়েংলগ থা উহন হংলকই—"পাবুং। অসি করিনো?" মপান হায়রকই—'মাসিগি মমিং থা কৌই'। পুকচেন তিংলব অভাং অহুন অমুক হংখিদ্রে। জ্ঞানগ যেকনব চিংনৰ পুকাংন অহু মাগি থমোইদ লৈফম ফংদ্রে। মহাক্ত থা হ যন শব্দ অহু হন্ন২ হাযরুন ত্থ হৌরক্লে। তৌইশ্বন্ন মাসিবু থা কৌবিদ করিন নে" হংলম্নবদি মপান নহাক্লি খনমব দনি হ যব ওন্নগদগে?—মাসিবু থরাইন থা নোংনে হাইন হংযবম্ব য়াই। অমুম হাযহুন মী ৬া অনগি নচিন্দাগম্ থা হাযব শব্দ অসি অভাংবু তাহদ্রনি। মবন অসিদমু লম্বি অসিনক লৌব যাই। শাস্ত্রদ হংদবিব আচরগী কাযদ অসি ঐখোযগি চিকিৎসা শাস্ত্রন ডউবাপাক বিজ্ঞান অমসুং দেশ অতৈ অতৌগি অাংপান সমবন্ন ভাই হংযব অসি মমাম অসিদগি উংপ মাই।

তৌইগুম্বসুং ঐপায়গি দেশগী চিকিৎশান শাস্ত্র ওইসঙ্গ অহুগ বিদেশগীন বিজ্ঞানমক ওইসমু, অহুগ অতৈ

দেশগিন আচারমক ওইসনু, ঐখোয়গি স্মৃতিদ হায়রব আচারগি বিধি ময়াম অহুগুম করিগুম্ব অমত্তম্ন হিরম পুন্নমক শোকপ অমসুং হিরম পুমনমক্ত ঐখোয়গি কান্নব ওইব য়াদে। চিকিৎসাশাস্ত্র অমসুং বাহ্যবিজ্ঞানদি হিরম অমমমদ শোকপনি। দেশ অতৈগি আচারদ করিগুম্ব মকমদ ঐখোয়দ কান্নব যাই। তৌইগুমবসুং মখোয়গি মরক্ত করিগুমব অমত্তম্নু শাস্ত্রদ হায়রিব বিধিগি প্রমানগি মশক ওইনা শিংথাব য়াদে। অহু নত্তন আচারগি গুণগি মূলদি অভ্যাসনি হায়রব অসিদ আর্য্য শাস্ত্র নত্তন অতৈ পামবৈন ঐখোয়গি সুসিক্ষা ফংব ওইব য়াদে। অভ্যাসগি পামবৈন মীন থংনব থাংবগি শক্তিবু কয়ামুক চাওখৎহনব য়াই হায়রব অসি যোগশাস্ত্রকারতন খংলমই। অতৈ পনাস্নু হৌঙ্গিককাণব মাত্রবু খংব ঙমদ্রি। হকচাংগি শাক্তন অসি যোগশাস্ত্রতগি বিষয়নি।

"বিত্তানি শাখা,শ্ছদনানি কাষাঃ।"

সদাচার পাম্নবাগি মশাদি লম্রি, কামনা পুমনমকন মমানি সদাচার [illegible]ব অসি শেল লননবগি পাম্বৈনি। শেল নৈং হায়রব অসি অহুমথোকন থাবদোকতুন খনগদবনি।

(১) শেল ত্রানব (২) শেল ভাকপ (৩) শেল চাওখৎহনব

(১) হকচাং মনুংশেংব, হৈশিংব অমসুং থবক গুণ, বুদ্ধি, হিরম খংনব যাবব অমত্ত মতৈ পীবঃ পুকচেল, লেংদব অমসুং উৎসাহগ লোয়নব, অমসু লমচং, থাজনবগি মথক ওইব অমসুং শীগি নপুকনিং চিংশিনব-অসি পুন্নমক অসি নৈরবদি শেল ত্রানব.

ব্রাদে। সদাচারদগী হকচাংগি, বুদ্ধিগি পুকনিংগি অমসুং লমচংকি গুণ পুন্নমকসি পোকই। মরম অসিন সদাচার চংলগা শেন তানব লায়। (২) শেন ভাকপ—ভোগগি সংযম, বিলাসিতা থিংব, মপানগি আডম্বর পিকশিনহনব অমসুং সমাজদ অচুম্বগি মুঙ ভাকপন ওইব য়াই। পুন্নমক অসিমু সদাচার ভাকপদগি থোকপনি। (৩) শেন চাওখংহনব—চাং নাইন খবচ তৌব, তুংদ খোক্লগদব উব অমসুং লমাজগি অফব অমস্থা থেংব, পুন্নমক অসিম্ন সদাচারন চাওখংহল্লি অমসুং নীংথিন ভাকই। শেন চাওল্ল বগি অকাউব উপায ললোনবদ মিংচৎ ফংবগিদমক অচুম্ব চংপ, বুদ্ধি ফব তুংদ থোক্কদব উব ওইগদবনি। সদাচারদি অহুম অসিগি প্যাইবনি।

শেন [illegible] নৈবগ যেক্লি হাঙ্গীন অসি শেন লৈব নবন [illegible] হাযন কনা কনাগুম্বন ত্রোম তৌই। উট[illegible] হাব্রদ চংব ভনদব অতুগুম্ন শেন লৈবক্ত স্বর্গ [illegible] হাযন যীশুখ্রীষ্টন হাযবমই। পুকচেন তুং- লব যিশুন মখন অমহং যেংতুন অম্মুম্ন হাযরমলিবনি। ব্রা অসি সংসারগি বৈরাগ্য পোকহনবনি, অওইব নত্তে। নবন অসিন মহাক্কি মত চংপ ভক্ত ওইব কাপ্পনিক থাক্কক। শিন আশ্রমভেদ মুন্ন খংদতুন মযুম পুনথা থাদোক্তুন সন্ন্যাসী ওইবে অমসুং গৃহস্থ সিংগি মবক্ত কনানম্ম মত অসিগি মহুংদ লৈব সত্য অং থবক্ত লৌব ভমদ্রে; অমুক্তেক্কিন শেনী পাঁমব ওইবে। মাইকৈ শুন ম্লেংব আর্য্যশাস্ত্রদি অদুক চাওব ব্রা অমত্ত হায়দে। মহাকন লানবু সাত্ত্বিক, রাজসিক অমসুং তামস হাযন অহুমথোক্ল থাক্লদোক্লুগ পরম সাত্ত্বিক ওইব "দেয়"(পীগদব) কোধ লক্ষণ পী—

"অপরাবাধমক্লেশং প্রযত্নেনার্জ্জিতং ধনং।
স্বল্পং বা বহুলং বাপি দেয়মিত্যভিধীয়তে॥"

অতৈদ রাইচিলহন্দন, মশানসু য়াম্না রাব ফংদন মশান নোমহুন খজিক ওইরবসু যাক্লবসু তামিব শেল অদুগি মমিং "দেয়" কৌই-হায়বদি শেন অসিগি দানদ অশেংব দান ওই।

হায়খিব অতানব শেল অসি পুর্ব্বকর্ম্মগি মতেং পাংই, মরম অসিন শেল অসিবু দান তৌব ইনাবখুনব শিংদ স্বর্গদ্বার হাংহুন নৈ, খিংহুন নৈত্তে। শাস্ত্রদ রাজসধনগি লক্ষণ নৈ, মাহুদি :—

কুসীদ কৃষিবাণিজ্য শুল্কগাণানুবৃত্তিভিঃ।
কৃতোপকারাদাপ্তঞ্চ রাজসং সমুদাহৃতং॥

শেংদোই লৌহুন, লৌ উহুন, লল্লান্দুন, শুক লৌহুন, ইশৈগি ব্যবসায় তৌহুন অনসুঃ কান্নব তৌবীখ্রব মীদগি লৌহুন কংব শেল অদুবু রাজস কৌই।

ব্রাহ্মণশিংন মহৌশান রাজস ধন হায়ব অসি তানব য়াদে, অদুগ অরাব তারবদি ব্রাহ্মণ খি-সু উপায় মযান অসিন শেন তানব য়াই। তামস ধনগি শাস্ত্রদ হায়ব লক্ষণ-দি অসিনি——

পার্শ্বিক দ্যুত চৌর্য্যার্ত্তি প্রতিরূপক সাহসৈঃ।
ব্যাজেনোপার্জ্জিতং বস্তু তৎ কৃষ্ণং সমুদাহৃতং॥

পাশগী মহাম্মন, দ্যুতগী পাম্বেন, মীবু ওংহুন,

মীবু ভকহন্দুন থৌনা কথগী খবক্ল. অমসু মীবু নমথাক তৌহ্নন, মথেব ধন অহুবু কৃষ্ণ নত্রগা তামস ধন কৌই।

ধন অাস তানথ শাস্ত্রন য়াদে। হুষ্টগী মত লৌরিব ইউরোপকী মী শিংন ধনগী থেম্নব মথল অহুম অসি খং-হন্নবদি, কমিশরচিংব মমিং মথল মথল থোদ্দুন শেন-চাব, শগোল লমাঙ্গন তান্নবন চিংবদ পোম্বা থানহ্না শেন তানব, বিজাতীগী মরৈবাক লূট তৌব, লংলোন-পোত্তা নকল (খুং-শেম) তৌবা, মীগী মমল ছরানব, মীবু ওৎপ অসি পৃথি-বীদ য়ামন মন্নেং তারমগনি হায়ন নিংই; "ধন হায়বসিমক্তবু ফত্তবনি" হায়বসিদি মাখোয়বু তাকে। মাখোয়ন বা অতু ভাক্তন চংপদি ভমন্ত্রে, জাতী অমৎতসু ভমদে; মরম অহুন লন তাম্নবগীদমক বিরুদ্ধ ওইবা কথী থিংদবনি হায়বা তড় বংদ্রে; সাত্ত্বিক, রাজস তামস থায়দন লন তাম্নবগীদমক পৃথিবী থুংনা ইরাং হৌনহ্নন কোয়চৎ চৎলকলে।

শাস্ত্রাচারন ঐখোয়বুদি অহুম তৌহল্লোই। হৌজিক তারাবা মতম ওইরে, মরম অহুন ঐখোয়না স্বাত্তিকব রাজসকা ধন মথল অনি অসি ফংননব হোৎনরবসু হোৎনথ য়াই। তামস ধনদি ঐখোয়না শোকউব অমসুং লৌক্কব য়াদন লৈরগদবনি।

চাউরাক্ল ধন শিজিন্নকম অহুমনি।

(১) মশাগী অমসুং মাগী ওইব মীশিংগী য়োক-থাক-পদ, (২) ভোগাভিলাষ পেন্নব হোৎনবদ, (৩) দান্ন তৌহ্নন অতোপ্পা মীগী অন্নাব কোকহনবদ। কাম্নকম্ন

(প্রয়োজন) অহুম অসি অমত্তম্ভ ওমথৈ ন্যাইনরা (অসীম) নত্তে, মাথৌয় পুমনমক্কী সীমাদি সঙ্কীর্ণতুম ওই। মশাগী অনম্ভং য়োক্কর থাদব লিংগী চাক ফিরোন পুন্নর হোৎনবদা শোঁপ য়াম্না চংদে।

করিগুম্বা মতমদা কনিগুম্বা মফম অমদা মাত্র ওকনবা ধন তানবা ফংলকত্রবদি সমাজ অত্তুদ থোইদোকপা দোষ অমা লৈরে। শোয়দনমক দোষ অদু কোক্লনবা হোৎনগদবা ওই। (২) ভোগ সুখগী ওমথৈশু য়াম্না লাপথিবা নত্তে। ইন্দ্রিয়বু বিষয়দা শিক্সিন্নবগী মখিং ভোগ কৌই। তৌইগুম্বগুং ইন্দ্রিয় শিংনা উপভোগ্য অদু মতম কুইনা চাবা ওন্দলক্কে। য়াম্না হাওবা পোৎ চাবগী মুঙাইবা অদুমু পুক থম্লবদি করিগু লৈতে। অদুগুম্ব নত্তে। ইন্দ্রিয় শিংনা লৌশিনব ওনবা পাঙ্গল থর লৈরিঙৈদা ভোগ পাদোকপনা চুমই। পুক পিক থনফাত্রিঙৈদা চাবা তোক-ত্রবদি চাক্লবগী মুঙাইবা লৈতে। (৩) দানগী মগুণশু ওমথৈ লৈতে। পীরিবা মীহুনা মুংসিবিতুনা অমম্বুং মাগী বাথল অদু চাউথংলকতুনা পীনবা নত্তবা দান অদুদি মগুন কনিমু লৈতে। দান লৌরিবা মীনা অপকর্ষ সাধন ওইরদা হাঙ্গবদি মানা তনবা নত্রগা মগুণ থাগৎচনিংলক্লবদি তৌরিবা দান অদুনা থাঙ্গৈশেংবা মুংভাইবমু লৈত্রে, থাঙ্গৈশেংবা কান্নবমু লৈত্রে। ব্যক্তি-নিষ্ঠ দানগী ওনথৈথদি অসুমদোনা য়াম্না সঙ্কীর্ণ ওইনা লৈরিবনি। থম্বাইগী কান্নবা থবক্তা তৌবা দানগী ওমথৈথদি মাসিদগী পাকপোকপা হেন্নংমু ওমথৈ ইরৈ লৈতবদি নত্তে।

ঐথোইগী শাস্ত্রাচাননা ধন-প্রয়োজনগী ওমথৈ নাইবা অসি উত্নুনা আবেপ্পা অমা ককতুনা লৈ। ... ধনগী কান্নবা অত্তুনা য়াম্না পিকপা ওমথৈগী ... লৈরবসু মী-ওইবগী ধনবু খোরাংবা অদুদি ... ত্রে; শাস্ত্রনা সাত্বিক ধন তানবগী পান্নবৈ ... তনিংবা অদু হুইনন-বগীদমক হোৎনবি। মাহাক্না ... ধন তানশিনব অমম্বুং পৈশিনব পথাপ তাকপিবগা মনৈদা হাঙ্গবিবমই।

সন্তোষং পরমাস্থায় সুখার্থী সংযতো ভবেৎ।
সন্তোষমূলং হি সুখং দুঃখমূলং বিপর্য্যয়ঃ॥

নুংঙাইনা পাম্বা নিংনা অপেনবসু অখোইবা পানবৈ (অবলম্বন) ওইহনহন্না পুকনিং লাকসনবিগদবনি, অপেনবনা নুং-ঙাইবগী মকনি মাহুগী ওননবনা বাননবগী মরুনি। মরুন অনিংনা ধন হাঙ্গৈনসি নুংঙাইনব নত্তে, মবমদি ভোগ হাঙ্গবসিনক্তবু নুংঙাই-বা নৈতে।

ধন পাম্বনা মরাইকাববু শান্ত্রনা থিংই, অপাম্ববু (কামনা) লাকশিনহন্না চংপবুসু শান্ত্রনা তাকই (উপদেশ তৌই)।

ইন্দ্রিয়ার্থেষু সর্ব্বেষু ন প্রসজ্জেত কামতঃ।
অতি প্রসক্তিঞ্চৈ তেষাং মনসা সন্নিবর্ত্তয়েৎ॥

ইন্দ্রিয়-প্রয়োজন পুমনক্তা [illegible] য়াওনা পামশিনহৌইদবনি, নাখোইবু য়াননা পানশিন [illegible] ংবু ফাজিনহন্না থমগদবনি।

সংযম অনি [illegible] লাইননা থাঙ্গ শেংনমক নুংঙাইবা ফংব [illegible] (অপাম্ববু) লাকশিনহন্না থম্দ্রু-বদি কামমক্তৌ [illegible] বা ভমলাক্ত।

ন জাতু কামঃ কামনামুপভোগেন শাম্যতি।
হবিষা কৃষ্ণবর্ত্মে'ব ভূয় এবাভিবর্দ্ধতে॥

কামগী মচিন্নাক হন্নগা কদৌঙৈদত্ত কামনা কোকখিবা নৈতে; নৈদা ঘৃতাহুতি কংলগা নৈ চাওখংলকপত্তা মহেলনি। চাঙ্গবদি কামগী মচিন্নাক হন্নগা চানিংবতা মহেন্নকই, চানগী পান্নগদি হেনগংলক্কে; মবম অত্নুনা কামনা হেনগংলগা অবা-বতা হেনগংলকই।

অওইবমক শাস্ত্রকারশিংনা কাময়াবু খাগিবন্দবা ভাকপিবগা ভোগকী মাইকৈদি থাদোকতুনা থম্বিরনই, অমসুং ভারতবাসীনা মাখোইগী হিরম থুনিংমক উনবা শাস্ত্রগী পাউভাক মতুং ইনবনা কন্দৌত্তৈবত্ত মাখোইগী পুন্সি অদু কাগনাগী মশক ওইবা ঊনাবা খুমথিনহনা মহৈ-মপাল য়াওদবা ওইরকখ্রে।

“যশাংসি পুণ্যানি।”

সদাচার-উপানগী মপানদি যশনি। হাইবদি সদাচার লৈবা মীদি খ্বাইগী মকমতা যশ ফংই। য়াঅসি স্বতঃ সিদ্ধ বাকাগী মশক ওইনা ইপাই লাইনা থংবা ঙমই। সদাচার লৈবা মীদি শোইদনা লৈবাকনা থাগৎনেফম ওইগনি; মরমদি খ্বাই পুথ-মকপু ভাকতুনা চংনু হাইরিবা আচার ব্যবহার অদুবু ভাকতু-না চংলিবা মী অদুনা কনি তৌতনা অকা নিংচং ফংলোইদগে? লাইনিক--লাইজু নিংথিজনা তৌবা বিদ্যাগী অঙাং অদু মনা ফংই। সদাচার লৈবগা খ্বাইগী মফমদা নিংচং ফংবা অদু মনা অদুগুম্বনি। খ্বাইনা পাময়বা মতুং ইনন্না চৎলগা স্বর্গ ফংজি অমসুং চত্রগা নিন্দা ফংই হাইবদি ইউরোপীয়ান শিংনসু হায়রে। মরম অসিনা ইউরোপীয়ন শিংগী মরক্তা শাস্ত্রাচার লৈত্রবসু মাখোই নত্তম মতমগী চৎনবকুপা আচার অদুগী থজিত্তবা য়োনা হোদোকপা ঙমদে।

অদুমকপু সদাচারগী মপানদি যশনি হায়রিবা অদুগী তাৎপর্য্য অদু অমকসু কুপশিননা বিচার তৌহনা থংজিনগদবনি। যশগী মরমদি মরু ওইবা চিবা অহুমনি—(১) খ্বাইনা ফংদবা গুণ চেনবা; (২) অতোপ্পগী উপকার তৌগনবা; (৩)-লোলুকপা। মাশিংগী মসু-দা অহানবা হায়বদি খ্বাইদা ওই-দবা গুণ চেনবা হায়বসি লাইগী থুংশেম ওইবনা নরই-মাসি করিগুম্বা সাধারণ শিক্ষা অমত্তগীসু নবা পোনদে।

শিক্ষাগী দোষ লৈরবদি মাসি মাংননবগম ওই। ঐখোইগী শাস্ত্রাচারগী মফম ওইরবা শিক্ষা অসিদা অহুম্বা দোষ অমত্তা লৈতে হায়রবসি মথং মথং তশেং তশেংনা কোকদোকনি। (২) মীগী ফননবা তৌগনবা মীনা (পরোপকারী) অতোপ্পা অরাবদা য়াগনি। মাহুদা সমাজগী মফমদা মাগী সহানুভূতি ইপোকশকই। মাগী ফননবা তৌবা মীবু কনানসু স্বার্থপরনি হায়-না নিংবা ঙমদে। মাহাক্কি সমাজ শাননবগী মফ ওইবা লং অতগা মামনা মবী লৈ। মীগী ফননবা তৌবা মীদি সমাজগী ভক্তনি, মমন অহুনা মাহাক্কি সমাজগী মুংশিননবগী মফমনি। "যোমদ্ ভক্তঃ সে প্রিয়ঃ।" সদাচারনা মীবু অতোপ্পগী অবাবদা য়াইহল্লি অমসুং মীগী মতেং পাংনিংহনলি। মাসিনা আত্তিপা-ফংবানা চিংবা দাদগী থবক পুম্নমক্তা মাংওইননা চোংথোক-নিংবা পোকহনলি। মনম অসিনা সদাচারগী যশ পোক্লকই। (৩) পরোপকারদগীসু নোংলুকপনা যশ ফংননবগী হেন্না ফবা লমবীনি। পরোপকারদি তৌরগা নোংলুকত্রবা, মশাগী মগুণ থাগচ্ছবদা বুদ্ধি মাংলবা, উপকার ফংলিবা মীগী মশাগী ইকাই থুমনবা মাংহনলবা, মাগী মরুংঙোনি হায়না থম্নবা নত্রগা মাবু ঙংলবা মী মচগী মথক্তি মকশিল্লি। মীঙোন্দা নোংলুকনা অমসুং তোল্লবনি হায়না চংলিবা, অমদি মশাগী তোনবা অমসুং লাইরবা মতৌ উংলিবা মী অহু অতোপ্পগী উপকার তৌববসু তৌদ্রবসু থবাইগী মুংশিনবা অমসুং পাগংনবগী মফম ওইবনা নমই।

অতোনবা উৎপদা (দীন অবস্থা) লীনা অমুমতৌনা চাংবিগুনবসি উত্রনা, লৌমনাশিংনা মতম অয়ামদা ভক্ত ওই-বগী অতোনবা ভাব মথন অমা উৎতুনা চংলি। কনানা লাইরবা কনানা মপা ফত্তবা, কনা অহনা মরাইবক থিরগী ফত্তবা অহু উৎতুনা মাথোইগী মরুংদা লৈরিবা নাপল মসুং আর্থপন ওইবত্র কুপশিন্নতনা থবই অমসুং মাদুনা মীগী অ-নুরাগ অমসুং অনুগ্রহ থরদং ফংবা ঙমই। ঐনা নিপা অমা-

থংখি, মাহাক্কি মাহাক্কী মশা কত্তবগী বা অমত্তং হাঙ্গদনা কনানসু চিঠি অমত্তা ইবা ঙমদে। অত্তোপপা মী অমসু থংখি. মহাক্কী কমল-মথুন অমসুং মচানিপা মাননা লৈরমই। মাদি মহৌশানা মীগী কত্তনবা ঙাংগনবা (অসুয়াবান) অমসুং কল্লকচাওবা (মৎসরী) মী ওইরমই। মাদি মওং অমত্তুং তৌদ্রনা মবন্নাইগী অবাবগী বা অমৎতং হাঙ্গদহৌদানা বা—লোইবা লৈতে। মানা. মীনা চানবিনবসি মামনা কন্না হোংনেরমই, অমসুং মী অমাখনসু মাব থরা থবা চানবিরমই।

অসুমনা তৌশিন্নবসি দোষনি। অতুমকপু তাঙ্গিরবগী মতৌ অদি লীওইবগী লোকপা মাবা মওং ওইবনা মাগী তৌশিননবা অদুসু মীগী কমিত্তনি অতুমক কনা লোকই। সমাজগী মকমদা নোংলুকপা হাঙ্গবসি ঐখোইগী পুকনিংগী লেংদবা ভাব ওইহনবনা চুমই। ঐখোইদি অতোপ্পগী মফমদা পোকপদগী শিবা ফাওবা শিংবা ঙমদনা লমন তোনতনা লৈরিবনি। ঐখোইনা তৌরুবা, অমদি তৌরু তৌকবা পুন্নমক মবম খুদিংদা ঈশ্বরগী লৈবু ঈশ্বরদা কন্তুনা পূজা তৌবত্তনি। সমাজনা ঐখোইদা পিনবিবা অত্রতা ঐখোইনা নোমজরিবনি অমসুং মাত্রতা ঐখোই মদেন পীনতনা ঐখোই মশেল উপকার তৌনরিবনি। মাহুদা ইরন্নাইগী মিংচৎকী, থাগৎনবগী, নত্রগা মপু ওহনগী মবন করিসু লৈতে—অতোপ্পগী উপকার তৌবগী সুখ অমসুং সামর্থ্য ফংবা অদুদা সমাজগী মফমদা মমাংঙৈগী লমন অদুদুম অমুক হেনগৎলকই। লমন অসিনা মানথত্তুনা নোংলুকনা লৈবতনা মীওইবগী অবস্থাগী মতিক চাবনি। মপাদা মচানা-নোমুকপা মতৌ অদু, মী পুন্নমকনা সমাজগী মফমদা নোমুকপনা চুমই। নোমুকপগী মতৌনা সমাজগী মফমদা শিংবা ঙমদ্রবা লমন অদু মাবা থংহল্লি, অমসুং মাবা অদুগী মবমনা লমন তোনবা কোকচবা অমসুং মিংচংনা, কোকচবা অদুগী প্রমাণ পুরনি।

ঐখোইগী শাস্ত্রদা হায়রিবা সদাচারদি মথক্তা হাইথবিবা নত্রভাবকী শাওগনবা অমসুং মাহ্নু অভ্যাস তৌনববীনি। শাস্ত্রনা গৃহিগী, তৌদবা য়াদবা থবক পুম্নমকপু লমন শিংমন-বগীদমক নত্রগা তৌথরবা পাপ কোকননবগী দমক তৌগদবনি হায়রি। লমন শিংবদা নত্রগা তৌথরবা পাপকী প্রায়শ্চিত্ত তৌবদা গুণ থাগৎনদ্ম ওইবা য়াদে, পুকনিংহী উদ্বেগতনি শান্তি হইবা য়াই। অদুগা বিধি (পথাপ) ভাকপতনা ধর্মাচরণনি, শাস্ত্রনা য়াহৈ অসিমু হয়া ২ হায়বা মরম্না শোইবা য়াদবা ভাব অদু-গী শিক্ষা অমসুং অভ্যাস ওই। মরম পুম্নমক অসিনা শাস্ত্রাচার নত্রগা সদাচার অসি নোম্নুকপা তম্নববনি। নোম্নুকপা তম্নববা চিরন অদুদি শোইদাবা বশ ফংনববগী মরমনি।

আচারবান ওইবা মী অদ্রাম্ববনা হেম্না অহংকারী অমসুং দাম্ভিক ওইবা উই। মাখোইনা পুস্তকম্ন গী কোকথোং পুম্নমা মীবু য়েংহনবিংবা মওংদা চংলি। মাদুগী অওইবামক্তি মা-খোইগী শাস্ত্রাচারগী ভাব অদু ফজবনা অহুদ পোকথরিবনি। মাখোইনা শাস্ত্রনা হায়রিবা অর্থবাদন চিংবগী নাইগেদবা য়ম্ন-তনা মাখোইনা তৌরিবা থবক পুম্নমক লমন শিংবা নত্রগা তৌথরবা পাপকী প্রায়শ্চিত্তনি হায়বা খনবিদে। মহৈ পাখনা হেল্লি হায়দুনা মাখোইগী আচারদি রজো দোষ পকই।

ইংরাজী হৈবাশিংনা শাস্ত্রাচারবু থংদে অমসুং অভ্যাস তৌদে; মরম অসিনা মাখোইগী মপুকনিংদা বশ্যভাব হনথবা অমসুং মরমচম্না নাত্রতা বাংপ। অসি পোকথরে। মরম অদুনা মা-খোইদা লৈবা গুণ পুম্নমক অদু মীগী মমিত্তা অংশং হনেংনা যাওদোকত্রে অদুনা মাখোইদি অফবা মিংচৎকী লৈনদ্ম ওই-দরে। মাখোইনা ইংরাজীদগী মমিং তারুবা "নৈতিক সাহস" হায়বদুনা অরাবা মাখোইগী অমাংবা অসি প্রোকহনলমাল নিংই। মাখোই ধীরপ্রকৃতিক ইংরাজগী শিখ্যনি। অদুনা মাখোইদি

মীরগী মরমচৎতা পককমবা সাহস (থৌনাকপা) হাঙৈবা ধর্ম্মগী মীচংনি। মবম অতুনা থৌনাকবগী প্রমাণ পিননবগীদমক লৈবাক্তা চৎনবিবা আচার ব্যবহার ভাক্তুনা দেশাচারবু তাংখিবা অমসুং মাগী সমাজবু থোক্হইদবা উংলি।

তৌইগুম্বসুং শরদং পুকনিং চংবা খঙ্গতুনা যেংলবদি হৌজিক্কী মতম অসিদদি লৈবাক্কী শাস্ত্রাচারবু থাজদবা মতৌ উংপনা কবি অমৎতম্ব থৌনাকপগী প্রমাণ উংপা য়াদে হাঙৈবা থংবা ভমক্ত। থৌনাকপগী অর্থদি কিদবনি। কনাম্বু কিক্কম থোকপগে? মাংনবা অমসুং ফননবা তৌবা ভমলিগা অতবু কিক্কম থোক্হই। হৌজিক ঐখোইগী সমাজনা কনাগীম্বু অতুগুম্বা মাংননবা অমসুং ফননবা তৌবা ভমদে। হৌজিকতি ইষ্টানিষ্টগী শক্তিগী শরুক অয়ামবদি ইংরাজগী মখুৎতা লৈখ্রে। অতুনা সমাজদি অতুগুমবা কিনক্কম অতু ওইদ্রে, ইংরাজনা হৌজিক্তি কিনক্কম অতু ওইরে। মরম অতুনা সমাজবু মাইথিবা পীবা হাঙৈবসি মচা চানবা মপাবু মাঙৈথিবা পীবগুমনা পাপকী প্রমাণতনি, মাসিনা থৌনাকবগী প্রমাণ ওইবা য়াদে। হৌজিক্তি ইংরাজগী মতৌ তমবদা সাহস লৈত্রে-মাহেন। অকনবদা চিরোং তৌবত মথোক্লে মুসলমানগী হাক্তক্তা মুসলমান ওইখিবা ঐখোইগী লৈবাককী হিন্দুমচাশিং, তুরস্ক সুলতানগী মখাদা থবক তৌরুবদা, খৃষ্ট ধর্ম্ম থাদোক্তুনা মহম্মদকী ধর্ম্ম লৌথিবা ইউরোপকী মীশিং অমসুং চীন সাম্রাজ্যগী লাম্মীগী থবক্তা চংতুনা, চীনদা লৈবাশিংগী মতৌ ভমদুনা মমিং থোনখিবা অমসুং ফিজেং ওইখিবা মার্কিন অমসুং ইউরোপকী নিপাশিংগী মতৌ অতুনা নৈতিক সাহস উংপা ভমদবা অতুগুমনা ইংরাজ নিংথৌগী হাক্তক্তা ভারতবাসীনা দেশাচার থাদোকতুনা ইংরাজগী আচার লৌবা অসিসু কিদবগী প্রমাণ ওইবা য়াদে। নৈতিক

মাহৌশিককী মওংদি মাসিগা পুমওন ওই।

"শ্রেয়ান্ স্বধর্ম্মো বিগুণঃ পরধর্ম্মাৎ স্বনুষ্ঠিতাৎ।
স্বধর্ম্মে নিধনং শ্রেয় পরধর্ম্মোভয়াবহঃ।"

ঐগী ধর্ম্মনা গুণ লৈতবা ওইরবসু নিংথিজনা শিংথংলবা মীগী ধর্ম্মদগী থোংদোকনা মঙ্গল ওইননবগী মথকনি। ঐগী ধর্ম্মনা শিববসু অফবনি, অতোপ্পগী ধর্ম্মদি অকিবগী মথক্তি। চহম অসিদা ধর্ম্ম শব্দগী অর্থদি আচারনি হায়রবনি। প্রকরণনা তাকই। মাসি সন্দোকতুনা হায়রকপগী থোইনা কাওবা লৈতে।

তৌইগুম্বসুং মাসিদা বা অনতংদি যাম্না সুথরে। খিবগী লৈনা ক্রিশ্চান পেংদ কবিনো? জীবগী অকিবা পুম্নমক্কী শকদি শিগনি হায়না কিবনিনি। অতবু মকম অসিদদি শিব তত্ত্বসু অথনি হায়রে অমসুং যাত্রদগীসু হেননা কিবা পোং লৈদিসু হায়রব। নাতু পাপকী ভয়না, অতৈ কাবিসু নংতে। মসুনা শিবনসু পাম্বনা হেননা কিনু হায়। অসিগুম "নৈষ্ঠিক যাহৈন" অসি অজৈঙ্গা মথম কদাইদা তম্নবগে? লৌনা চার্ভা হৈবা শিনা, কনাসু মাথোইগী লৈবাক্কী মমাংদগী ময়াংগী শাংদুগী হেননা কিংন্দবা (নির্ভীক) ওইবা ভনদে হায়বা য়েংবিসনু। হৌজিককী মাথোইগী মীতৌ তমনিংবা অসি নৈতিক মাশিককী লক্ষণ নংতে, অজ্ঞতা অমসুং "নৈষ্ঠিক ভীরুতাগী" থুদমতনি।

মীওইবগী তৌদবা যাম্রবা থবক পুম্নমকপু লমন শিংথনা তৌথববা পাপকী প্রায়শ্চিত্তনি হায়না তাকলিয়া অমদি ঐকাম্বগী বশ্যতাগী অভ্যাস তৌহনজনা নোমুকপা (নম্রতা তৌনবা) (অকিঞ্চনতা) পুকনিংগী লেংদবা ভাব ওইহললিবা অমদি শিববুদি পাপপুন্যা হেলহনলিবা কিবা শত্রু চাম অদুবু হেননা যবা অতৈ কাবিসু লৈদ্রে। কীর্তি অমসুং যশদি খাসত্রাচার নত্তুগা

সদাচার অতুঙ্গী মতম থবগী (অপোক অশিতগী) ফজবা অমসুং দু ঙাইহন্নবা খুৎশেমতনি (প্রশ্নপত্র)।

"ফলঞ্চ পুণ্যং।"

সদাচার—উপানগী মহৈদি পুন্যনি। হায়বদি সদাচার লৈরবা মীদি পুন্যবান ওই। পুন্যগী অর্থদি অশেংবা—তমোংবা লৈতবা—পাপ লৈতবা—পুকচেল শেংবা—রজস্তম লৈতবা তশেংবা সাত্ত্বিক ভাব—আসুর (হিংচাবগী) ভাব কোকথিত্তুনা দেবভাব (লাইগী পুকচেল) চেনবা—মশাদগী লোকলকপা শাগী মচং অমত্তা নত্তাংদি চুনা জ্ঞান ফংনবগী লম্বী ফংবা। লম্বী অতবু হেক থংবদা পুন্য ওইরে।

হৌজিক্কি লমবী অতু ফংনবা হোৎনবদা করি করি থিংথাইবা লৈবগে হায়বদু হৌরবতারে। জ্ঞান ফংনবগী লম্বী থিবদা থেংঙাইবা মরিমক লৈ হায়বা ইবাঙ্গী লাইনা হংবা ওই। (১) হকচাংগী হৈ-শিংদবা (অপটুতা) (২)-বুদ্ধিগী লেং-চত্তবা (অপংবা) (৩) পুকনিং তথক তথকপা (৪) য়েক্কবনা কনখংলকপা। শাস্ত্রাচার ভাঙ্গগা দোষ মরিমক অদু কোকই।

(১) হকচাং ভমদ্রবা হৈ শিংদ্রবা অমসুং পাঙ্গল লৈদ্রবদি পুন্য তানবা ঙমই। কুইনা নাদুনা লৈরবা মীগী পুকনিং তশেং তশেংবা য়াদে। মাখোইনা হুক্ত হুরনা ফংলিবা মশাগী অরাবা—অফাবা অদুনা, মাখোইগী পুকনিং ফংবিদে। জগৎ সংসারগী মফমদা মাখোইগী থিংহ্নং অদু ঈরোইননা চৎপা য়াদে॥ মাখোইগী থনোইদি প্রেম চঙং

শ্রদ্ধাগী ঈফুং অহু কংই। অনাবা অমসুং অংশোনবা মীগী থবক তৌনিংবা অমসুং থবক ওন্নবগী পাঙ্গলসু হর্থখি। থবক তৌনিংবা অমসুং থবক ওন্নবা পাঙ্গল হল্লবা মী অহুগীদি, জীবগা প্রকৃতিগা অনিগী মরক্তা লুং তাইবনা তিল্লবা মরি অমা লৈবহু রাংলি। অতনবা পুকচেল খোঙ্গবা অমসুং লমচং ফজদবা মী অসি হেক উন্নিবা মথৈ, মাখোইগী তাত্তাং ওইরিবৈদগী হৌনা পুনশিগী রারি থংলবদি, মাখোই পুন্নমক অত্তাং ওইরিবৈদা য়াম্না নাক্কবে অমসুং মাখোইগী মশা অহু করিগুম্বা লাইথুং মথল অমগী মন্নুম ওইতুনা লৈরে হাঙ্গবা, মকন অয়াম্বদা প্রমাণ ওই। নীওইবগী মবমচত্তা পকপা দোষ থিজিল্লুরবদি, মকন অ-য়াম্বদা মপাগী দোষ নত্রগা অত্তাংওইরিবৈদা মশা শোনবনা মাহুগী পোকফমনি হাঙ্গবসি উবনা থিৎ নমই। মরম অসিনা হকচাংগী হৈ-শিংবা (হৈনিংবা) অমসুং পাঙ্গল কনদনা লমচং ফজবগী অথোইবা মবম অমনি; অহুগা লমচং ফজবগী নত্রগা পুকচেল শেংবগী মরম অহুদি জ্ঞান ফংনবগী পামবৈগা মশকনি। অহুনা শাস্ত্রদা "নায়মাত্মা বলহীনেন লভ্যঃ।" হাঙ্গবম্মান্নে লিংই। মপাঙ্গল লৈতবা মীদি আত্মা ফংবা ওমদে। হাঙ্গবদি মশা হৈনিংত্রবা নিপা অহুনা পুন্য তান্দুনা, মানা চৎকদবা জ্ঞান ফংনবগী লম্বী অহুদা চংশিনবা ওমদে।

হকচাং নাদ-য়েক্তবগা ধর্ম্মগা য়াম্না নকনৈ হাঙ্গবসি মাইথৈ পুন্নমক উরবা (হিবম থুদিংমক থংলবা) আর্য্য শাস্ত্রতনা শংবা ওমখি। "ধর্ম্মার্থ কাম মোক্ষাণাং আরোগ্যং মূলমুত্তমং"। অতোপ্পা করিগুম্বা জাৎ অমত্তগী ধর্ম্ম শাস্ত্রনা হকচাংগী হৈ-শিংবা লৈহনব অসি ধর্ম্মোপার্জ্জনগী মন্নিদা

অণ্ডুক য়াম্না কান্নৈ হাঙ্গৈবসি পুথোকখিজ্রি। তৌইগুম্বগুম্বু খঞ্জিক্তং খন্নুনা য়েংলক্পদি হকচাং অক-ফজগা পুক্নিং অক-ফজ্জী নত্রগা ধর্ম্মগী ভাবকা য়াম্না নকনবা মরি লৈ হাঙ্গৈবসি খংজ ওমই। কম্রিশুনবা মতম মতম অমদা ইংরাজী হৈবা শূদ্র মচা অমনা বামন মচা অমবু নিন্দা তৌদুনা হাঙ্গৈখি, "ঐদি অতোপা অতোপ্পা গুণ পুম্নমকপুদি মাহাক্তী মথা হৈ-শিংবা অসিতবু থোইনা হেন্না থাগৎখি।" বামন মচানা পুন্থৈ তৌনা ওংবা অন্তু খংলহুনা হাঙ্গৈকেং নোক্কুনা হাঙ্গৈরকই। 'মহাকনা থাগৎলিবা অসি খন্নাইদগী হেননা ফবা থাগৎপা য়াই তামা ওইবে—মরমদি মহাকনা ঐহাক অমম্তুং ঐগী পূর্ব্ব পুরুষ পুম্নমক সদাচার লৈবা হাঙ্গরে। অতইবমক শাস্ত্রাচারগী অয়াম্বা নিয়মদি হকচাংগী হৈ-শিং বা (তৈমিংবা) পোকহন্নবগী দমক্তা লিংখৎলমহনি। মরম অসিনা অয়াম্বা নিয়মদি হকচাং শাজেনগী নিয়মগা খেন্নদে। অদুম্নদি ওইরবদা হেশেংবা হকচাং শাজেন হোৎনরি অমম্তুং হকচাংগী পাক্কপ তেমগৎহল্লি হাঙ্গৈবা উদ্দেশ্য অসিতা ভুংগী রাখল উনবা মীগী মমাংদা উংলবদি থুনা মাংখ্রগদবা হকচাংবু য়াম্না লুনা তৌখিহুনা সোম পোকখিবা য়াই। মরম অসিনা হকচাং শাজেন হোৎনববুথু শাস্ত্রাচার ওন্থোকইহনবা অমম্তুং ধর্ম্মগী ভাবনা চানথোক-হনবা অমম্তুং শেংদোকহনবা থোকহল্লিবসি।

(২) বুদ্ধিগী লেংদ-চৎবা (জড়তা) কোকননবা শাস্ত্রনা হাঙ্গৈবা উপায় মখল অনিনি। অমমা পুকনিংগী অতোপ্পনা হকচাংগী। পুকনিংগী উপায়দি নিংশিংবা (স্মৃতি) নত্রগা পুকনিংগী শক্তি পুম্নমক নিংশিংনা চাওখৎহনবদা. পুকনিং লিচিং অমমা ওইননবা বাকাজন

চিংবা চাৎপাইনা নৈনবদা, অমসুং চংশিন্নবা শাক্সিক্রিয়া, মৌবগা পাংথোকই। থী-শক্তিগী জড়তা কোকননবা হকচাংগী উপযুক্তমি চাবা থাবা য়াদবগী বিচারনা নিংথিনা পাংথোকই। চিকুন অনিদস্থ ঐথোকইগী শাস্ত্রনা অতৈ পুম্নমক্তগী থোইদোক্লকই। অতৈ করিগুমবা জাৎ অমত্তগী শাস্ত্রদা চাবা থাবা য়াদবগী বিচারগী মতৌ অনিগুমনা প্রত্যক্ষিজ্ঞা মুনকনি হায়না নিংদে। পোৎ অমি অমি চারগা বুদ্ধি পংলিক্তি, মা অমি ত্যাজ্যগা পোৎ অদু চাবা থিংবসি, অতৈ করিগুমবা জাৎ অমুগী শাস্ত্রদা টৈনদে। ইউরোপকী বিজ্ঞানগী রসায়নগী থাইদোক্কপনা (রসায়নিক বিশ্লেষণ) হৌজিক ফাওবা অদু য়োনা চংবা ঙমদ্রি। য়ামনা পংবা মীতনা, থকপা চাবনা চিংবগা বুদ্ধি মতি, প্রবৃত্তি চিংবা মানসিক বৃত্তি পুননমক্তা করিমখ মরি টৈনদে হায়না নিংবস্থ য়াই। তৌইগুমসুং পূর্ণাবিজ্ঞানগী থোকপা শাস্ত্রদা চাথরিবা পোৎকী গুণ অমসুং দোষ অদু আধ্যাত্মিক হরন্দগা থানবা মরি লৈ হায়বসি থাইনদগী য়াম্নকলিবনি।

দধ্নঃ সৌম্য মথ্যমানস্য যোঽণিমা স ঊর্দ্ধঃ
সমুদীষতি তৎসর্পির্ভবতি।
এবমেব খলু সৌম্যান্নস্যাশ্যমানস্য যোঽণিমা
স ঊর্দ্ধঃ সমুদীষতি, তন্মনো ভবতি॥

হে সৌম্য! শঙ্গোমবু (দধি) নৈরগা য়ামনা থাংবা অমসুং কুপ্পা (সূক্ষ্ম) শকক অদু মথক্তা তাউথংলি। অমসুং মাতনা ঘী ওই। মতৌ অদুগুমনা, হে সৌম্য! অচাপোৎ চাথরগা মাতুগী য়াম্না য়াংলবা অমসুং কুপ্পলবা শকক অদুনগী পুকনিং পোকলকই।

(৩) পুকনিং থকপা শাকনবগী পায়খৈদ্র অনিনি। ধ্যান, ধারণা অমসুং সমাধি অভ্যাস তৌরগা পুকনিংগী থ-শকপা কোকই। অদুগা প্রানায়ামগ ব্রতানুষ্ঠান অমসুং চাবা

য়াবা চিঙ্গাক চাবা অমদি চাবা য়াদবা চিঙ্গাক থাদোকপনু পুকনিং থকপা কোকহয়বগী য়ামনা কবা পাইখেনি। চাকথা পুকনিং থকপা হেনগংপা চিঙ্গাক চাবা য়াদে হায়ৈগা শায়বা থিংই।

(৪) য়েকনবা মাংহনবাদ, কামনাবু জয় তৌবা অমসুং ইন্দ্রিয়বু খুত্থম চনবতনা পাংথোকপা ওয়ই। কামবু জয় তৌদগী অমসুং ইন্দ্রিয় খুত্থম চনবগী বিধি, উপদেশ অমসুং অনুষ্টান হুত্রাদি আর্য্য শাস্ত্রগী মথা অপুনবদা শিন-থুংনা য়াওরি। চাবা য়াবা য়াদবগী বিচারদসু য়েকনবা মাংহন্নবগী মরমদা য়ামনা মুন্না য়েংশিল্লি। মতৌ করমনা পোৎ পুন্নমক চারগা করম করবা য়েকনবনা থোইদোকনা চাউখৎলকপগে হায়বা অড বিচার তৌরগা সাধক শিংদা চাবা য়াবা য়াদবা খাইথি-বনি। ইউরোপকী রসায়ণিক বিশ্লেষণতনা পোৎকী গুণাগুণ বিচার তৌননবগী উপায়নি খল্লিবা নীশিংনা, থাইনা মমাংঙৈদা মতৌ করমনা পোৎকী মগুণ চাং য়েংলমবগে হায়বা করিমত্তা থংদে। অওইবদি রসায়ণিক বিশ্লেষণ অসি কনা য়ামনা পোৎ হিকথনি। মহুনা করিগুমবা তিনাশিনথরবা (সংস্থিভূত) পোৎ অমবু চংথোননা থাইদোকপা (ব্যষ্টীকরণ) য়াদে অমসুং য়াঙ্গনকনা করমবা পোৎনা জীবগী মশাদা করমবা থবক তৌই হায়বথ য়াননা কুপনা থংবা য়াদে।

অদাপোৎকী গুণাগুণদি প্রকৃত সূক্ষ্মদর্শী ওইবা মীনা পোৎ পুন্নমক চাত্থনা য়েংলগা খংবা ঙমই। মরু ওইবদি ঐথোইগী শাস্ত্রদা হকচাংশি হৈ-শিংবা, বুদ্ধি বৃত্তিবু নিংথিনা শেংদোকপা, পুকনিং থকপা কোকহনবা অমসুং য়েকনবা পুন্নমক লাকশিনবগী গুণ থারি অমসুং থাগংলি, মাত্র সাধন তৌননবগী মপাল অমসুং মসুংগী উপায় মখল অনিমক হায়রি, অমসুং থবক পুন্নমক অতু টৈহথরগা মীওইবগী পুনশি পুন্নমক শেংবা পোৎ লৌবা ওইননবা অমসুং অশেংবা জ্ঞান ফংবদা মতিক পুক্কা

চাহমনবা হুনিঙ পুদিংগী চংননবা লমডং অমসুং তৌননবা থবক পুদনমক পুপোক্তুনা লৈ। শম্ভু মায়া থাজতনা শাস্ত্রগী বিধি অমসুং নিষেধগী বা পুম্নমক ঙাকতুনা চংপা ঙমলগা পুক্নগী মশক ওইবা অপোইবা ফল ফংই। কয়াদা কজখরবা তৌনো? শাস্ত্রাচারগী হৌনকাম ধর্মগী মশক ওইবা মন্নদগী থর্ম অহু-মকনা পুক্ন হাঙ্গলা বৌত্রনা শাস্ত্রাচারগী ফহনবা মহৈ ওইরে। হাঙ্গবদি মহৌশাগী ওইজবিবা পামবিনা তৌংঙমনা সদাচারগী মশক ওইবা অপোইবা পাম্বৈসু তৌই—মক্না ওইখিবা অহু মহৈদসু ওই।

উপক্রমণিকাধ্যায়গী—উপসংহার।

মথক্তা হাঙ্গথরবা বাবেং মঙাগী মমিং মঙা অহু যাওরিবা মপুং কাবা কবিতা অহু অসিনি—

ধর্ম্মোঽস্য মূলাস্যসবঃ প্রকাণ্ডো বিত্তানি
শাখাশ্ছদনানি কামাঃ।

যশাংসি পুষ্পাণি ফলঞ্চ পুণ্যং অসৌ সদা—
চারতরুর্ম্মহীয়ান্॥

অমসুং বাবেং পুম্নমক অহুদা লেপনখিবা হিরম করামুক অহুদগী অমমা বাবোন্না অসিনি—

(ক) রজোগুণ অমসুং তমোগুণ হাঙ্গবদি থকপা অমসুং অত্তনববা চিংবা থাদোকতুনা ইন্দ্রিয়বৃত্তি পুম্নমক্তা হৌনবী ফক-

থংতুনা মাখোইবু শাস্ত্রনা ভালহনবা ইতঙ্কনা হোংনবগী মসিং শাস্ত্রচার অমসুং সদাচার কৌই।

(খ) সদাচারনা আয়ু চেংশিনহনবা অমসুং চাওখংহনবা অডু মরম অহননা পুনশিলগা থোকই,। মথম অহুম অড়ী মসুংদা মথম অমনা অহল-লনদগী ওইবকসবা (পুরুষ পরম্পরা গত) মথম অমনা সমাজদা ওইবা (সমাজগত) অতোপ্পা মথম অমনা নিপা থোকপা, মসিম হসিনা আচারপদ্ধতি অসি কালব্যাপক অমসুং দেশ ব্যাপক ওইনা তৌরিবনি। অহানবা অমসুং অনিশুবা মরমদা বেংনুবরনি বিজ্ঞান, চিকিৎসা শস্ত্র অমসুং অতোপ্পা নৈরাকবী আচার পুম্নমক শাস্ত্রচারগী প্রতিপোষক ওইনা লৌবা (অমনা) য়াই হাঙ্গবা থংবা ঙমই। তৌইগুমসুং মাখোই অসি প্রমাণ ওইবনা লৌবা য়ারে হাঙ্গবদিসু মশানা তারনি।

(গ) সদাচারনা শেগ তানবগী পাংথৈবি মিতাচার অমসুং কামনাবু লাকশিনবা ঙাক্তনি।

(ঘ) সদাচারনা হৈনহনখিবা কামনা লাকশিনবগী মওং অদুদি ইন্দ্রিয়বৃত্তি সচেষ্ট ওই অমসুং ভোগ সুখ লৌবা ঙমই।

(ঙ) সদাচারনা মর্যাদা পোকচা শক্তি কোংদোকহনবা, সহানুভূতি নিংশিনা চাওখংহনবা অমসুং অতানবগী মওং তম-হনদুনা যশ যংননবগী পাথৈ ওই।

(চ) সদাচারনা হকচাংগী হৈনিংবা, বুদ্ধিবু চংথোননা শেংদোকপা, পুকনিং শকপা কোকহনবা অমসুং য়েকনবা পুম্নমক লাকশিনবা নৈনহনদুনা (অভ্যাস তৌদুনা) নীতিবু শুদ্ধ লৈবা হাঙ্গবদি জ্ঞানগী লম্বীগী লম্বি চংপা ওইহল্লি।

উপনিষদতস্থ য়াহৈ শিং অসি য়াম্না, খমনা ইহুনা ঐল মাড়নি,

"আচারশুদ্ধৌ সত্ত্বশুদ্ধিঃ, সত্ত্বশুদ্ধৌ ধ্রুবাস্মৃতিঃ, স্মৃতিশুদ্ধৌ সর্বগ্রন্থীনাং বিপ্রমোক্ষঃ"।

আচার শুদ্ধ ওইবগা সত্ত্ব হাঙ্গৈবসি জীবন শুদ্ধি ওই, সত্ত্ব শুদ্ধি ওইবগা নিশ্চয়াত্মিকা স্মৃতি পোকই, স্মৃতিগী হাঙ্গৈবনি পুকনিংগী শক্তিগুচ্ছ ওইবগা কিশি (গ্রন্থি) হাঙ্গৈবনি অমবা অপুনবা পুম্নমক তংশে, তংশনা কোকই।

——*:(*)*:——

নিত্যাচার প্রকরণ।

প্রথম অধ্যায়।

প্রাতঃ কৃত্য।

অহিং সুংথিল অনিবু য়ুথক (প্রহর) নিপাল থোক্লা খাইদোকউ। য়ুথক অমমা কোনবা মতমগী অতোপ্পা মমিং "যাম" কৌই। মাহুগী তম্বাইবু যামার্দ্ধ কৌরম্বাই।

স্মৃতি শাস্ত্রদা যামার্দ্ধ হাঙ্গৈবদি যুথক মখাইগী হিসাবত্তা নোংমগী তৌগদবা পুন্নমক লেপনৈ। ঘড়ীগী নিয়ম মতুং ইন্না অহিং মুংথিল অসি পুং কুনমনি থোকনা থাই। মরম অতুনা যুথক অমনা পুং অহুম অমস্তুং যামার্দ্ধ খুদিংনা পুং অমগা মখাইগা মান্নে। অতুনা যামার্দ্ধ খুদিংদা তৌগদবা অতু পুং অমগা মখাই খুদিংদা তৌগদবনি হাঙ্গৈনা লেপনৈ।

শাস্ত্রদা হাঙ্গৈরিবা অহিংগী অরোইবা যামার্দ্ধ পুং ৩।।দগী হৌতুনা অয়ুক্তা পুং ৬ ফাওবনি। মুংথিলগী অহানবা যামার্দ্ধ পুং ৬ তগী পুং ৭।।০ ফাওবা অস্তুমদোনা শরুক নথং মথং লৌশিল্লক্তুনা ১৬ শুবা যামার্দ্ধনা অহিংগী পুং-৮।।০দগী ৬ তাবা ফাওবদা ওই। হাঙ্গৈখ্রিবা যামার্দ্ধ ১৬কী যামার্দ্ধগী খুদিংদা তৌগদবা অতু শাস্ত্রদা থোইদোক হেন-দোকনা হাঙ্গৈরি। কবিগুম্বা থবক অমত্তা বিধিদা পুক্লিং চংদানা হাঙ্গৈবদি বিধি কাইনা তৌবা য়াদবসি চংখোন্না তমহন্ননবা, অস্তুম তৌনা থোইদোক হোন্দাকনা হাঙ্গৈবনি। বিশেষ বিধি পুন্নমক অতু শাস্ত্র যেংতুনা অমস্তুং গুরুদা হংজতুনা খংজিনগদবনি। ব্রারেং অসিদা য়ামনা পৌখ্রবা ব্রা খরদংতা হাঙ্গৈবা যাই।

প্রাতঃ স্মরণীয় বিষয়।

ব্রাহ্মমুহূর্ত্তদা হাঙ্গৈবদি পুং ৭।।০ গী মতমদা তুম্বা হৌগং-তুনা মথাদা ইরিবা কবিতা অসি চিন্দা থীগদবনি।।

"ব্রহ্মা মুরারী ত্রিপুরান্তকারী
ভানুঃ শশী ভূমিসুতো বুধশ্চ।
গুরুশ্চ শুক্রঃ শনি রাহু কেতুঃ
কুর্ব্বন্তু সর্ব্বে মম সুপ্রভাতং॥"

ব্রহ্মা বিষ্ণু, শিব, সূর্য্য, মঙ্গল, বুধ, বৃহস্পতি, শুক্র, শনি, রাহু, কেতু—

মাখোই পুন্নমকনা ঐগী সুপ্রভাত ওইহনবিয়ু।

তূম্বা থাদোকলে—তূম্বদগী হৌগৎলে— ইনৌ নেনা ভাইবংপানবদা লাকপগী মতৌ ওইরে—মরম অদুনা জগৎ পুন্নমকপু নিংশিংবদা সর্ব্বময়গী বিশ্বরূপ অদু ধ্যান তৌ হাঙ্গনা তাকপিরে—মীওইবনা লংলবা লাইগী ওইবা পোৎপু মমিং মশোংনা খংজগনা অমস্তুং উৎপত্তি, স্থিতি, ধ্বংস ওইবগী থৌরম থন্দুনা দেব-ভাব য'বা ওন্নমই, তূম্বদগী হৌগক্তুনা অমুক হন্না পোকপগা মান্না ধর্ম্ম তত্ত্বগী মনাংটৈগী থাক অদুদা কাখৎলে। ওস্তোকনা ফজখ্রবা তথ্যনি। ধর্ম্মগী আধিভৌতিক, আধি দৈবিক অমস্তুং অধ্যাত্মিক অমদি মাখোইগী মতুংদা লৈরিবা অমস্তুং হানখাইনবা লৈত্রবা ভাব পুন্নক অসি খরাইমক্তা মতম পুন্নমক্তা লৈ হাঙ্গবসি বিধি অসিনা কযাদা নিংখিনা পোংদাকলবা! উচ্চাধিকারীগী মরমদদি ধর্ম্মগী মথা থংবা থাক্তি মাংখি, হাঙ্গবিবা মীশিং অদু ধর্ম্ম তত্ত্বগী তুইববসু অতোপ্পা করিগুমবা তত্ত্বগী ওইববসু থাঙ্গৎ শেংবা মতুং হুস্তিনবা হিরম থংলমগনি হাঙ্গবা নিংদে। মথাগী থাক্তা মথক্কী থাকপু পুন্নিবনি। মথাগী থাক পুমযাও যাওত্রবদি মথক্কী থাকসু লৈবা য়াদে। ময়েক মপী কাওগ্রগা কনাসু বেদ পাব ওবনতে।

মথক্তী বিশ্বরূপ নিংশিংবা অদুগী মথংদা থরাপ্নবা হাথগ অদু মথাগী শ্লোক্তা হায়রে।

"প্রাতঃ শিরসি শুক্লাব্জে দ্বিনেত্রং দ্বিভুজং গুরুং
প্রসন্নবদনং শান্তং স্মরেত্তন্নাম পূর্ব্বকং॥"

অয়ুক্তা মশাগী মকোক মখুংদা লৈবা অঙৌবা থম্বালগী মখুংদা নিং অনি, খুং অনি, মাইপোং মকায়রাবা অমসুং শান্ত ওইবা মীগী মশক পৌবগা গুরুদেববু নাগী মমিং (নাম) পোনদুনা নিংশিংগনি। নিং অনি অমসুং খুং অনি হায়বা বিশেষণ অনিনা গুক ওইবীরিবা অদু মীগী মশক ওই হায়বসি তশেং তশেংনা হায়রে।

নমোঽস্তু গুরবে তস্মৈ ইষ্টদেবস্বরূপিণে।
যস্য বাক্যামৃতং হন্তি বিষং সংসারসংজ্ঞকং॥

অমৃতগা মান্নবা বাহৈনা সংসার শক্তিগী মশক ওইবা হবু মাংহনবিবা, নিজবা লাইগী মশক ওইবিরিবা গুরুদেববু খুরুমজে।

হায়বদি—বিশ্বরূপ চিন্তা তৌহনা সর্ব্বময়গী (ঈশ্বরগী) জ্ঞান কাজিন্নকনে, জ্ঞান অহুমকনা "নীনা মীগী মফমদা তমগদবনি, মীবু আদর্শ ওইহনগনি অমসুং মীবু ঈশ্বরগী (সর্ব্বময়) মশকনি হায়না থনগনি" হায়না তাকই। মাসি ইতিহাসদা অবতারবাদ হায়না ফাওই অমসুং মসি ধর্ম্ম চাওথরেবগী লমবীদা য়াম্না পাকথলবা থাক অমনি মীবু গুরুনি হায়না মাবা সর্ব্বেশ্বরগী প্রতিরূপনি হায়না নিংনা চুমদে হায়না মচিন্দা ভাংলিবা মীশিংদা অসিমথেতদি হাঙবা ওমজে "মশা থংনা ওইববসু অতাপ্পা নী অমবু মতৌ তমফম ওইনরক্লবা কনাগুমবা মী অমত্তবু হৌজিক ফাওবদা পৃথিবীদা পোকখিদ্রি।

জ্ঞান অমসুং ধর্ম্ম চাওথ-নবগী লম্বীদি অসিতনি। করিগুমবা ক্ষাং অমত্তুনা অমদি মী অমত্তুনা গুরুবু যাবা নংত্তনা ধর্ম্ম নৈবা ওইবা ঙমবিদ্রি. ঙমসু ঙমদোই।

তৌইগুমসুং লম্বী অত্তুদা অমুম২ থব লাংনা চ শিন্নকদ্ম॥ অত্তোপ্পা থাক অমা ফংবা ঙমই। থাক অহ্ ফংবগী বা অহ্ মতুংগী শ্লোকতা হাঙ্গরি—

অহং দেবো ন চান্যোঽস্মি ব্রহ্মৈবাহং নশোকভাক্
সচ্চিদানন্দ রূপোঽহং নিত্যমুক্তঃ স্বভাববান্।

ঐ দেব অত্তনত্তনা কনাসু নত্তে, ঐনক ব্রহ্মনি, ঐ (অশি-অমামা চংবগী) অবাবা নৈতে, ঐদি সচ্চিদানন্দগী মপকনি, নিত্যমুক্তঃ ওইবা আথাগী ভাবনা তিম্মবনি।

বিশ্বরূপ জ্ঞানগী. গুরুবু যানা নত্রগা অবতারবাদ. অমসুং মাতুদগী মহাকপু সর্ব্বেশ্বরগী তোঙান্দে হাঙ্গনা থবা—পুম্মনক অসি মপ, মথং গুইনা কাকনি। অযুক্তা নিংশিংগদবা শ্লোক কন্নামুন অত্তগা মাসিমক মথং মথং উংত্তুনা পূর্ণ দ্বৈতবাদ বাওবা নিংশিংলকই, অমসুং মহাক্তা সর্ব্বগা তোঙান্দবা বুদ্ধি (অভেদ বুদ্ধি) নৈবনা সর্ব্বনা চৈতন্যগী মপক ওইবা অত্তগীসু অববোধ (নিশ্চিত জ্ঞান) পোকই। পূর্ণগা অপূর্ণগা, সর্ব্বগা অংশগা খেন্নবা নৈ অমসুং খেন্নবা অহনা মরম ওইদুনা দ্বৈত জ্ঞানশী মরুম (মূল) নৈ।

মূপাদা ইত্তিবা অত্তো নিংশিংগদবা শ্লোক অমদা অদ্বৈত ভাবকা মবি নৈবা দ্বৈতবোধ অহ্ উৎলি।

লোকেশ চৈতন্যময়াদি দেব শ্রীকান্ত বিষ্ণো ভব-দাজ্ঞয়ৈব।

প্রাতঃ সমুত্থায় তব প্রিয়ার্থং সংসার যাত্রামনুব—র্ত্তয়িষ্যে ॥

হে লোকেশ! হে চৈতন্যময়! হে আদিদেব। হে শ্রীকান্ত হে বিষ্ণো! নহাক্কী য়াথং মতুং ইননা নংনা পেম্নবগীদমক অয়ুক অসিদা হৌগৎতুনা ঐনা সংসার যাত্রাগী মতুং ইল্লগে।

সর্ব্বময়না চৈতন্যগী মশক ওইবা অত্ত মনাদনা লেপ্লগে; মরম অসিদা ম্যাগী য়াথং ওাকপা অমসুং নাগী পেন্নবা হৌবগী য়াথম হাঙ্গীত্তনা সংসারদা প্রয়োজন ওইরিবা হৈতভাবকী য়ায়ন শনদোকনে। হিংনবা পাঙ্গথগী মরুওি সব্বনি। জীবনা পূর্ব্ব অদুগী য়াথং ওাকপিবনি অমসুং পেন্ননবা হোংনবিবনি, অ-সুমবা অভ্যাস অসি ওইবা য়াদবা নত্তে। মথাগী শ্লোক্কা অধার অত্ত অমুক হেনন। কনশিননা থাইরি।

জানামি ধর্ম্মং ন চ মে প্রবৃত্তি
র্জানাম্যধর্ম্মং ন চ মে নিবৃত্তিঃ।
ত্বয়া হৃষীকেশ হৃদি স্থিতেন
যথা নিযুক্তোঽস্মি তথা করোমি ॥

ঐদি ধর্ম্ম থংতনমু মাত্তদা চংনিংদ্রবা অমসুং অধর্ম্ম থংতনমু মাত্তদা চংনিংদবা লৈত্রবনি; হে থমোইদা লৈরিবা হৃষীকেশ! নহাকনা ঐবু শিজ্জিন্নবা থবক অত্ততা তৌত্তনা ঐ লৈ'ঞ্জ।

শ্লোক অসিগী তাৎপর্য্য কনাসু থংবা ওমদে। ঈশ্বরনা ঐথোইগী থমোইদা লৈ অমসুং নাহাকনা ঐথোইবু মতম অমদা ধর্ম্মগী থবক্তা মতম অমদা অমুক অধর্ম্মগী থবক্তা শিজ্জিনি

শ্লোক অসিগী তাৎপর্য্যদি অসি নত্তে। হে ঈশ্বর! নংগী য়াথং ওাকনমবা অমসুং নংগী পেন্ননবা ঐ সংসার যাত্রাদা চংলবে, হাঙ্গথরে; মরম অদুনা মথাগী শ্লোক্তা "নহাক্কী য়াথং

অমসুং আপেনবা অহু কদাইদা ওইবগে হাঙ্গবহু, থেনোইবা লৈবা হৃষীকেশ * নাহাকী য়াথংদগী থংই, অত্রুগা থর্ম্মগী থবক্তা চংনিংবা অমসুং অধর্ম্মগী থবক্তা চংনিংদবা অহুসু নঙোন্দগী থোকপনি; মাহুদা ঐনা তৌবা ওবা করিসু লৈতে।

শ্লোক অসিগী উদ্দেশ্যদি অভিমান লৈতবা অমসুং অকিঞ্চন ওইবা ফোংদোকপতনি। শ্লোক অসিনা থাজৈ-শেংনমক অভিমান লৈতবা থংহল্লি। অপাপবিদ্ধ (পাপ চংত্রবা), নির্লিপ্ত (গুণ পকত্রবা), সর্ব্বেশ্বর (পুম্ন-মকী মপু) গী মকমদা পাপকী লমচত্তুগী থোকপা দোষ হুশিল্লবগী দমক নত্তে।

মথক্তা ইথ্রিবা শ্লোক কয়াম্‌ক অহু থিবা অমসুং থনবা

---

* হৃষীকেশ শব্দগী আধ্যাত্মিক অর্থদি মথাগী শ্লোকনা হাঙ্গবি। ঃ—

হৃষীকানি নিয়ম্যাহং
যতঃ প্রত্যক্ষতাং গতঃ।
হৃষাকেশ ইতি খ্যাতো
নাম্না তত্রৈব সংস্থিতঃ॥

হৃষীকেশ শব্দগী আধিভৌতিক অমসুং আধিদৈবিক অর্থদি মথাগী বুৎপত্তিদগী থংবা ওমই।

হৃষ্টা জগৎ প্রীতিকরা যশ্মযো যস্য স হৃষীকেশ সূর্য্যঃ

লোইরগা তূম্বদগী হৌগংলকলিবা নিপা অহনা শোইদনা ঙাকদবা বিধি লৈ।—

"প্রবুদ্ধশ্চিন্তয়েদ্ধর্ম্মমর্থঞ্চাস্যাবিরোধিনং।
অপীড়য়া তয়োঃ কাম্যমুভয়োরপি চিন্তয়েৎ॥"

তূমবদগী হৌগংলগা মাংদা লৈবিগা মুংথিল অহুদা করম করমনা ধর্ম্ম-কার্য্য তৌগদগে মাহুগী ৱাখল তৌগনি; অমসুং ধর্ম্ম কাইদবা করম করম্বা (অর্থ) তৌগদগে মাহুম্সু খনগনি অমদি ধর্ম্ম অমসুং অর্থ অনিমক কাইদবা করম করম্বা কাম (অপাম্বা) থুংননবা হোৎনগদগে মাহুম্সু খনগনি। হান্নবদি মুনিং অহুগী তৌগদবা থৌরম পুম্নমক ঙম্নমখে অয়ুক্তা লেপহৌরগদবনি। অহুগী মতুংদা ফমুংদগী কুমথগনি।

ৱা অসি নৈনরুবগা অানীবা সম্প্রদায়গী কনা কনা-গুম্নবনা হাইবা যাই, "ঐখোইগী শাস্ত্রনা ককলিবা অযুক্তা নিংশিননবগী হিবম পুম্নমক অসি মতিক চাবগুম্মনা অম্ৱাংবা অমসুং অশেংবা, অমদি মুনিং খুদিংগী ধর্ম্ম অর্থ অমসুং কাম সাধন তৌননবগী পাম্নবৈ অমসুং পথাপ খনবসি হিবম খুদিংদা চাংথংনবা ওইহনখ্রে মুনিং খুদিংগী ৱাইৈ পুম্নমক অহু থিদা অমসুং খনবসি মথং মথং করিম্সু লৈতবা, চিন্দা ঙাংবতা ওইবা অমসুং মনুং হুম্জিনবা করিম্সু লৈতবা ওইরকপা য়াই। আপত্তি অসি করিম্সু লৈতবনি। অফবা থবক তৌবদা শোইদানা অফবা মহৈ ফংই। অফবা থবক তৌবগা তমলগা লমচং চাংবংলকই। অসিদা নত্তনা, পুকনিংবু হৌগংহন্দুনা থম্নবা হোৎনহ্নতা লৈবদি অরাংবা

রাখল পুম্নমক চেৎশিল্লকই অমস্যুং নোংবা নোংমগী সত্ত্ব-গুণগী চাওখৎনবা ওইরকই। মতা অমস্যুং চাওখৎপা পোংকী মগুণমক্তুবু মাখোই অসি কৈদৌঙৈদগুম মনবা অমস্যুং মহাও মাংবা লৈতে।

অহিংগী মমৈদা তুমবা থাদোকতুনা তাইরংপানবদা কোংদোকলিবা ধর্ম্মবুদ্ধিগী অমুক্রম মতুং ইন্না মকোকতগী মমৈ ফাওবা নিংশিংতুনা মুংথিল চুপ্পদা তৌগদবা ধর্ম্মার্থকান ফংননবা থবক পুম্নমক অপো অপোবা লেপথোকতুনা "প্রিয়দত্তায়ৈ ভুবে নমঃ" হাঙ্গদুনা পৃথিবীবু খুকমগনি ১স্যুং চিন তেংথোকলগা মাংবা-সোইবা বিস্মূত্রোৎসর্গ তৌবা চৎ-কনি। মফম অসিদা 'আচার হাঙ্গবসি অভ্যাস তৌগদবা পোংনি" হায়িদুনি নিংসিংবা কান্নে। থবক অমা নোংমা নিনি তৌকরগা তৌদানা তোকখোকলবদি মাদু আচার হাঙ্গনা শিংথাবা যাদ্রে। অয়ুক্তা বিস্মূত্র ত্যাগ তৌবসি শাস্ত্রনা হাঙ্গবা আচারগী মতুং চল্লি। মাতু মুমিং খুদিংগী থবকনি অমস্যুং মাদু অভ্যাস তৌগদবনি।

মফম অসিদা শাস্ত্র বিধিগা স্বাভাবিক্যবাদী শিংগা যান-দবা অমা থোকপা য়াই। মাখোইনা হাঙ্গবা য়াই, অসি-গুমবা থবক খুদিংমকতা শাস্ত্রবিধি কান্নদ। মল মূত্র ত্যাগ তৌবগী থবক্তি শরীরধর্ম্মদগী মশা মতোমতনা পোকচরি, মাতুদা মতম ককনবা হোংনকতনা করি কান্নগদগে? রা অসি লৌবা যাদে। মী হাঙ্গবসি সবাঙ্গ তিনবা জীবনি। মীগী থবক্তি যামনা যামই অমস্যুং মাহাক্তি পুকুনিং অমত্তা ওইনা অমগুং অতোপ্পা মীগা তিন্নদুনা থবক য়াম্না তৌবা তাই। মীওইবনা মতস্যুং পুম্নমক্তা অমথং অবস্থা পুম্নমক্তা

শা উচেক্কী মতৌঅনা মল মূত্রনা চিংবা ত্যাগ তৌবা য়াদে। মরম অসিনা থবক অতুগীদমক অককপা নত্তম অমা থম্মবা কাহৈ। সোংগগী থবক তৌকপী অহৈবা মওইদনা মাসিগী মরমদা থক্তাইদগী হেক্না খুদোং চাই। মা অমগুম হৈরি— জীব শরীরগী প্রকৃতিদি (মওংদি) থবক হেক নোকুবদা হক-চাংগী রূপ চুপশিনথি। মরম অসিনা হুংথিলগী পুং চংথিজনা থবক থানা তৌবা হৌখ্রবদি অন্ত্রদা লৈবা মলগী ফওবা রূপ অহু শরুক থরদঃ চুপশিনখিজনা ঊচেন নাইবা ঊগা তিন্নখিবা য়াই। হুংথিল অথেংবদা শৌজদা চংপা (মাংবা চংপা) মী অতুগী মলদি থরা ওনশিন্দ্রি অমসুং মাথোইগী মচিনদা অমসুং মশাদা নমখিবা নদই। অওইবমক্তি নলগী মসগী শরুক অহু মাথোইগী মশাদা চুপশিনখি। মরম অদুনা বিন্‌-মুত্র ত্যাগগী বিধি ভাকপনা থবক থানা তৌবদা খুদোং চাব-ভমদা শুচি ওইবা অমসুং বাহ্যমলাদি ... কাহৈ

মীওইবগী হকচাংনা ইরাই লাইনা অভ্যাস অসি লৌবা ভমই। য়াম্না লৈবাক মচা তাবা ইঙ্কুগী অহল ওইবী মবেম্বা শিংবা অঙাংশিংবু অমুক থুদিংদা অমুক অমক মাংবা থেন-হললি। অহানবা মুমিং কয়ানিমুক্তি মাংবা য়াদে। তৌইওমসুং ধাতু থেম্ববগী মতুং ইননা তরেংনি, তবানি, থা অমদগী হেনবা হোংনরকলবদি মাংবগী মতম অরেম্বা অমা লাইবকই। পাঙ্ক-ল নমসুং অহল শিংমু হোংনরবদি অপুম্বা থোকইনবা য়াই। হক-চাংদি অভ্যাসগী মখাইনি। অহল ললনদগী শৌনা কায়শুনবা অফবা অভ্যাস অমা তৌরকপবদি মাত্র হক্চাংগা পোকনিন্-নবকপগুম ওইথি। ব্রাহ্মণ পণ্ডিতমথৈ শাস্ত্রাচাবনা খুত্তন চনথি জনা অর্ক অঙনবদা শৌচ তৌই। আচার অসি মাথোইগী অতল-ললম্বগী হৌনা হৈনরকলবনি। মাথোইনা নাম্রকপা মতমসু অভ্যাস অতগী কানবা অত্ত পুম্বাং মাংখাদ অমসুং মাহুনা লাজৈংবগী খুদোং চাবা অমদি নাব ফননবগী মরমদা য়াইবা খুদোং চাই।

মলমূত্র ত্যাগ তৌবগী মরমদা শাস্ত্রগী আদেশ অতৈক য়াম্না লৈরি। মাদুগী মরকতা থম্লদং হাঙ্গে।—

(১) "বেগরোধো ন কর্ত্তব্য"—মাংনিংলকপা থাংলোইদবনি।

(২) "বাচাং নিযম্য যত্নেন ষ্ঠীবনোচ্ছ্বাসবর্জ্জিতঃ"—ৱা ঙাংলোইদবনি, তিন শিংলোইদবনি, থুংশা মপি হোল্লোইদবনি।

(৩) "দায়ুগ্নি বিপ্র'দাদিত্য মপঃ পশ্যন্ তথৈবচ"—মৈ, ঈশিং নুমিৎ, থাশিং অমসুং পূজা তৌনফম ওইবা শিংগী মাইগেদা ওনশিনদনা তিন শিংপা অমসুং বিন্মূত্র ত্যাগ তৌফরোই। (৪) "তিষ্ঠেন্নাতিচিরং তস্মিন নৈব কিঞ্চিদুদীরয়েৎ।"—মলমূত্র ত্যাগ তৌবা মফমদা কুইনা লৈকদে অমসুং করিং ৱা অমত্তা ঙাংফদে।

নিয়ম পুম্নমক অসিগী মরকতা অহানবগী নিয়মনা অৱাংবা থাংবা য়াদ্রে। মাসি লৈবাক পুম্নমককী চিকিৎসা শাস্ত্রনা য়াথংবনি। মাংবা থাংবদগী অয়াম্বা অকনবা লাইনা পোকই হাঙ্গবসি থোরাইনা থংলিবনি।

অনিত্তবা অমসুং অহনত্তবা নিয়মগী মরমদা অতোপ অতোপ্পা পোৎকা লোইনন কুপশিন্নবা শাস্ত্রগী নিয়মশু ফংনদুনা লৈ। হকচাংগী মথক থংবা শরুক্তা লৈরিবা বায়ু পুম্নমক শিজিন্নরংদি হকচাংগী মথা থংবা শরুক্তা লৈবা বায়ুশিংগী থবক শোকনথরকই। বায়ুশিংগী থবক শোকনখরকলবদি তোংগী থবকশু শোক্লি। তোইশিনসুং চরা হেনবদা নত্রগা বিন্মূত্র ত্যাগ তৌবদা হকচাংগী মথা থংবা শরুক্তা লৈবা তোং কয়ামুকনা থবক য়াম্না তৌবা ঙম্বা কারনৈ। মবম্ অসিনা য়াম্না লংবা নত্রগা অসেংবা নত্রগা পাক্কল য়াওবা পোৎ য়েংবা শোকপা অমসুং ৱা ঙাংবনা চিংবা মলমূত্র ত্যাগ তৌবা মতমদা তৌফদে। য়েংবা, শোকপা অমসুং ৱা ঙাংবনা চিংবা থবক্তা লৈবা বায়ু

মশুণ ঘাননা লেংই। সুক্ষদর্শী ওইবা মী বখৈনা শৌচবিধি নবনদা মথক থংবী থৌরম পুন্নমকতা থরত্নি মকাইদা হাঙ্গবসি থংবা ভুমবিগনি॥

শাস্ত্রদা বিন্মূত্র ত্যাগ তৌবগী মফম ওাকশিবা অদুগী মতুং ইল্লবদি লমবিদা নত্রগা লম্বি মনাকতা পুখরিদা, পুখরি মপান্দা, থংশংবুংদা অদু নত্রগা মপু পানবা পাত্তা কনানশু মলমূত্র ত্যাগ তৌবা য়াদে।

মীনা লৈনবা য়ুমদগী থাপনা লৈবাকতা কোন তৌড়না মলনা চিংবা ফুমহিন্নু হাঙ্গবসি শাস্ত্রগী বিধিনি। থুঙ্গ দদি মী যুদ্গিংদনা নিংখিনা ভাকতুনা চংগা য়াই।

মলমূত্র ত্যাগ তৌবগী মতুংদা শৌচগী বিধি ভাকননবগী ব্যবস্থা। ব্যবস্থা অদুগী অপোবা বা থনা শ্লোক অনিদা বাওগ্রে।

(১) বসাশুক্রমসৃঙ্‌ মজ্জামূত্রবিট্‌ কর্ণবিণ্নখাঃ।
শ্লেষ্মাশ্রুদূষিকাস্বেদো দ্বাদশৈতে নৃণাং মলাঃ॥

মীওইবগী হকচাংগী মল (অমো-পা পোং) তরানিথোইনি ; (১) মবেক (২) শুক্র (৩) ঈ (৪) তোং (৫)— হক্কী ঈশিং (৬) অমাংবা (৭) নাকোং নপথি (৮) খুর্জন (৯) তিন (লোক) (১০) পি (১১) নাতোন নপথী (১২) হনাং।

(২) আদদীত মৃদোঽপশ্চ ষট্‌সু শুদ্ধয়ে।
উত্তরেষু তু ষট্‌স্বদ্ভিঃ কেবলাভি বিশুদ্ধ্যতি॥

চাঙ্গথবিবা মল ১২ গী মনুংদা অহানবা ৬ শেংদোকবগী-

মনক লৈপাক অমসুং ঈশিং অনি অসি চই। অকোনবা তরুক শেংদোকপদি অশেংবতনসু য়াই।

মবম অসিনা শাস্ত্রগী মতুং ইননা মলমূত্র ত্যাগ তৌরগা মৃৎ শৌচ অমসুং জল শৌচ অনিমক তৌগদবনি।

ঈশিং অশেংবতনা শেংদোকনগা তোকপা যাদে। শৌচ কার্যদা চংবা লৈপাক মথল অহুম শাস্ত্রনা তাকলি। "বাল্মীকিমৃৎবিশোদয তাং মৃদমন্তর্জ্জলং তথা। শৌচাবশিষ্টাং গেহাচ্চ ন দদ্যাৎ লেপসম্ভবাং" হায়ীবদি লৈশোগী লৈপাক, উচিগী লৈপাক, ঈশিং মঙগী লৈপাক, অতোপ্পগী শৌচদা লেপ্পা লৈপাক যুম ফকনাং লৈপাক লৌরবাইদবনি। হায়ী-বদি অচাংপা

ক্রম: ২ লাউদা নত্রগা কবিগুমবা প্রাণী নত্রগা উদ্ভি-দগী মশাগা মরি লৈতবা থিহনা বায়া চেকশিন্না অসিগুম্বা অশেংবা লৈপাক লোগনি। উদ্ভিদ (পাম্বা) অমসুং থ-ব্বাই পানবগী (প্রাণী) মশাদা থাও গুমবা পোৎ শোইদনা লৈ। মবম অসিনা মতুগা মরি লৈবা লৈপাক অহুদি শৌচকার্যদা যত্রে। মরনদি বিষ্টাদসু থাও গুমবা পোৎ পিত্ত (মশিঙ্গা) যাওই। মবম অহুনা সাপন শিজিন্নবসু ফত্তে।

---

* মুসলমান শিংগী শাস্ত্রদা মুমিং থুদিংগী তৌগদবা থবক পুম্নমক্কী অকনবা নিয়মাবলী লৈ হায়ীবাস মী অযাম্বনা খংদে। প্রস্রাব তৌরগা ঈশিং লোবা, লৈপাকনা শৌচ তৌবা, খোং থুৎ হায়দবগী নিয়ম, চাবা য়াবা যাদবগী বিচার অসিনা চিংবগী মদমদা মাখোইগী শাস্ত্রদা যাম্না কম্না হায়ীবা উই। যবন শিংসু ম্লেচ্ছগুম্না স্বেচ্ছাচার পরায়ণ ওইদে।

মরু ওইবা য়াদি—বিষ্ঠা অমসুং মূত্র অসি হৃকচাংগী য়ায়। ফত্রবা পোংনি। অশেংবা লৈপাকনা শৌচ তৌরগা মাখোইগী দোষ নিংথিনা কোকহনবা ওমই, অতো:পপা করিশুমবা পামবৈ অমনা অচুম্বা ওইবা য়াদে। পৃথিবীগী অতৈ মী শুম্মকগী তারতম্য লৈবা ব্রাহ্মণ শিংতনা শৌচাচার পরায়ণ ওইবা হেল্লি। শুচিগী ওরমদা য়ামনা কুপনা য়েংশিনবা মরম্না পবিত্র ওইবগী মরমদসু মাখোইগী থ.মাই চিংশিল্লি।

শৌচ লোইরগা খোং থুংনচিংবা হাংদোক্লুনা আচমন তৌগনি। দন্তধারনগী মমাংদা তৌবা আচমন্দি চিন তেং-বনি। আচমন অহুগী মওংদি মখাগী শ্লোক্তা ফোংদোকই।

গঙ্গাং পুষ্করজলাং প্রাপ্য চতুর্দ্দশ বিবর্জয়েৎ।
শৌচমাচমনং কেশং নির্ম্মাল্যং মলমর্দ্দণং॥

পুষ্করজলা গঙ্গাদা শৌচ, আচমন (হাঙ্গৈবদি চিন শেংদোকনবা চিন তেংবা) শম্ হুববা, নির্ম্মাল্য হুববনা চিংবা বিষয় ১৪ অসি তৌরুদে। শেংনবগী নরমগীদনক শাস্ত্রনা, হাঙ্গৈরিবা আচমন অসি য়াম্নবা কানবৈ। আহানবা অমসুং অরোইবরা আচমন তৌরোই হাঙ্গৈবা বিধি-কর্ম্ম অমত্তা লৈতে। আচমনগী মন্ত্র অসিনা মাংনা চাওখংলবদ (আধ্যাত্মিক) নপোক কংনবগী ললবী তাকই। মন্ত্রদি—(প্রণব) অর্থাৎ ওঁকারগা লোইননা বিষ্ণুগী নাম ৩ লক সোল্লগা মথাদগী মন্ত্র অসি সোনগদবনি॥

ওঁতদ্বিষ্ণোঃ পরমং পদং সদা পশ্যন্তি সূরয়ঃ।
দিবীব চক্ষুরাততম্॥

জ্ঞানী পুরুষকনা পুরুষক্তা শিন-খুংবা বিষ্ণুগী মশকপু হৃদি মসুংদা উই মতম লৈবা খিবিক্তা পান্দমদি আকাশদা (চক্ষু সূর্য্য) (নিত্য আদিত্য ওইবা) অদুম ওইবা পরম-পদচুবু উই অমসুং আচমন তৌবদা হকচাংগী মকম নিপান অনমমতা ওইনা শোকনি।

খং মুখং নাসিকে বায়ুং নেত্রে সূর্য্যং শ্রুতী দিশঃ।
প্রাণগ্রন্থিমথোনাভিং ব্রহ্মাণং হৃদয়ে স্পৃশেৎ॥
রুদ্রং মূর্দ্ধানমালভ্য গ্রীনাত্যথ শিখামৃষীন্॥

অর্থদি—চিন মসুংদা অতিয়া, নাতোল অহোবা অনিদা সুংশিং, মিং অনিদা সুমিং, নাকোং অনিদা মাইগৈ, খোই-দোংদা প্রাণগী গ্রন্থী, হৃদয়দা ব্রহ্মা, কোক্তা মহাদেব ১সুং শিখাদা ঋষি শিংবু শোক্তনা পেলহনগনি হাঙৈরি। মাশিনা আচমন তৌরিবা মীগী মশা অদু লাইগী হকচাংনি হাঙনা খংবদা মতিক চারে। অমসুং মূলমন্ত্রনা আকাশতা লৈবা সূর্য্যগুমনা মতম লৈবা খিবিক্তা সর্ব্বব্যাপক ওইবা স্বরূপ অদুবু উবা ফংলে। মহাক্কী মশা, পুকনিং বুদ্ধিনা চিংবদা শেংদনা লৈখিজে। সংসারগী মমিৎ ওইবা সূর্য্যদেবগী খুয়াদা পমতনা য়েংবা হৈনখ্রবনা মসুংগী অমোংপগী মরু ওইবা মচাক ক্ষুদ্রতা, সংকীর্ণতা, একদেশদর্শিতা হাঙৈবা পুমমক শোঙদনা কোকই।

অওইবমক আচমণ মন্ত্রগী ভাব লৌথনা মাহু অভ্যাস

তৌথ্রবতদা শ্রুতিনা হাঙ্গৈব। "যোসাবাদিত্যে পুরুষঃ সোঽহমস্মি" হাঙ্গৈবা তত্ত্বজ্ঞান অসি খবা ওমই। দ্বৈতজ্ঞানগী অদ্বৈতজ্ঞান পাম্বা হৌবকই। অচনন অভ্যাস তৌবা অসিদি অঙবনি অমসুং মরম অসিমকনা নাসি হননা ২ ষৌনবা তাকপনি।

প্রাতঃ কৃত্যগী মমুংদা দন্তধাবনগী ব্যবস্থাম্ৱ লৈ। দন্তধাবনগী থবক্তা কনম কনম্বা কাষ্ঠনা ফবগে হাঙ্গৈবা অদু মথাগী শ্লোক অনি অসিদা হাঙ্গৈবি—

(১) তিক্তং কষায়ং কটুকং সুগন্ধি কণ্টকান্বিতং।
ক্ষীরিণো বৃক্ষ গুল্মানাং ভক্ষয়েদ্দন্তধাবনং।

অথাবা, অম্রাকপা, অশিনবা, মনম ঙুসিবা, তিম্মং পানবা অমৌবা মনপ মখোম লোকপা উগী কাষ্ঠনা দন্তধাবনগী কাষ্ঠ শাগনি।

(২) খদিরশ্চ কদম্বশ্চ করঞ্জশ্চ তথা বটঃ
তিন্তিড়ী বেনুপৃষ্ঠশ্চ আম্রণিম্বৌ তথৈবচ
অপামার্গশ্চ বিল্বশ্চ অর্কশ্চোডুম্বরস্তথা

খদিব কদম্ব, করঞ্জ, মঙ্গে, বাগী নকু, তেনৌ নীম, অপাঙ্গ, হৈথাগোক, আকন্দ, হৈবোং মাখোই অসি—চীন শেংনবা চৈ শানবা অফবা কাষ্ঠনি।

দন্তকাষ্ঠিকাগী মন্ত্র অমা লৈ। মাহুদি—

আয়ুর্ব্বলং যশোবর্চ্চপ্রজাঃ পশুবসুনিচ।
ব্রহ্ম প্রজ্ঞাঞ্চ মেধাঞ্চ ত্বন্নো দেহি বনস্পতে।

হে বনস্পতে। ঐথোইব পুন্সি, পাঙ্গল, মিংচং, মঙাল, লৌশিং. শা, লন, ব্রহ্মজ্ঞান অমসুং মেধা পীয়ু।

মপাল নাইদনা মামথরনা সংসার অসিদা অওইবদি অমত্তুনি হাঙ্গৈনা থংলবা নপোই অততনা অচম্বা দাতন অসিদু ব্রহ্মজ্ঞান ফংনবগী পাম্বে ওই হাঙ্গৈবা থংই।

দন্তধাবনগী মুরমনা নিয়ম অতৈ কয়ানকুনসু লৈরিবদু মথাদা শননা ইরকনি।

শ্রাদ্ধে জন্মদিনে চৈব বিবাহেহজীর্ণ সম্ভবে।
ব্রত চৈবোপবাসে চ বর্জ্জয়েদ্দন্তধাবনং।

শ্রাদ্ধ মুনিত্তা, মপোক মুনিত্তা, লুহোংবা মুনিত্তা অজীর্ণ দোষ (চাবা তুনদবা), ব্রত অমসুং চরাহেনবা মুনিংতা দন্তধাবন তৌরোই।

(২) দন্তধাবননদ্যা প্রাঙ্মুখ উদঙ্মুখো বা।

নোংপোক নত্রগা অরাং ওন্দুনা দন্তধাবন তৌগনি।

(৩) চতুর্দ্দশ্যষ্টমী চৈব অমাবস্যাথ পূর্ণিমা
পার্ব্বণ্যেতানি রাজেন্দ্র রবি সংক্রান্তিরেব চ।
(৪) সর্ব্বস্বপিতু দন্তধাবনং বর্জ্জয়েৎ।

চতুর্দশী, অষ্টমী, অমাবস্যা, পূর্ণিমা অমসুং রবিসংক্রান্তি—মখোই অসি পর্ব্বাহনি। পর্ব্বাহদা দন্তকাষ্ঠিকা শীজিন্নরোই।

(৫) তৃনাঙ্গার কপালাশ্ম বালুকায় স চর্ম্মভি।
দন্তধাবনকর্ত্তার ভবন্তি পুরুষাধমাঃ।

নাপি, চৈতান, চফুমচেং, মুং, লৈরেঙ্গোই, শ্বোৎ অমসুং শউননা দন্তধাবন তৌববদি পুরুষাধম ওই।

[illegible] বর্জ্জনোনক্‌মলবনং।

খুনিংখৌ অমসুং খুবী নত্তনা অটৈনা দন্তধাবন তৌরোই।

মাসিগী মতম্তা অহানবা শ্লোক অসিনা ক্ষতাশৌচ ওইরবদি অকনবা খবক্তী ব্যাঘাত ওইবা লুমিং পুন্নমক অতদা দন্তধাবন তৌবা লিংই। অতগা অজীর্ণ দোষ ওইরবসু থিংলি।

হৌজিক ঙসিগী দন্তধাবন তৌরবদি ওনিংবা পোকই অমসুং অজীর্ণ ওইবা মত হেনগৎলি। অসিগুম্বা অমসুং অতুমপুম্বা শ্লোককী ভাব অসি ইউরোপকী বৈজ্ঞানিক শিংগী তাবকা চানৈ।

ভারতবর্ষনা লৈরিবা অকাংশ অসিদা অমাং ওনন তুম খঙ্গে হাঙবা প্রমাণ থামনা পীনরে অহুনা বিত্তাখা থরদং চাওখৎনুকলবদি অমাং অমসুং নোংপোক ওটা দন্তধাবন তৌবগী কানবসুং থংলকনি। * অহুগা পূর্ণিমা অমসুং অমাবস্যানা চিংবা তিথি থেননবনা মীওইবগী হকচাংদা নাবগী অথোইবা অহেন নাই হাঙবা অসি লৌশিঙ্কা ইউরোপকী বৈজ্ঞানিক শিংসু থংলরে। মরম অসিনা মতমগী মতুং ইমনা বিজ্ঞ নসু মীওইবগী হকচাংদা তিথিগী প্রভাব লৈবা অসি থংলরগনি অমসুং দাত্ত থংলবদি তিথিগী অতুং ইমনা থবক তৌবগী মরম অসি শাস্ত্রম শ্লোকই। মতাংগী লোকনা মাহু খাকই। মা অমনা, মা খেংনা মতমদা পোং করামকমদি খঙ্গে; অতগা অনিগুবদা মা খেংবগী

---

* পৃথিবী মশা অসিমক পাক চাওবা চুম্বক অমনি। মসিগী চৌম্বক শক্তি অসি মতম পুন্নমক্তা পুন্নমক্তী কাননবনি। মসিগী লৈপাকী চৌম্বক হাঙবা পামবী অহুনা পৃথিবী পাকল অসিনা তোণ্ডাগ তোণ্ডানবা মতমদা তোণ্ডান তোণ্ডানবা মাইকৈদা মনা অত মমাই ওলি। অহুনা থবক্তী খুদিংগা মাঙিওন তিননবা অমসুং হিমদা মাইকৈ অলোম অসোয়বদা কোক ওনথনি লাইরিবা অমিনি।

থবক অসিদা কন্না তকপা যত্তে। ব্রাহ্মণ শুচি ওইগনি হাঈবা অসিভনা শাস্ত্রগী উদ্দেশ্যনি। মহাকনা শুচিবেয়ে ওইগনি হাঈবা অসি শাস্ত্রগী মরম নত্তে। মবম অসিনা অশোনবা খুংনীংথৌতনা য়া শেংবগী থবক তৌগনি হাঈ-রিবনি অমসুং অকনবা খুদাম্বী খুংয়াইনা চিংবা শীজিন্ন-রোই হাঈবি। দাঁতন কাষ্ঠগী মচীন অত্থ মশামকনা য়ানা চীথাঈরোই হাঈবি। মুংনা চিংবদা মাত্থগী পোরোং শেমগনি হাঈরি। য়াদা অকনবা তকপা অসি তশেং তশেংনা থিংলি।

দন্তলগ্নমসংহার্য্যং লেপং মন্যেত দন্তবৎ।
ন তত্র বহুশঃ কুর্য্যাদ্ যত্নমুদ্ধরণে পুনঃ।

যাদা করিগুমবা অমা পকথ্রবদা লৈনা মাত্থ লৌথোকপা হায়রবদি মাত্থ লৌথোকনবা থোইনা হোৎনরবাই, মাত্থদা য়া-মকনি হাঈনা নিংগনি, মরম অত্থনা মাত্থদা কবিমু অশুচি ওইবোই।

দন্তকাষ্ঠ শীজিন্নবা থিংখ্রিবা পর্ব্বাহ পুম্নমক অত্থদা তৈনবা নিয়ম মখল অনী লৈ।—উনানা দন্তধাবন তৌবা অমসুং তরানিথোইরক চীন তেংবা।

দন্তকাষ্ঠিকানা দন্তধাবন তৌবদি মুমিৎ নাইবনসু জিহ্বো-ল্লেখ তৌবদি থিংবা লৈতে। মাসিদি উনানা তৌগনি। জিহ্বোল্লেখ (লৈ-খেৎপদা) মথাগী কোনাগী জাৎকী উ পুম্নমক অসিদি থিংভি।

গুবাকতাল হিন্তালী তথা তাড়ীচ কেতসী
খর্জ্জুর নারিকলৌচ সপ্তৈতে তৃনরাজকাঃ

চীন শেংবা মতমদা য়া ভাংবা যাদ্দ। থেংনা য়া খিনবস্থু হৌনদে। হৌজিক্কি কনা কনা শুমনা নুমিৎ যুংবগী ইরুবা মতম ফাওবা দন্তধাবন তৌদে।—মাহুগী মরমদা অস্থমনা হাঙ্গিবি ঃ—

মধ্যাহ্ণস্নান কালেচ যঃ কুর্য্যাদ্দন্তধাবনং।
নিরাসাস্তস্য গচ্ছন্তি দেবঃ পিতৃগণৈঃ সহ॥

নুমিৎ যুংবগী ইরুবা মতমদা দন্তধাবন তৌবশিং অহুগী মফমদগী লাইশিংনা মপা-মপুশিংগা লোইননা নীংবা কাইহনা চংখি মরম অসিনা অবুক্তা চীন শেংগনি।

শাস্ত্রগী মতুং ইন্না নিংখোদাক্কে হাঙ্গনবদি চীন্দা অহৈংবা ঙঁশিং থম্নগা নিং অনী শেংদোক্কদবনি। চানথোক্কুনা খুং অমনা নিং অনী শেংবা চুনদে। মাহুনা কবিস্থু অশেংবা ওইদ্দ।

অশুচিতা হৌবা অসি য়াম্না দোষগী মশকনি।
হাঙ্গনা শাস্ত্রদা হাঙ্গিবি।—

স্নানং দানং তপস্ত্যাগো মন্ত্রকর্ম্ম বিধি ক্রিয়াঃ।
মঙ্গলাচার নিয়মাঃ শৌচভ্রষ্টস্য নিষ্ফলাঃ॥

শুচিতা (অশেংবা) পাম্নবা আর্য্য শাস্ত্রনা মাগী অথোইবা থবক—স্নান তৌবগী মরমদা থোইদোকনা পুকনিং চংগনি হাঙ্গবা অহূ মাসিন। লাঙ্গনা থংবা ঙমনে।

অস্নাত্বা নাচরেৎ কর্ম্ম জপহোমাদি কিঞ্চন।
লালাস্বেদসমাকীর্ণ শয়নাদুত্থিতঃ পুমান্॥

অত্যন্ত মলিনঃ কায়ো নবচ্ছিদ্র সমন্বিতঃ।
স্রবত্যেব দিবারাত্রৌ প্রাতঃ স্নানং বিশোধয়েৎ॥

তূম্বদগী হৌগৎলকপা মীনা মশাদা তীন, হন্নাং পকনা ইরুক্তদনা হোমনা চিংবা তৌবা যাদে। নবচ্ছিদ্র ওইবা হকচাং অসি য়াৎনা অশুচিগী মশকনি, অহিং কুংথিল অনিমক্তা মাতুদগী করিগুম্বা অমাতংদি থোবক্কুনা লৈবিবনি। অদুত্তা ইকজবনা মাতু শেংনৈ।

অওইবমক নশাদা অতুর তাদবা মী মখৈদি নিত্তিগী প্রাতঃ স্নান তৌগনি। যুম্বানবা মানা অনীরক অতুগা আশ্রনা শিংনা অহুম্রক স্নান তৌগনি। মাতুগী অচানবা অতু প্রাতঃ স্নাননি। শজিক হুনবা মতম অসিন্না মাতুগী খাইদগী হেন্না যবা মতমনি। খোইদো ওাওবা ইশিংদা লুপ্লগা খুৎ অনীনা চীন, নাতোন, নিং অমস্থুং নাকোং মখুল মেনশিন্দুনা নোংপোক নত্রগা অরাং ওন্দুনা অহনলক্তং কোক ফাওবা লুপ্পগা স্নান ওই। প্রাত স্নান অসিদি শমলপনা লোইগদবনি। কোক ভূমবগী নিযনদি——অচেনবা ঈশিং ওইবরদি হুঙ্গংনা মাইওন্দুনা লুপকনি। অদুগা চেন্দবা ওইবদি (নত্রগা শোকংপা ওইবরু) নুমিৎ লোমদা ওন্দুনা ভূবগনি। ইকজবদা রা ওাংবা হৌনদে, অদুগা শেংলিবা যা অদনা হকচাং তৈথোকপা চুমদে।

মথক্কী নিযম প্প্লনক অসি মুন্না পাবরদি খবা ভমই—ইরুজবা হাঙ্গবা অসি শেংনবগী দমক্তা নত্তনা হকচাং ফন—

বগী মরমদন্থু মাইকৈ পুন্নমক মুনা উরবা শাস্ত্রনা তাক্লি।

স্নানং পবিত্রমায়ুষ্যং শ্রমস্বেদমলাপহং।
শরীরবলসন্ধানং কেশ্যমোজস্করং পরং॥

ইরজবা হ'ঙ্গৈদা অসি শেংনবা, পুনশি চাওখংনহা, অরাবা কোকনবা, হুমাং তাবা ফংনবা, অমোংপা কোকনবা, শম ফনবা অমসুং হকচাংগী মঙাল চাওখংনবনি।

হকচাং নত্রগা অতৈ করিগুম্বা অমা মাংনবা ওইরবদি মাদু শাস্ত্রনা থিংই।—

(ন স্নানমাচরেদ্ভুক্ত্বা নাতুরো ন মহানিশি
ন বাসোভিঃ সহাজস্রং নাবিজ্ঞাতে জলাশয়ে।

চাববা মতুংদা নাবিরৈবা হুমদাং পুং মাপন্দগী পুং অহুম তা-বগী মতুংদা কি য়ামনা শেং ইনচনা নত্রগা মুম্বা খংদবা ইশি দা স্নান তৌরোই।

অপিকপা নত্রগা কৃত্রিম (খুংশেম) ওইবা ইশিংদা ইরুবা ফত্তে।

প্রভূতে বিদ্যমানেতু উদকে অপ্রশস্ত।
নাল্পোদকে দ্বিজঃ স্নায়াৎ নদীঞ্চোৎসৃজ্য কৃত্রিমে।

কজবা অচৌবা ইশিং ফংলবদি খজিক্কো তাইবা ইশিংদা স্নান তৌরোই; ভুরেনদা নংভনা কৃত্রিম (অশেগবা) ইশিংদা ইরুরোই।

সমুদ্রগী ইশিংদা ইরুবা য়ামনা কৈ।

জন্মান্তর সহস্রেন যৎ পাপং কুরুতে নরঃ
মুচ্যতে সর্ব্বপাপেভ্যঃ মাত্বাক্ষারার্ণবে সকৃৎ।

মসনগী মরমদা শাস্ত্রনা হায়িবা অমসু দৈদি।—

স্নাতস্য বহ্নিতোয়েন তথাচ পরবারিনা।
কায়শুদ্ধিং বিজানীয়াৎ নতু স্নানফলং লভেৎ।

অথাবা ইশিংদা, অতোপ্পা অমনা শেংকপা ইশিংদা ইরুবা ইরুজ্জবনা হকচাংবি শেংই হাঙ্গৈবু ইকবগী ফলপুম্নমক্কি পাংবা, হাঙ্গৈবনি—নশামকনা ইশিং লৈকননা চংতুনা লুপতুনা ইরুজ্জবরুরনা ইরুবগী ফলশুনা কংজি।

হৌজিক তাঙ্গৈখবিবা পুস্তক অসি ইশিংদা লুপ্তনা লুবগী বা ঙাক্তুনি। তোইগুবসুং শাস্ত্রনা হায়িবা স্নান অসি মখল ৭ গুই। মাড়দি

মান্ত্রং ভৌমং তথাগ্নেয়ং বায়ব্যং দিব্যমেবচ।
বারুণং মানসঞ্চৈব সপ্তস্নানং প্রকীর্ত্তিতং।

মন্ত্র পোইদোকপা পীরগা মান্ত্রস্নান ওই, চৈপাক তৈবনসু ভৌম স্নান ওই, ভোম তৌবগী মৈনগী পোকপা উং তৈবনা আগ্নেয়-স্নান ওই, মনগী মথোংগী উরুন চেনবা মুশিংনা মৈবগা বায়ব্য স্নান, * মুশা শাবনা চুবা নোংগী ইশিংদা ইরুবনা দিব্যস্নান, ইশিংদা লুপ্পনা ইরুবা স্নান অমসুং বিষ্ণুব নিংশিংবগা মানস স্নান ওই।

নোংমগী নুংদা সন্ধ্যা অতুমদা অতুমলক নক্ষত্রগা অমুক্তা অমসুং মুনিং মুংবদা অনিরুক লুপতুনা ইরুবা ওনবা শিংনা

অমুত্তগী হেন্না লুবগী মক্ষমদা অতৈ ইরুজবা তকক খংসিন্না কনি-খ্রনবা অনন্য মহৎ শিনবা য়াই। ভনদবা অহংখং অনাবগী মফমদা অমুক শিনবা যাবা অমা লৈ।

অশিরস্কং ভবেৎ স্নানং স্নানাশক্তৌ তু কর্ম্মিণাং।
আর্দ্রেণ বাসসা বাপি মার্জ্জনং দৈহিকং বিদুঃ,

কম্মি ওইবা মীনা ইরুবা ঙমক্রবদা মকোক্তি তুমদো য়াত্র তৌবা য়াই, মত্রগা ফি অচোংপনা হকচাং হৈদোকত্তুনা তোকপ য়াই। মাত্ত তৌরবদি বিধি কাইবা পোক্ত। ঐথোইগী শৈশাক্কী মুংশিং অসিসি য়ামনা ইশিং লেনি, আতুনা অয়াংবনা অমুক্তা হেন্না হক্কবা থাংবা ঙমদবা মাং, মরম অসিনা রজদেশগী পোংচুপতা লৈবা মীশিংদগী অনৌবক অতুংনমক ইরবা মীগী মশীং অসিবনা য়ামনা য়াংনি। অসিদা প্রাতঃস্নান তৌবা মীনা মধ্যাহ্ন স্নানদা অন্নুকন্ন লৌই, অদুগা মধ্যাহ্নস্নান তৌবা মীনা প্রাতঃ স্নানদ অনুকল্প লৌই।

প্রাতঃস্নান তৌববা মীশিং অদুদি অহিংদা শেংপা ফি থাদোকবনি, আচমন তৌদুনা অংসু, শন হাংত্তা চেকশিননা মানস মত্রগা মন্ত্রস্নান তৌগনি।

যাবৎতুরাত্রিবাসোহস্তি তাবদপ্রযতো নরঃ।
তস্মাদ্‌যত্নেন তত্ত্যজ্যাদৌ শুদ্ধিমভীপ্সতা।
আচান্তস্তুততঃ কুর্য্যাৎ পুমান্‌ কেশপ্রসাধনং।

অহিংদা শেংপা ফি শেংশিনবগৈ শেংদে; মমম অদুনা শেংদোক্কে নীংশিবশিন্নুনা হাম অহিংগী ফিংবান থাদোক্কনি; অদুদগী আচমন তৌরগা শন হাত্তোক্কনি॥

অমুগনা নুপ্ঙনা স্নান তৌবগা, মাত্ত শোক্লুনা অতোপ্পা স্নান অমা তৌবগা অমসুং অহিংগী ফি থাদোকলগা ইশিং লৈপাক নক্রগা চন্দনগা তিলক তৌগনি অমসুং অত্থগী মতুংদা লাই, ঋষি অমসুং অশিবা ইপা ইপুগী মরীদা তর্পণ তৌগনি। তর্পণগী অথোইবা মন্ত্রদি অসিনি—

আব্রহ্মস্তম্বপর্য্যন্তং জগৎ তৃপ্যতু।

ব্রহ্মাদগী নাপী ফাওবা সংসার পুন্নমক পেনবিসন্নু।

তর্পন লোইরগা অচোংপা ফি হোংদোক্লুনা অমসুং খোং খুং হামদোক্লুনা প্রাতঃ সন্ধ্যা তৌগনি। সন্ধ্যা উপাসনা হৌনা হাঙ্গীবা অসি মান্না অশেংব পোংনি। তাইবংপানদা পুন্নমক অসি মাগী নশকনি, মানা শীন্দুনা শৈবিবনি, অমসুং মাগী ৱাংমা লানবনি।

জাতমেতন্ময়া ত্বত্তো যথা পূর্ব্বমিদং জগৎ।
বিষ্ণু বিশ্বে বিষ্ণুতশ্চ নহ পরং বিদ্যতে ততঃ॥

মাহুদগী (পরম সত্য অহুদগী) ঐনা জগং অসি থোকহনবনি। মরম অসিনা জগং অসি বিষ্ণুনি, বিষ্ণুনা জগৎ অসিগী কারণনি (মরম্নি) বিষ্ণুতনা মাহুগী তুংফমনি। মাহু নত্তনা অতৈ কবিম্নু নত্তে।

অহুগুম্বা পরমসত্য অহুগা মীওইবগী আত্মাগা থোক্তইবা নক্লবা মরী অহু মন্ত্রশিং অসিনা কোংদোকলি। মরাক্তা, মন্ত্র পুন্নমক অসিগী দয়েক্কী অর্থ মরু ওইবা অর্থ অসি

হৌজিক্তি অয়াম্বমা খংনদরে। থবক্তী মতমদা নীংশিংত্রে মবন অহনা সন্ধ্যাকৃত্যগী ফল মপুং ফানা ফংনদবে। সন্ধ্যাগী মরমদা অস্থুমা হাঙ্গৈরি।——

যা সন্ধ্যা সা তু গায়ত্রী দ্বিধাভূত্বা প্রতিষ্ঠিতা।
সন্ধ্যা উপাসিতা যেন বিষ্ণুস্তেন উপাসিতা॥

গায়ত্রীনা সন্ধ্যানি; অমত্তনা অনী থোকনা লৈরি।
সন্ধ্যা উপাসনা তৌরবদি বিষ্ণুবু উপাসনা তৌবা থোকই।

নিতিগী সন্ধ্যা উপাসনা তৌবগী মরমদা হাঙ্গৈরি।

যাবজ্জীবন পর্য্যন্তং যস্ত্রিসন্ধ্যং করোতি চ।
সচ সূর্য্যসমো বিপ্রস্তেজসা তপসা সদা॥

তৎ পাদপদ্মরজসা সদ্যঃ পূতা বসুন্ধরা।
জীবন্মুক্তঃ স তেজস্বী সন্ধ্যাপূতোহি যো দ্বিজঃ॥

দ্বিতীয়—অধ্যায়।

পূর্বাহ্ন--কৃত্য।

অহি' পুং ৪॥ তাবদগী অযুক্কী পুং ৬ তাবা ফাওবা অসি প্রাতঃকৃত্যগী মতমনি। অহৎদগী দিনকৃত্য হৌই।

দিনকৃত্যগী অহানবা শরুক্তা হাঙ্গবদি পুং ৬তগী ৭॥০ তাবা ফাওবদা অহানবা যামার্দ্ধদা মন্দির তৈবা গুরু অমস্তুং মঙ্গল ওইবা পোৎ উবা, শম হাত্তোকপা মিংশেন্দা শক য়েংবা লৈ হেকপনা চিংবা তৌগদবনি। ৭॥ তাবদগী ৯ তাবা ফাওবদা অনিশুবা যামার্দ্ধদা বেদ অভ্যাস তৌগনি। বেদ অভ্যাস অসি মখল মঙা থোকই।—(১) গুরুগী মফমদা বেদ তাবা (২) বেদ বিচাব হাঙ্গবদি তর্ক তৌহুনা বেদ নৈনবা (৩) বেদ হন্না হন্না থীবা (৪) বেদ জপ হাঙ্গবদি পুকনিংদা থনবা (৫) বেদ ধ্যান।

মহাক মহাকনা মন্নুং চল্লিবা বেদ অমস্তুং বেদশাখাগী নোংমগী পাগদবা শরুক আধ্যায় অত্থ পাদনা ব্রাহ্মণনা অতোপ্পা শাস্ত্র নৈনবোই। (হৌজিক্তা গায়ত্রী পাবনা শীন্নরি) আধ্যায় পাবা লোইরগা স্মৃতি নত্রগা ধর্ম্মশাস্ত্র অমস্তুং বেদগী মশা ব্যাকরণনা চিংবা পাবা য়াই।

অসিগুমবা অনিশুবা যামান্ধ অসি শাস্ত্র পামগী য়াম্না ফবা মতমনি। হকচাং শেংদোকপা, পাকনিং তেকথংপা অমসুং ইরুজবা, তর্পণ সন্ধ্যাবন্দনা নচিংবনা পুকচেল অহু চাওখৎলবা মতম অহুদা শাস্ত্রশিনবদা পুক্রি চংগনি, মীশিংনগী পাঙল চাওখৎকনি শাস্ত্রদা হাঙ্গবা অচৌবা ভাব পুক্নিংদা লাক্লনা পোকনি, শাস্ত্র খননবা বাগনবা পুক্নিংক নাম্ব তানি। ছুংশিংগী ওবাইদগী মবনা শঙ্কক অসি আর্য্য ঋষিশিংনা মহৈ তানবদা লেনগনি হাঙ্গনা তাকলগনি। মতৈবু মখোইনা য়াম্না ইকাই খুম্নমগি। বেদ অভ্যাস তৌবা হাঙ্গবা অসি অখোইবা তপনি হাঙ্গনা ঋষিশিংনা হাঙ্গবমগি।

বেদাভ্যাসো হি বিপ্রাণাং পরমন্তপ উচ্যতে।
ব্রহ্মযজ্ঞঃ স বিজ্ঞেয়ঃ ষড়ঙ্গ সহিতশ্চ যঃ॥

ব্রাহ্মণশিংগীদি বেদ নৈনবা হাঙ্গবা অসিনা অখোইবা তপস্যানি। অঙ্গ তরুকমক লোইননা বেদ পাববু ব্রহ্মযজ্ঞ কৌই।

অতৈ শাস্ত্র পাবগী মরমদসু হাঙ্গরি——

দানেন তপসা যজ্ঞৈরুপবাসৈ ব্রতৈস্তথা।
ন তাং গতিমবাপ্নোতি বিদ্যয়া যামবাপ্নুয়াৎ॥

বিদ্যানা ফংবা অমবা খুবম অহু দান, তপস্যা, যজ্ঞ, উপবাস ব্রতনা ফংবা ঙমদে। অওইবমক মহৈ হাঙ্গবা অসি মরুবু ইকাই খুম্নকদি বেদ অর্থ খংনবা য়াবা অহুতবু ইকাই নমন খুম্নগদবনি।

সংস্কৃতৈঃ প্রাকৃতৈর্বাক্যৈ র্যঃ শিষ্যমনুরূপতঃ।
দেশভাষাদ্যুপায়ৈশ্চ বোধয়েৎ স গুরুঃস্মৃতঃ॥

সংস্কৃত, প্রাকৃত, দেশগী চংনবী লোন নত্রগা কবিগুমবা পাঙ্বে অমনা শিখ্যব লেংগী মতুং ইন্না তমবিবিবা অত্র গুণনি। মনম অতুনা দেশগী লোন্নচিংবা পাবা অমসুং মাত্রনা লাইবিক লেং-ভনা মীবু শিক্ষা পীবা অসি অনিগুবা যাগার্দ্ধ অসিগী তৌদফগী মসুং চনবনি।

লাইবিক লেংবা হায়বা অসিনা অকবা থনক ওইনগুমা লাইবিক ঈবা অমসুং দেনবসু জ্ঞানচর্চাগী মবমদা অকবনি হায়না থাগৎলৈন।

ইতিহাস পুরাণানি লিখিত্বা যঃ প্রযচ্ছতি।
ব্রহ্মদানসমং পুণ্যং প্রাপ্নোতি দ্বিগুণীকৃতং॥

ইতিহাস পুরাণনা চিবা লাইবিক ইতনা দান তৌবা মী অতনি ব্রহ্ম (বেদ) দান তৌবগী পুণ্য শরুক অনি ফংই।

মহৈ তমবগী মাত্র দান তৌবসু কায়ে। শ্রুতিনা হায়বি—

যে ত্বহবহবধীত্য বিদ্যামর্থিভ্যো ন প্রবচ্ছেঃ স কার্য্যা হাস্যাৎ শ্রেয়সো দ্বারপাবৃনোৎ।

ইতত্বহনা মহৈ তমবগা মহৈ তমলিবা মীদা বিদ্যা দান তৌ-দবা মী অতনি থবক্তী বৈখাইবা লোকই অমসুং মঙ্গলগী থোং খিজিল্লবনি।

বিদ্যাগী পীলোক পীশিনগী মবনদা আর্য্যগী হৌনবী পুস্তক অসি শক্তবা চুনই।

(১) যো গুরুং পূজয়েন্নিত্যং তস্য বিদ্যা প্রসীদতি।
তৎ প্রসাদেন যস্মাৎ স প্রাপ্নোতি সর্ব্বসম্পদঃ।

গুরুদু নিত্তিগী পুজা তৌবরা মী অদুগী মফমদদি বিদ্যাশ্রয় পেনবি, গুরুগী পৌশাননা সম্পন্ন (বিদ্যা) পুরমক কংই।

(২) বিদ্যয়েচ্ছ তথা মৌঢ্যাৎ যোঽপি শাস্ত্রমনুত্তমং
স যাতি নরকং ঘোরং অক্ষয়ং ভীমদর্শনং।

পংবা মরমনা শাস্ত্র তমলগা ক.উথোকপা মী অদুদি অকিবা ফং লবা অমাংবা লৈত্রা। নরক তাই।

(৩) যশ্চবিদ্যামাসাদ্য তয়া জীবেন্নতস্য পরলো-
কে ফলপ্রদা ভবতি যশ্চ বিদ্যয়া পরেষাং যশো-
হন্তি।

মহৈ তমলগা মাতনা জীবিকা ওইনরবা (শেন লৌতনা ছাত্রদু তমবিবরা) অদুগা অতোপ্পগী মিংচং মাংহনবা মাদু ফল ওইদে।

(৪) উপাধ্যায়স্য যোবৃত্তিং দত্বাধ্যাপয়তি দ্বিজান্।
কিন্নদত্তং ভবেত্তেন ধর্ম্মকামার্থ মিচ্ছতা॥

ত্রিবর্গ (ধর্ম্মকামার্থ) পামতনাব্রাহ্মণশিংবু তম্বিনবগী মীনবিরিবশিং অদুনা পীরবা করি লৈবগে?

অনিত্তবা যামার্জনা শাস্ত্র লৈনরগা ফুহমতবা যামার্জনা হাকৈথদি পুং ৯ দগী ১০॥ তঁবা ফাওদা ইমুং মচুং যোকথা-কনবগী শল তানগ্গদবনি। ঐথোইগী অদম্বা অনি মমাংঙৈবগী মামনা হোংলে। মতম অদুদা শেনগীদমক পুং ১॥ নোমদগা ওকনবদি, হৌজিক্তি মুখক নিপানমক অর্থ চিন্তা তৌদুনসু কোংদ্রে। শেন [illegible] মতম অদুদদি অপামবদু লৈরমদে। অদুগা হৌজিক্তি [illegible] থোং [illegible] হমাংনা -চোংবা নোমদুনাসু [illegible] [illegible] ইংখাইবা পামবা, দন পামবদি মোংম লোংবগী [illegible]।

মশাগীদমক করিম্নু তৌরোই হাঙৈবা অসি মতম অহুগী পাউভাক ওইরম্মি। হৌজিক্কি মশাগী মহনদি মতৈগী করিম্নু তৌরোই হাঙৈনরকলে। শাস্ত্রদা হাঙৈরি—

স জীবতি বরশ্চৈকো বহুভির্য্যোপজীব্যতি।
জীবন্তোমৃতকাশ্চান্যে পুরুষাঃ স্বোদরম্ভরাঃ॥

মহাক্কী মপাল্লঃ অয়াম্বগী মথৎরাই হি নরিবা মী অহু অহিংবা হাঙৈবা অহুনি অহুগা মচাক্কী মপুক্তা থগবা হোৎনরিবা মী অহু হিংনা শিরবা হাঙৈবা অহুনি।

য়োকদবা মী শিংগী য়োক-থাক্কবগী দমক্তা ব্রাহ্মণ মুধানবশিংগী শেনগী য়াথলনি। য়োকদবা হাঙৈবদি

মাতা পিতা গুরুভার্য্যা প্রজাদীনা সমাশ্রিতা
অভ্যাগতো তিথিশ্চাগ্নি পোষ্যবর্গ উদাহৃত।

ইপা, ইমা, গুরু, মতু, মচা, লাঙৈববা, চংজরকপা; অভ্যাগত অতিথি, মৈ মখোই অসি পোষ্যবর্গ কোই।'

পোষ্যবর্গ হাঙৈগা অসিগী মহুংদা শাস্ত্রদা মা অমা হাঙৈরি।

বৃদ্ধৌচ মাতাপিতরৌ সাধ্বীভার্য্যা শুতঃ শিশুঃ
অপ্যকার্য্যশতং কৃত্বা ভর্ত্তব্যা মনুরব্রবীৎ।

মমলা হাঙৈ—হমুরবা মপা মমা, সতী ওইবী মতু অমমং পীক্লিবা মচা মচাশিংবু অকার্য্য (মথা থংবগী থবক) তৌ-হুনমু য়োকনি।

পোষ্যবর্গবু য়োম্নবগীদমক ব্রাহ্মণনা বৃত্তি (থবক) তৌগনি। ব্রাহ্মণগী অথোইবা বৃত্তি—

অধ্যাপনঞ্চাধ্যয়ণং যজনং যাজনন্তথা।
দানং প্রতিগ্রহশ্চৈব ষট্‌কর্ম্মাণ্যগ্রজন্মনঃ।

ষণ্ণান্তু কর্ম্মণা মধ্যে ত্রীনি কর্ম্মাণি জীবিকা।
যাজনধ্যাপনে চৈব বিশুদ্ধাশ্চ প্রতিগ্রহঃ।

তম্বীবা, তমবা, ইবাংবা, ইবাংপীবা, দান তৌবা, দান লৌবা তরুক অসি ব্রাহ্মণগী থবকনি। তরুক অসিগী মখুংদা অহুমদা মাগী জীবিকা ওইগনি—ইবাৎপিবা, তম্বিবা, অমসুং দান লৌবা।

অতোপ্পা অমবু লৌ উৎনবা, লল্লোনহনবা, অমসুং শেন্দোই লৌবগী থবক তৌইনবা অসিনসু ব্রাহ্মণনা জীবিকা তানবা য়াই, অমসুং ভারাবা তাববদা ব্রাহ্মণ মশামকসু থবক পুম্নমক অসি তৌবা য়াই।

কুসীদকৃষিবাণিজ্যং প্রকুর্ব্বীত স্বয়ংকৃতং।
আপৎকালে স্বয়ং কুর্ব্বন্নৈনসা যুজ্যতে দ্বিজঃ॥

শেন্দোইগী নরদা অসুমনা হায়রি।

বহবো বর্ত্তনোপায়া ঋষিভিঃ পরিকীর্ত্তিতাঃ।
সর্ব্বেষামপি চৈতেষাং কুসীদমধিকং বিদুঃ॥

ঋষিশিংনা জীবিকাগী উপায় য়াম্না হায়রি, পুম্নমকগী শেন্দোই লৌবনা অথোইবনি।

জীবিকাগী দমক মীগী থবক তৌরম্মু থিংদে।
উপেয়াদীশ্বরঞ্চৈব যোগক্ষমার্থ সিদ্ধয়ে।

লাল্লোনবগী মরমদা হাঈরি :—

সদ্যঃ পততি লৌহেন লাক্ষয়া লবনেচ।
ত্র্যহেন শূদ্রী ভবতি ব্রাহ্মণঃ ক্ষীরবিক্রয়াৎ॥

মোং, চা, থুম অমস্থুং শঙ্গোমগী (লল্লোনবগী) থবক তৌরবদি ব্রাহ্মণ মুনিং হুম্নিদা শূদ্র ওই। ধাতু থেংকফমদা বন্দা অমস্থুং সমুদ্র মপান্দা চংপা অমস্থুং শঙ্গোমগী থবক তৌদুনা শঙ্গোমগী মফমদা ওংপা য়াসি থিংবনা মাতু-গী মরম্নি হাঈনা নিংঙি।

শূদ্রগী মরমদসু পোৎ কয়ামরুম ওনবদি থিংবা নৈ—

বিক্রয়ং সর্ব্ববস্তুনাং কুর্ব্বন্ শূদ্রো ন দোষভাক্।
মধু, চর্ম্ম, সুরাং লাক্ষাং ত্যক্ত্বা মাংসঞ্চ পঞ্চমং।

খোইহী, শউন, য়ু, চা অমস্থুং শা মঙা অসি নত্তনা শূদ্রনা পোৎ অতেদি লল্লোনবা য়াই। পোৎ পুম্নমক অসিগী থবক অসি হিংসাগী থবক যানদা নৈবনা মাসি পুম্নমক অসিদি শা তানবা, কিরাত অমস্থুং চীংদা লৈবা মীশিংগী ভৌনবা থাকপমাল্লে হাঈনা নিংঙি।

লৌ—উবগী মরমদা অসুমনা হাঈরি।

অষ্টাগুণং ধর্ম্মফলং ষড়্গুণং জীবিতার্থিনাং।
চতুর্গুণং নৃশংসানাং দ্বিগুণং ত্রস্নমাতিনাং॥

হুমিং চুপ্পা লাজল চিংবা খল (হেক্তিয়া) জোড়া মরিনা খোইরবদি ধর্ম্মফল ওই ; জোড়া অনিনা তৌরগা হুংশিন্দ্রহ ভবা, জোড়া অমনা তৌরগা ব্রাহ্মণ হাৎপগী হল কৌই।

তানশিল্লিবা শেলগী ভাকপ। অমসুং শীজিন্নবদসু শাস্ত্রগী হৌনবী লৈ।——

পাদেন তস্য পারক্য' কুর্য্যাৎ সঞ্চয়মাত্মবান্‌।
অর্দ্ধেন চাত্মভরণং নিত্যং নৈমিত্তিকন্তথা॥

পাদস্তার্দ্ধার্দ্ধমর্থস্য মূলভূতং বিবর্দ্ধয়েৎ।
এথমারভতঃ পুংসশ্চার্থ সাফল্য মৃচ্ছতি॥

অশিংবা মীনা ভাল্লিবা শেল অহুগী শরুক মরিগী শরুক অমা লাইরেপাকী কাম্লবা, তুথাই অমনা নিত্তিমী ভৌগদবা থবক পাংবগা লোইননা মশাগী য়োক-থাক্লবা, লোনহৌরিবা সিকিগী শরুক অহুগী তুথাইগী তুথাই অমনা শেল্লেপ্তা হাপচিন্দুনা চাওখৎহনগনি। অমুম তোৱবদি শেল অহুগী মহৈ য়া'ল্ল।

তৌইগুমসুং আর্যা শাস্ত্রদা শেল তুংশিন্নবগী নিয়ম হাঙ্গৈল্লিবা অতুদি মীবু কোথাক মৌথাকহন্নবগী রা মাক্কৈ, মরুদি মীবু ক্রিয়াবান্ ওইহন্নবনি।

ধনমূলা ক্রিয়া সর্ব্বা যত্নস্তস্যার্জ্জনে মতঃ।
রক্ষণং বর্দ্ধনং ভোগ ইতি তত্র বিধিক্রমাৎ॥

ক্রিয়া (থবক) হাঙ্গবসি মরুর্ শেল চংই, অহুবা লোল

স্তানগদবনি। মরম অদুমকনা শেল ঙাকনবা, চাওখংনবা অমসুং তোং তৌননবা নিয়ম পীরিবনি।

অহিংগী অবোইবা যামার্দ্ধদা প্রাতঃকৃত্য, নোংমগী অহানবা যামার্দ্ধদা শৈ হেকপন চিংবা, অনিশুবা যামার্দ্ধদা বেদ নৈনবা, অহুমশুবা যামার্দ্ধদা পোষ্যবর্গ য়োকনবা শেল তানবা অসিনা নিয়মনি। অদুগী মতুং মরিশুবা যামার্দ্ধদা হাঙ্গৈবদি লুংখিল পুং ১॥০ তাবদগী ২॥০ তাবা ফাওবদা লুমিং য়ুংবগী স্নান, তর্পন অমসুং মধ্যাহ্ন সন্ধ্যা পূজাম চিংবা তৌগদবনি।

প্রাতঃস্নানগী নিয়ম অদু মধ্যাহ্নস্নানদসু তৌগদবনি। হাঙ্গৈবদি মহৌশাগী ওইবা ঈশিংদা, ঈচেনগী চেক্লবকইবা, অদোমদা, অরাং নত্রগা নোংপোক ওনদুনা শেংনবা কি অমসুং হকচাং য়োকনবা কি অনী অসিদা পুক্না থোইদনা কাওথা ঈশিংদা কুমথনা, নাতোল্লা চিংবা মথুং পুন্নক মেনশিনদুনা অহুমশুক্ত নূপকনি। অদুগী স্নানগা মধ্যাহ্ন স্নানগা খেন্নবদি অসিনি প্রাতঃস্নানদি থাও তৈবগী বা যাওদে।

প্রাতঃস্নানে ব্রতে শ্রাদ্ধে দ্বাদশ্যাং গ্রহণে তথা।
মদ্যলেপসমং তৈলং তস্মাত্তৈলং বিবর্জ্জয়েৎ।

প্রাতঃস্নানদা, ব্রত অমসু, শ্রাদ্ধ লুমিক্তা, দ্বাদশীদা অমসুং গ্রহণদা থাও হকচাংদা তৈরবদি যু তৈবগা মানবে; মরম অদুনা লুমিং শিং অসিদদি হকচাং থাও তৈরোইদে।

হকচাংদা থাও নোইবা (তৈবা) অসিগী নিয়মদি মথাদগী

মথকশোনদা তৈথংকদরনি ; মরমদি কোক্তা তৈথরবা থাউগী ওয়েনবা অদুনা হকচাংগী শরুক অতি অতি তৈবা য়াদে।—

শিরোভ্যঙ্গাবশিষ্টেন তৈলেনাঙ্গং ন লেপয়েৎ।

থাইগী হুমিং থোকপা, চতুর্দ্দশী, অষ্টমী, অমাবস্যা, পূর্ণিমা অমসুং রবিসংক্রান্তি নুমিত্তা তৈলাভ্যঙ্গ তৌরদে।

অসি নত্তনা ষষ্ঠী অমসুং নানীদা কোক্তা অদুগা পর্ব্বসন্ধি পুম্নমক্তা থাউ তৈবা য়াদে। তৈলভ্যঙ্গ তৌবদা বার দোষমু লৌদে। নোংমাইজিং অমসুং লৈপাক কপনা থাউ শীজিন্নবা দোষ লৈ।

আয়ুর্ব্বেদ শাস্ত্রদা থাউ শীজিন্নবগী গুণ যামনা হায়বা লৈ।

অভ্যঙ্গমাচরেন্নিত্যং স জারাশ্রমবাতহা।
শিরঃশ্রবণপাদেষু তং বিশেষেণ শীলয়েৎ॥

তৈলভ্যঙ্গ তৌবনা অবা, অরাবা অমসুং বাতরোগ লৈদা কোকনৈ। মরম অদুনা থাউ নিত্যগী শীজিন্নবা কৈ, কোক্তা, নাকোংদা অমসুং খোংদা থোইদোকনা নোইগদবনি।

শাস্ত্রদা অমুমনা হায়রি—থাউ শীজিন্নবদা মিংশিনা যা পুম্ন-মক ফাস থোইদিং থাউগী যানি ; অতৈ থাউগী নত্তে।

তৈলাভ্যঙ্গ নিষেধেষু তিলতৈলং নিষিধ্যতে।
ঘৃতঞ্চ সার্ষপং তৈলং যত্তৈলং পুষ্পবাসিতম্॥
অদুষ্টং পক্কতৈলঞ্চ স্নানাভ্যঙ্গে চ নিত্যশঃ॥

থাউ নোইবা তৈবগী ফিংথবিবা অসি থৌরিং থাউডনি, ঘি, হঙ্গাম থাউ, মনম হুশিবা থাউ অমসুং পক্কৈডা মাসিদি নিতিগী শীজিন্নবা ফওবা নৈতে। অতোপা হকচাংগী (লোক) লোকশিংনা নত্রগা হকচাং থেংনোকপা মতুংদা অত্নগা অজীর্ণদোষ (চাদিবা তুনবা) নৈবদি থাউ শীজিন্নবোই।

বর্জ্যাভ্যঙ্গঃ কাংস্যে ক্ষৌরং কৃতসংগুপ্তং জীর্ণং ভিন্নং।

ইউরোপকী অরাং থংবদি যামনা ঙংই। মকন অতুগী নীদি কি থাবা ঙমদে; মরম অতুনা মকন পুন্নক অতুদা থাউ শীজিন্নবগী লৌনবী থাসি নৈতে। মসম অতুনা ইংলেণ্ডশিংনা থাউ শীজিন্নদে।

হিন্দু অসিদা হৌজিক্কী ইংরাজী তম্বা কাবুনা সাহেব শিংগী মতো তনদুনা থাউ শীজিন্নবা হোকপা অসি অচুম্বনতে; মাতুনা হকচাং ফনবদা মথৌ তাই। মমাংগী গ্রীক, রোমীয় অমসুং ইহুদিশিংবা জাংকী মীশিংদি থাউ অমসুং থেশন শীজিন্নরমি। হৌজিক্কনকসু অথামবনা শীজিন্নি। তৌই-গুম্বসুং ইউরোপকী মকন অত্নশিংদা হৌজিক্কি সাবান্না থাউগী মহুৎ শিনখ্রে। অঙহইবদি সাবানদা থাউ নত্রগা শা মহাউনা চিংবা থাউ গুমবা পোৎ অমসুং ক্ষরি যাওবা ভরাকপা লৈপাক্কু অনীমক য়াওবনা মাতু নিতিগী শীজিনবদি মুং-ঙাইতবা নত্রগা হকচাং কংনদবসু যাই। মুনিং অযানবা থাউ শীজিননবগা মরক মরক্তা লৈপাক অমসুং উং তৈ-দুনা য়াম তৌবা অসিদি হকচাংসু ফনবা অমসুং শাস্ত্রগী নিয়মসু ঙাকপা ওই। শাস্ত্রদা লৈপাক তৈবা অমসুং উং তৈবগী নিয়মশু লৈ। অশেংবা লৈপাক তৈবনা অপাংপা,

লাইংকাই, হুমাংলাইনচিংবা উনশাগী অনাবা কোকনৈ। লাঙ্গৈথুং থুংবা কোকই হাঙ্গৈবা ফাওবা তারে।

থাউ তৈরবা মতুংদা লুপতুনা ইকুজরগা ইশিংনা চিংবা তিলক তৌহুনা মতুংদা তর্পণ তৌগনি ; মতুংদা অচোৎপা কি তোংদাকতুনা মধ্যাহ্ন সন্ধ্যা তৌগনি। হৌনবী থবক পুম্নমক অসি তৌবদা অশেংবা কি শেংকদবনি॥

স্বয়ং ধৌতেন কর্ত্তব্যাঃ ক্রিয়াধর্ম্ম্যা বিপশ্চিতাঃ।
নচ রজকধৌতেন নচাধৌতেন কর্হি চিৎ॥

পুত্রমিত্রকলত্রেণ স্বজাতি বান্ধবেন চ।
দাসবর্গেণ যদ্ধৌতং তৎ পবিত্রমিতি স্থিতিঃ॥

পণ্ডিত শিংনা ধর্ম্মগী থবক তৌনবগীদমক ফিব্বান পুম্নক মজংনা শংদোকচৈ ; খোপানা নত্রগা অতোপপা শুবা ফি শীজিননরে। তৌইগুবসুং মচা, মরূপ মতু শাগে অমসুং মনাইনা শুবা কিদি শেংই হাঙ্গৈনা লৌনৈ।

মধ্যাহ্ন সন্ধ্যাদা মন্ত্র অমসুং ধ্যান থবদা নত্তনা অাত অক্ষ অমসুং থবক পুম্নমক্কি প্রাতঃসন্ধ্যাগা মাননৈ। তর্পণ অমসুং সন্ধ্যা লোইরগা ব্রহ্মযজ্ঞ হাঙ্গৈবা অনুষ্ঠাণ অনা লৈ। কল্প শংদবা মীনদি মাতব্ সন্ধ্যাগী মথাদি হৈজনা নীংই। অতৈবদি মাহ্ন কন্যাগীগ অক নরে। মহুগী মচাক্কি, স্বাধ্যায় পাঠ (নত্রগা গায়ত্রী); অমসুং বেদ মরিগী মন্ত্র মপনি। মাহুগী ঋগবেদগী অহানবদা মৈগী, যজুর্বেদগী অনীশুবগা হুংশিংবী, সামবেদগী অহুমশুবদা মৈগী, অথর্ববেদগী মরিশুবদা ইংশিগী অধ্যায় ২ মুং জপ তৌবনি। ব্রহ্মযজ্ঞগী মতুংদা দেবতাগী পুজা তৌগদবনি।

দেব পূজাগী মহুংদা শিবলিঙ্গদা মহাদেবগী পূজা, শালগ্রামদা বিষ্ণুপূজা অমস্তুং (দীক্ষা তৌরবসি নমদা) কুলদেবতা নত্রগা ইষ্টদেবতা পূজানা অথোইবনি।

দেবপূজাগী মরমদা মরু ওইবা বা খরা হাইরকনি।

পঞ্চদেবতা পূজানা মরু ওইবনি। পঞ্চদেবতা পূজা অমস্তুং মাগী ক্রম শ্লোক অমদা হাইরি—

সূর্য্য, গণেশ, দেবী রুদ্র, বিশুদ্ধ কোবা নারায়ণ অমস্তুং কুলদেবতা অসিগী পূজা মথংগীংনা তৌগদবনি।

লাইশং অমস্তুং পূজাগী পোৎচং পুম্নমক ওম্মথৈ শুনা হনগদবনি। থবক অসি দেবগৃহার্চ্চন শব্দদা হাইরি—

ততো গৃহার্চ্চনং কুর্য্যাৎ।

লাইগী পূজাগী পোৎচং অসি মশা মকনা নত্রগা ব্রাহ্মণনা থিগদবনি।

সমীৎ পুষ্প কুশাদিনী ব্রাহ্মণঃ স্বয়মাহরেৎ।
শূদ্রানীতৈঃ ক্রয়ক্রীতৈত কর্ম্মকুর্ব্বন্ পতত্যধঃ।

হোম তৌনবা শীং, লৈ, কুশনচিংবা, ব্রাহ্মণ মশানা থিগদবনি। শূদ্রনা নত্রগা লৈহনা তৌরবদি অধঃপতন ওই।

মীবু শেংহনবনা শাস্ত্রগী মরম ওইবগুম্না, মীবু তলহনদনা, থবক কলহনবা অমস্তুং মতম পুম্নমক্তা থবক্তা পুকনিং

চংহনবা অসিস্থ মাগী মরমনি। অহুনা থবক অয়.বা মপানা তৌ ঙাক্কা হাইবি। ধর্ম্ম কর্ম্ম তৌনবা যিরোণ পুমনমক মশানা শূজগনি হাঙ্গৈহুনা মনাংদম্থ হাঙ্গৈখ্রে।

পূজা তৌবদা মপানগী আডম্বর য়াওই হাঙ্গৈহুনা মাহেৱ আডম্বর ঙাক্তনি হাঙ্গৈনা নীংকরোই। পূজা তৌরিবা মী অছুগী মপানগী অনম্থং মন্থংগী ভাব করম তৌবা হৈনবগে হাঙ্গৈবা অছু শাস্ত্রদা হাঙ্গৈরি।

শুচিঃ সুবস্ত্রধৃক্প্রাজ্ঞো মৌনী ধ্যানপরায়ণঃ।
গতকাম ভয়দ্বন্দ্বো রাগমাৎসর্য্যবর্জ্জিতঃ
আত্মানং পূজয়িত্বাতু সুগন্ধি সিতবাসসা।।
দেবান্ পূজয়েৎ।

পূজাগী মপু ওইরিবা নিপা অহু করমবা গুণনা নৈতেং-গদগে হাঙ্গৈবা মংস্থ হাঙ্গৈরি।

ক্ষমা শৌচং দমঃ সত্যং দানমিন্দ্রিয়নগ্রিহঃ।
অহিংসা গুরুশুশ্রূষা তীর্থানুসরণং দয়া।

আর্জ্জবং লোভশূন্যত্বং দেব ব্রাহ্মণপূজনং।
অনভ্যসূয়া চ তথা ধর্ম্মঃ সামান্য উচ্যতে।

মাইগী পূজা অসি শেষ করি অমংতা চংশনা ইশিংতনস্থ তৌবা য়াই। তোংগুহস্থ; য়ুম্বানবা নীপী মবনদদি মাহু অকবা নত্তে।

অনেন সুগন্ধোভিশ্চ গন্ধৈর্ধূপৈঃ প্রদীপকৈঃ।
গৃহস্থঃ পূজয়েন্নিত্যং স্বগৃহে গৃহদেবতা।।

স্নানবানবনা মথুংদা চাক, থৈ, মনম থুংশিনবা পোং অমসুং ধূপ থাডুইদনা গৃহদেবতাগী পূজা তৌগনি। অদু ওইবনদি অফবা নুমিৎনবা অদুগী পূজাগী বা অদু খুদ পূর্ণকী আদর্শ ওইগনি হায়রিবা লাইনা ২৫৩ ॥

মনিজুবা যামার্দ্ধদা তৌগদবা অসি যামনা যাংই হায়রিনা নীবা যাই। অদুবু পুং ১॥গী মতুংদা পুননক অসি তৌবা ঙম্লাই হায়রিবদি নতে। হৈনবনবদি পুং ১॥-নকপু চংলেই। অদুনঙুনা বর্ষাকাল শেষগী থাগম থরনা অমসুং তাংনবা মতমদি হায়রিবা অসি লৌকিক অহানবা নীগী মতমনা ওননবে, খোইদোক-পদি মহৎনা থৈবা থবক তৌবা নীশিংগী মরমদা অতঙুবা যামার্দ্ধগী তৌগদবা থবকনা মতুংগী যামার্দ্ধগী তৌদবা অপূর্ণ কুপশিনখবে।

লৌকিক অসিদা থবক তৌবশিনা পুং ৯ তারদগী ১॥ তাবা থাওবা অসিগী মতুংদা চাবা থক। লোইরুনা থবক তৌকাদা থুমদনা যাদে, মরম অসিনা মখোইনা অতুনঙবা যামার্দ্ধদগী হৌনা মধ্যাহ্নসন্ধ্যা অমসুং দেবপূজানা চিংবা থবক তৌগনি।

যামার্দ্ধ অমদা তৌদবা অদু অমদা তৌবদা লোইনা দোষ থৈদে, অওইবনক স্মার্তশিরোমণি রঘুনন্দননা লেপখি—

“অত্রাপ্রত্যাবেধ্যয়কর্ম্মানুরোধেন প্রধানকালাদন্য-ত্রাপি কালান্তরে কর্ম্মানুষ্ঠাণমিতি।”

থেনবা যাদ্রবা থবক অদুগী দমক মুখ্য কাল থাদোকতুনা গৌণকালদা বৈধকার্য্য তৌগনি। মহাকী ধর্ম্মনা মাই ওনশিল্লি-বা মী অদুনা ধর্ম্ম কর্ম্ম তৌনবগী দমক্তা থৈথাঙবা পুননমক থাদোকতুনা চংবা ঙমনি। মরম অসিনা হায়রি——

"ন সন্ধ্যা পূজনৈর্লোকে
বাধ্যতে কর্ম্ম কিঞ্চন।"

সন্ধ্যা অমসুং পূজা তৌবগী দগক মীগী থবক্তী করিশু অমাংবা লৈতে।

অওইবগক হৌজিক থবক্তীনমক সন্ধ্যা পূজানা চিংনগী করিশু অকাইবা লৈতে—ওইনিবা অসিদি—

নাস্তিক্যাদথবালস্যাৎ।

—•:(❀):•—

তৃতীয় অধ্যায়।

মধ্যাহ্নকৃত্য।

দেবপূজা লোইববদা মক্তাওবা যামাৰ্দ্ধগী (পুঃ ১২দগী পুঃ ১॥০ তাবা ফাওবগী) থবক হৌগনি। যামার্দ্ধ অসিগী থবক যামনা য়াদি। —মাত্রদি হোম, বৈশ্বদেব, বলি, অতিথিসেবা, নিত্য-শ্রাদ্ধ, গোগ্রাস দান অমসুং ভোজন। থবক পুম্নমক অসিগী তা শঘনা হাঙ্গরকলি।

(১) হোম—হৌজিক লৈপাক অসিদা সাত্ত্বিক ব্রাহ্মণ য়ায়া য়াংলে। নিত্তিগী হোম তৌবা অসি য়ামনা য়ামদ্রে। তৌইগুবসুং নিত্তিগী হোম তৌবা হাঙ্গবা অসি অচৌবা নত্রগা অরুবা থবক নত্তে। মাসিগী অহুতিগী মশী সু থাজক্কনি, পিগদৌবা পোংস্থ অতাংবা নত্তে।

গৃহমেধিনো যদর্শ তস্য
হোমবলয়শ্চ স্ব স্ব পুষ্টিসংযুক্তাঃ।

যুম্বানবগী চানবা লৈনিবা অত্তমকনা আহুতি তৌনবা পোংনি। তৌনবা মন্ত্র শিত্রনা হৈশিনসু হোমগী থবক তৌবা য়াই।

জুহুয়দাম্বুনাপিচ।

অসিগুম্বা লাইরবা থবক অসি মু চনবদি অফবা নত্তে।

(২) বৈশ্বদেব।—পুম্বা নিত্তু [illegible] দা [illegible] বিবা অত্ত ভোজ্য তাংবা হাঙ্গবন্দি বিশ্বদেব হাঙ্গনা [illegible] পুং [illegible] প্রণবকা

হোইনা বৈশ্বদেবার নং চাক্কীবগ্‌ পোইবে।

সায়ং প্রাতর্বৈশ্বদেবঃ কর্ত্তব্যো বলিকর্ম্মচ।
অনশ্নতাপি কর্ত্তব্য মন্যথা কিল্বিষী ভবেৎ॥

য়াচংবা অনম্বুং অচুকা বৈশ্বদেবগী পূজা, আহুতি অমসুং বলি তৌগনি, করিগ চাদনা তৌগনি নত্রবদি পাপ পুই।

(৩) বলি—বলিগী অবক্তা হেৎবানবগী অবই পানবা পুম্নমক্তা তন্নদান তৌগদবনি।

দেবা মনুষ্যাঃ পশবো বয়াংসি সিদ্ধাঃ সযক্ষোরগ-
দৈত্যসঙ্ঘাঃ।
প্রেতাঃ পিশাচাস্তরবঃ সমস্তা যে চান্নমিচ্ছন্তি ময়া
প্রদত্তং॥
পিপীলিকা কীটপতঙ্গকাদ্যাঃ বুভুক্ষিতা কর্ম্মনিব-
ন্ধবদ্ধাঃ।
প্রয়ান্তু তে তৃপ্তিমিদং ময়ান্নং তেভ্যো বিসৃষ্টং
মুদিতা ভবন্তু॥

যেষাং ন মাতা ন পিতা ন বন্ধুর্নৈবান্নসিদ্ধির্ন তথান্
নমস্তি।
তৎতৃপ্তয়েন্নং ভুবিদত্তমেতৎ প্রয়ান্তু তৃপ্তিং মুদিতা
ভবন্তু॥
যে চান্যে পতিতাঃ কেচিদপাত্রাঃ পাপযোনয়ঃ॥

হাঙ্গবদি মী, লাইদগী তিল কৌজেং পাবীনচিংবা ১মুং নরূপ লৈতবা, পতিত অমসুং পাপী পুম্নমক ঐনা পী-রিবা [illegible] (অমগ) অম্নি চাক্কনা [illegible] অমচুং [illegible] [illegible]।

ভূত পুন্নমকন্তা বলি পীবা অসিগী ওইথোকপবা মরম হৈনি :—

ভূমিভূতোপকারায় গৃহী সর্ব্বাশ্রয়ো যতঃ।
শ্ব চণ্ডালবিহঙ্গানাং ভুবিদদ্যাত্ততো নরঃ॥

গৃহস্থ হান্নবনি ওন্নাই পুন্নমকী চংনফমনি, মরম অসিনা ওন্নাইবু পীজনা নানা চাবা মশিং। মইহৌশনা বলি পীবা মতমদা শুকলিংদা থনগদবনি অমসুং হান্নগদবনি।

ভূতানি সর্ব্বানি তথান্নমেতদহঞ্চ বিষ্ণুর্ন যতোহন্য-দস্তি।
তস্মাদহং ভূতনিকায় ভূতমন্নং প্রযচ্ছামি ভবায় তেষাং॥

ভূত পুন্নমকী মশক ওইরবা বিষ্ণুমকী প্রাণিগী মশক ওইরিবা এনা প্রাণি পুন্নমক য়োকনবগী দমক অন্ন অসি পীরিবনি।

ভারতবাসীনা শাস্ত্রগী তনবা নিত্য বলি অনুষ্ঠানগী পান্থনা হৌব পুন্নমকতা থৌজানবগী অমসুং পরার্থপর ওইবগী অভ্যাস তৌবা ঙমবা অকুপ্পনা য়েংতুনা জাৎকি মী শিনা বরুনাশ কুনন্দ মংগা শুবা পোংনতে। অদুং অমগী অহলনা লৈনবগী তৌনা তৌনবদা অসিগুমবা অনুষ্ঠান পুন্নমক অসিগী মহৈনা ভারতবাসীনা, হৌজিক পুন্নমকুগী হিংসা তৌদবা হৈনি, থৌজাল হৈবা অমসুং পরার্থজীবী ওইহনা হৈ। অসিগুমবা অনুষ্ঠান অসি মাংহন্দবা থক্তে।

(৪) অতিথি। বলি পোইরবগা অতিথি সংকার তৌবা অসি ভারতবাসীগী নিত্যকর্ম্মনি।

প্রিয়ো বা যদি বা দ্বেষ্যো মূর্খঃ পণ্ডিত এব বা।
সংপ্রাপ্তৈবৈশ্বদেবান্তেসোতিথিঃ স্বর্গসংক্রমঃ ॥

নুংশিবব ওইববস্থ কন্নকনববু ওইরবস্থ (দ্বেষ্য) মূর্খব ওইর-বস্থ পণ্ডিতপু ওইরবস্থ বৈশ্যদেবক্রিয়া লোইরগা কংলুবা অতিথি অদু স্বর্গপ্রদংকনি।

অতিথি মথৈ গৃহীনা পূজা অমস্তুং লৌনা তৌগদবা ওই।

হিরণ্যগর্ভবুদ্ধ্যা তং মন্যেতাভ্যাগতং গৃহী।

গৃহীনা অতিথিবু ব্রহ্মামক্তি হাঙ্গনা খনগদবনি।

দেশনাম কুলং বিদ্যাং পৃষ্ট্বা যোন্নং প্রযচ্ছতি।
ন স তৎ ফলমাপ্নোতি দত্ত্বা স্বর্গ ন গচ্ছতি ॥

দেশ নাম কুল বিদ্যা অসিনচিংনা হংলগা অন্ন দান তৌরিবা নিপা অদু অন্নদানগী মহৈ ফংহনা স্বর্গ বা তৌদে। হৌজিক্তি লৈবাক অসিদা কুশিক্ষানা কনশিনখিহনা কনা কনাগুম্বনা মপুং ফাদবা অমস্তুং মশাগা ওইজনবত্তা থিরবা ইউরোপকী অর্থ শাস্ত্রনী বাহাঙ্গহনা অতিথি অমস্তুং ভিক্ষুকপু লাঙ্গনা তৌবা তমলি অদুগুম্বা থবক অদু শাস্ত্রনা য়ামনা তাংথি অমস্তুং এখোইগী জাতীগী স্বভাবকী বিরুদ্ধনি।

(৫) আর্য্য শাস্ত্রগী মতুংদা নিত্য শ্রাদ্ধনা মবু ধর্ম্ম লৈহন্নবগী দমক থোইদোকপা উপায় পুথোকপিরিবা অদুগী মতুংদা পূর্ব্ব পুরুষবু নিংশিংহনবিবা অসিমা থোইদোকপা পাম্বৈ (উপায়) অমনি।

মতৌ অসিগুম্না পূর্ব্ব পুরুষ শিংবু নি-শিংহনবা শ্রাদ্ধগী থবক্ অসি চহি ২ খুদিংদা তৌননবগী চংনবী অমা লৈবা অহুগুম্না থোইদোক থোইদোকপা পৰ্ব্ব হুগা অমসুং থা খুদিংগী অমদি হুমিং খুদিংগী তৌননবগী ব্যবস্থা লৈ।

দৈনিক নত্রগা নিত্য—শ্রাদ্ধাদি পিকনা তৌববসু ফত্তবা লৈতে। শ্রাদ্ধ অসিদা ভোজ্যোৎসর্গ, পিণ্ডদান নত্রগা বিশ্ব-দেবনচিংবা কৌবা অমসুং বলিনা চিংবগী থবক তৌগদবা লৈতে। পিতৃ তরুকপু হাঈবদি পিতৃবোমগী অহুম মাতামহ বোমগী পুরুষ অহুম নিংশিংনা অন্ন খরা খরদং বিসৰ্জন তৌবগা লোইরে। ঈশিং খবা পীববসু য়াই। অশক্তাবুদ-কেনতু।

(৬) গোগ্রাস। ভৌতবলি হাঈবদি মাহৌশানা জীব শিংদা মচিঙ্গাক পীরবগী মতুংদমু মগী জাংপু থোইদোক্না। চেকশিন্না তৌননবগী দনক গোগ্রাস দানগী বিধি লৈ।:—

শৌভেষ সর্ব্বহিতাঃ পবিত্রাঃ পুণ্যরাশয়ঃ।
প্রতিগৃহন্তু মে গ্রাসং গাবস্ত্রৈলোক্য মাতর॥

মাসিনক গোগ্রাস দানগা মন্ত্র ন অমসুং মন্ত্র অসি-মক্কুদা সোরাভয়ী নত্রগা সুরভিস্থা। (সুরভিগী মচাসুপী) মশীগী মক্কদা ভরতবাসীগী ভক্তি কোংদোকই।

(৭) ভোজন (চাবা)। ভোজন্না মগাগুবা যামার্দ্ধগী খাঈদগী অথ ইবা থোরমনি। যামার্দ্ধ অসিগী মনুং চল্লি বদি হোম, বৈশ্বদেব, বলি, অতিথি সেবা, নিত্যশ্রাদ্ধ

অমসুং গ্রোগ্রাস দান অসিনি। থবক পুনসমক অসিতনা গৃহীবু অরেংইবদা (মানাক্কী) তৌগদবা ভোজনগী থবক পাংথোকপদা মতিক চাহল্লি। মরু ওইবা তিনিদি যজ্ঞশা ওইগদবনা হাইবদি যজ্ঞগী অবেস্থা শরুক চাগদবনি। অমুক বিধি লৈবিবনিনা পঞ্চযজ্ঞগুং হংপদেং হাইবদি যজ্ঞ মচা থক শোইদনা তৌগদবনি; শাস্ত্রগী অককপনি--

অধ্যাপনং ব্রহ্ম যজ্ঞঃ পিতৃযজ্ঞস্তু তর্পনং।
হোমো দৈবো, বলির্ভৌতো, নৃযজ্ঞোঽতিথিভুজন

অধ্যাপন ব্রহ্মযজ্ঞ তর্পন, পিতৃযজ্ঞ, হোম, দেবযজ্ঞ বলি ভূতযজ্ঞ অমসুং অতিথি পূজা নরযজ্ঞ।
অদুগা যজ্ঞ মচা অসি পাংথোকত্রিবমখে গৃহীনা
শাস্ত্রগী মতুং ইন্না ভোজন তৌবা য়াদে।

তৌইশুমসুং চাবা থবক হাইজনা চানিংবা অনা পাক হেক পাচা চাবা য়াবা নাত্তে। আর্য্য ঋষিশিংনা নী ওই-বগী থবক নখল পুনসমক্না মশা পুনসমক বিধি পীহনা পবিত্র ওইনবা অমসুং পাপশভব (শগী মতৌ) যাও-হন্দনবা চেকশিন্না হোংনবিবমই। মাথোইনা গৃহীদা উপ-দেশ তৌবিরমই।—

ইন্দ্রিয়প্রীতিজনন বৃথা পাক বিবর্জয়েৎ।

ইন্দ্রিয়গী পেমচা ওইদা অবেস্থা চঙ্গাক (বৃথা পাক) থাদোক্কনি। অদুগী মতুংদা হাইরমই।

(২) তথা সুবাসিনী রোগীগর্ভিণীবৃদ্ধবালকান্।
ভোজয়েৎ সংস্কৃতান্নেন প্রথমং চরমং গৃহী॥

নবোঢা, রোগী, গর্ভিণী বৃদ্ধ, অসমর্থ সুপারচাদা সংস্কৃতান্ন (দোষ নৈতবা চিত্ত্বক) দীতবগা মতুং অহূদা গৃহীনা চাগদবনি। আতে নিয়মনা———

(৩) প্রাঙ্মুখোঽন্নানি ভুঞ্জীত শুচিঃ পীঠমধিষ্ঠিতঃ।
বিশুদ্ধবদনঃ প্রীতো ভুঞ্জীত ন বিদিঙ্মুখঃ॥

[illegible] ভোজন [illegible], অশোধ্য পীঠন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শেনগনি। [illegible] [illegible] [illegible] ইদবনি।

আহারার্থ নিয়ম অন্যান্য ঋষিনিঃ——

(৪) পঞ্চার্দ্রো ভোজনং কুর্য্যাৎ প্রাঙ্মুখো মৌনমাস্থিতঃ।
হস্তৌ পাদৌ তথৈবাস্যমেষু পঞ্চার্দ্রতা মতা॥

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নো পোক [illegible] বা [illegible] ভোজা ভোগদবনি, বো [illegible] [illegible] অসমর্থ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

ভোজন ভৌবা [illegible] [illegible] বা [illegible] অতি এখোইতা শাস্ত্রীয় বিধান। ইউরোপকী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] বারি [illegible] [illegible] পরিপাক ক্রিয়া [illegible] [illegible] পা যোকই হাঙ্গ। [illegible] বা [illegible] [illegible] তথা

থোকপা ৱাত্তুনা লৈ কংই; মাখাঙনা হোঙনা তোঙনা ঙশিং, চা, কাফি নত্রগা য়ু থকলিবা অসি মরম অসিনা ওইবতাই (হাঙনা নিংই। ত্তিন কংবা অসয়ুং মবম অত্তুন মরক মরক্ত। ঙশিং থকপা হাঙবসি পরিপাক ক্রিয়া (চা খিবা তুমননবগী থবাক্ত।) থুদাং চা দ। ... ইদা হীবমদি চাখিবা শা তুমননবদা ত্তিল অত্তক যামনা চংদ, মরম অত্তনা শা চাবা জন্তুশিংসু চাবা মতমদা গো গো থোংবা উই, পাম্বিগী চিঙ্গাক চাবাশিংদি তুনিননা চাঈ।

পঙক্তিগী বিচাবাসু অকুনবা নিযম লৈ ——

অপোংকপঙ ক্ত্যা মাঙ্গীয়াং সংবৃতঃ স্বজনৈখপি।
ভস্মস্তম্ভজলদ্বারমাগৈঃ পঙক্তিশ্চ ভেদয়েৎ।

স্বজনশিংগী অসু পঙক্তি অমত্বদা ভোজন তৌবা চদবনি। (হোনদগী পোবা।) উং ক্রগী নাপী ক্রা ঙশিং না থেক্তুনা পঙক্তি খাঙগনি। মংবাক্ত্রগী ব্রহ্মণা গী নুংদা সংগী লৈচী মথক্তা পঙক্তুঁড়ি থমত্তং পঙক্তি খাইবগী পুংমাংশ অত্তু চং-থোম্না নিংশিংঙ্গি।

ভোজনগী পাত্র থননবগী মরমদা হাঙনিন চ -

উপলিপ্তে সমে স্থানে শুচৌ লক্ষ্মসংযুতে।
চতুরস্র ত্রিকোনঞ্চ বর্তুলঞ্চার্দ্ধ চন্দ্রকং।
কর্ত্তব্যমানুপূর্ব্বেন ব্রহ্মাদিষু মণ্ডলং॥

(বন্নিনা) তৈবা লৈতে ... থননবা ... [illegible]
অপিকপা (লঘু) খাসন ... অমসুং চতুরস্র ... [illegible])

ত্রিকান (চিপেক অহুম নাইবা) অকোইবা নত্রগা থা মচেৎ শাবা মণ্ডল শেনত্তনা মকোক মমে নাইবা ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য অমসুং শূদ্র ভোজন তৌগনি। ভোজনগী পাত্রগী মরমদসু বা ঙা-ঙনা লৈবি।

অকাইবা শেঙ্গেংগী পাত্রদা চাবা য়াদে শূদ্রনচিংবনা চারুত্তনা শেংত্রবা পাত্রদা, কোরগী পাত্রদা, অনোংগা পাত্রদা, পাঙ্গোংগী পাত্রদা, থমনাগী পাত্রদা, অঙ্গাংকী মনাদা, অফুলাগী মনমদা, য়োংকী পাত্রদা, খুত্না নত্রগা ফিদা হাপ্তুনা চাবা য়াদে। সনা, লুপা, লুং অমসুং স্ফটিকী চানবা পাত্রনা য়ামনা ফৈ। লিকলি, পোসিলেন অমসুং কড়িকোটা অহুম অসিবুদি খুংশমদগী পোকপা স্ফটিকনি হায়না লৌবা যাই অমসুং মাখোই অসি শাবগী থবক অদু লৈবাক অসিদা য়ামনা শন্দোকলবদি, ত্রৈলোক্যগী সমাজদা মাখোই অসি সিজিন্নবা তেনগৎকপা য়ামনা ফগনি হায়না থনবা যাই।

চানবা পোৎ মাংদা লৈরগা পুকনিংগী ভাব করম থনবা তৌগদ্গে — — —

পূজয়েদশনং নিত্য' চাদ্যাচ্চৈতদকুৎসয়ন্।
দৃষ্ট্বা হৃষ্যেৎ প্রসীদেচ্চ প্রতিনন্দেচ্চ সর্ব্বশঃ॥

চানবা পোৎপু ইতত্তত্তনা লৌনা তৌগনি, মাত্তবু নিন্দা তৌদনা দনি মাত্তু উরগা পুকনিং হরাওগদবনি অমসুং পুকনিং নুংঙাইগদবনি।

চা... তুংদা মপনগী মুংশিং মডাগী তমত্তনা চিঞ্জাক ... তু ... আচমন তৌনা (ঈশিং থরদং পৌত্তনা)

অন্তর্দাহ 'মন্তুগী মুংশিং (মচাক আহুতি পীরুনা কংশিনখবা চিঙ্ক অত্র থবা খবতা থুদোং অমসোনদা হক্তুনা বা ওইদনা চাগনি।

চাগদবা ৫পথকী মরমগী নিয়মদি অসিনি—

প্রাগ্ দ্রবং পুরুষোহশ্নন্ দৈব মধ্যে কঠিন নিচ।
পুনরন্তে দ্রবাশী তু বলারোগ্য ন মুঞ্চতি॥

অহানবদা মহি লাংবা পোৎ চাগনি, ময়াইদা অকনবা অকনবা পোৎ চাগনি, মমৈদা অমুক মহি লাংবা পোৎ চাগনি—অমুম তৌনবদি পাঙ্গল অমসুং স্বাস্থ্য মাংলোই।

করম্বা (রস) করনবা নতনদা চাগদবনা হাইবসু তাকলি ঃ—

অশ্নীয়াত্তন্মনা ভুক্ত্বা পূর্ব্বন্তু মধুরং রসং।
লবণাম্লৌ তথা মধ্যে কটুতিক্তাদিকং তথা॥

পুকনিং য়ামনা চংনা অহানবদা মধুর রস চাগনি, অদুগী মতুংদা থুম অমসুং অশিনবা, (অম্ল) রস অমসুং অরোইবদা অশাবা (কটু) অখাবা রস।

বাঙ্গলা লৈপাক্কী মথক্তা হাইরিবা মথং মনাও অসি লাক্কে। মফম অসিদদি পুনগন ওনবা পথাপ অমা চংনখনা অহানবদা অথাবা, মথংদা অশাবা (কটু) অদুগী মতুংদা থুম অশিনবা, অমসুং খরাইগা মমৈদা অথুমবা রস চানৈ। পশ্চাত লৈবক্কী ব্রাহ্মণশিংনা মথক্তা হাইরিবা শাস্ত্রগী মতে অদুগী মতু ইন্না চংনৈ।

চাবা হৌগংবগী আচমন (জলগণ্ডূষ) তৌবগী বিধি লৈবা অদুগুম্না চাবা লোইরবদসু আচমন তৌবগী বিধি লৈ। অমৃতগী নশক ওইরা। হৌশনা চানবা লোইবা বিধান অমসুং আত্তরণনি হাইরিবা চঙবিবা লোইবা অমনসু হৌশিনি অমসুং মাতগী আচমনসু হৌশিংনি।

ভোজনগী তপো আপোবা নিয়ম কয়ামুকসু হঙইখ্র, তৌইগুম্বসুং হীবন থুডিংমক খংলবা আর্য্যশাস্ত্রনা চাবগী হীবনগী দৈহিক অমসুং মানসিক স্বাস্থ্যগী যামনা নবী থোকই হাইরি। খাত্তুনা মসিগী মরমদা হীবন থুদিংমক শেংদোকনবা হেংনরমই।

গীতাদা চিঞ্জাক মখল অহুমগী ৱা হাইরি:—সাত্ত্বিকী চিঞ্জাক, রাজসকী চিঞ্জাক অমসুং তামসকী চিঞ্জাক। চিঞ্জাক অতম অসি থেননবা মতুং ইননা মানসিক ভাবসু খবদং হৌই।

আয়ুঃ সত্ত্ববলারোগ্য সুখপ্রীতি বিবর্দ্ধনাঃ।
রস্যাঃ স্নিগ্ধাঃ স্থিরাহৃদ্যা আহারাঃ সাত্ত্বিকপ্রিয়াঃ।

কট্বম্ল লবণাত্যুষ্ণতীক্ষ্ণরুক্ষ বিদাহিনঃ।
আহারাঃ রাজসস্যেষ্টা দুঃখশোকাময়প্রদাঃ॥

যাতযামং গতরসং পূতি পর্য্যুষিতঞ্চ যৎ।
উচ্ছিষ্টমপি চামেধ্যং ভোজনং তামসপ্রিয়ং॥

সরস (ঙগাওবা) স্নিগ্ধ (থাউবা) সমাব (মচি লৈবা) অমসুং হৃদ্য (পুক্নিং পেনবা) চিঞ্জাকনা সাত্ত্বিকী চিঞ্জাকনি। কটু, অম্ল, লবণ, উষ্ণবীর্য্য, রুক্ষবীর্য্য অমসুং উগ্র বীর্য্য ওইবা চিঞ্জাকশিং রাজসকী চিঞ্জাকনি। ইংনবা, মচি

ওইরবা, মনম নমশিবা, চক্তিক ওইবনা, অমসুং থমসুং শেং-দবা চিন্নাকতি সাত্বিকগী চিঞ্জাক ওই। রাজসিকী চিঞ্জাকনা পুনশি, পাঞ্জন, উৎসাহ (থবক পাঙথোকপা) লাইবা খুত্তাইবা অমসুং অপেনবা (প্রীতি) চাওথহল্লি; তামসিকী চিঞ্জাক অবাবা, শোক (শিবনা চিংবগী অবাবা) অমসুং লাননবগী মবম ওই। সাত্ত্বিকী চিঞ্জাক্কি সাত্ত্বিকী স্বভাব লৈবা মী—তনা পামই। রাজস স্বভাব লৈবা মীতনা রাজসিক চিঞ্জাক পামই। অমসুং তামস স্বভাব লৈবা মীনা তামসগী চিঞ্জাক চানিংই।

চাবগী মত্রগা চিন্জক্কী দোষ (অন্নদোষ) অহুম পোকন ওইবা য়াই হায়না লেপল্লে। (১) কশা চবগা অনাবা পোকই। (২) শাস্ত্রনা থিংবা পোৎ চানবা পাপ পোকই। অমসুং (৩) অপিংবা অমসুং নাকনা ওইবা পোৎ চাবগা হাবম অনিমক্কা কত্তবা পোকহনব মন দোষ পোকই। দোষ মথল অহুম অসি য়াওহন্দনা চাউ-ওইনা মশা মশাগী কননবা হোৎনবিগদবা ওই।

স্বাধ্যায়ে নিত্যযুক্তঃ স্যাৎ নিত্যমাত্মহিতেষু চ

স্বাধ্যায়দা (বেদ পাঠ) ইতত্তুনা তৌবগুমনা (হোজনগী মরমদা) মশাগী ফননবা হোৎনবদসু ইতত্তুনা হোৎনগদবনি

মসন অসিনা পথ্যাপথ্য বিচার তৌজনা চাননবগী (বিধি) পথান পৌশোথনিবনি। বিধিশি অসি শেমনা ধাতু কেন্নবা ঋতু খেন্নবা অমসু, হবচাৎগী অবস্থা খেননবগী মতুং ইননা পথ্যাপথ্য খেননবা অদু য়াম্না মথং মনাও নাইনা বিচার তৌবনি। ধাতুগী বিচারদা হাইরি—মীওইবগী ধাতুদি অবিমিশ্র ওইদে। হকচাং পুরুক বায়ু (মুশিং) পিত্ত (নশিন্না) কফ (লোক) দোষ ... নাইনা ... লৈ, মখাতই অসিগী মরক্তা থিং

য়াম্না লৈবা দোষ অতুগী মথিং লৌতনা নীওইবগী হকচাংবু দোষ অতুগী মী কৌই। তৌইশুবদুং শাস্ত্রনা লেপলবা ধাতু লক্ষণ পুম্নমক হায়েংলৈদা ইউরোপকী চিকিৎসা শাস্ত্রগী হীবম অসিদা মানহনবা তাই।

অনৌবা কাংবুনা বায়ু, পিত্ত, কফনী মথিং তাবদা নোক্নবা করিমু ওইদনা হায়েদোকই। অরোইবমক্তি শব্দশিং অসিনা হকচাংগী পোইদোকপা লক্ষণ থংহনবতনি। মাখোই অসি পারিভাষিক শব্দনি। মাখোই অসিদা থরোইননবগী নত্তুম করিমু লৈতে। চাউরাকনা হায়েববদি ইংরাজীদা 'নার্ভাস' হায়েবদু সংস্কৃততা বায়ু ইংরাজীদা 'বিলিয়স' হায়েবদু সংস্কৃততা পিত্ত ইংরাজিদা 'লিম্ফ্যাটিক' হায়েবদু সংস্কৃততা কফ কৌই। বায়ু প্রকৃতিগী মীগী লক্ষণদি অসিনি——

কৃশো রুক্ষোঽল্পকেশশ্চ চলচ্চিত্তোঽনবস্থিতঃ।
বহুবাক্যমতঃ স্বপ্নে বাতপ্রকৃতিকো নরঃ॥

মঠাং কংবা, মরেক পোক্তবা, শম য়ামদবা, পুক্নিং তপ্তবা তুম্না বা য়াম্না ঙাংবা অসিগুম্বা মীদি বায়ু প্রধান ধাতুনি (মুংশিংনা ভমবা হকচাংনি)।

অকালপলিতো গৌরঃ প্রস্বেদী কোপনোঃ বুধঃ।
স্বপ্নদীপ্তিমতপ্রেক্ষী পিত্তপ্রকৃতিরুচ্যতে॥

ঙনমা পোকহৌবা, কুচু ভৌবা, হুনাং য়ামনা থোক্নবা, শাউগনবা, লৌশিং শিংবা, মাংদা মঙাল (দীপ্তি) উগনবা অসিগুম্বা মীদি পিত্তপ্রধান ধাতুনি।

স্থিরচিত্তঃ সুবদ্ধাঙ্গঃ স্বপ্নলঃ স্নিগ্ধমুর্দ্ধজঃ।
স্বপ্নেজলাশয়ালোকী শ্লেষ্মপ্রকৃতিকো নরঃ॥

পুকনিং তপ্পা, হকহাং কনবা, তুমগনবা, শম শাংবা, মংদা ঈশিং লৈফম উগনবা অসিগুম্বা মীগী ধাতুদি কফ

প্রধাননি।

লক্ষণ পুমনমক অসি [illegible] দ ষাঙ্গ ধাতু থোকই। মাগী নাগী প্রকৃতিগ [illegible] হৃদ্‌না ধাতু মান্নহন্নবগী দনক অচা—অথক [illegible]নি।

পানাহারাদয়োযস্য বিরুদ্ধা প্রকৃতেরপি।
সুখিত্বায়োপকল্পন্তে তৎ সাম্যমিতিকথ্যতে।

নশাগী প্রকৃতিগী (ধাতুদোষগী) ওননা চাবি থকলিবা মী অদু নুংঙাইবা অমসুং ধাতু মাননবা ফংই।

মন্দস্তীক্ষ্ণোতি বিষমঃ সমশ্চেতি চতুর্ব্বিধঃ।
কফপিত্তানিলাধিকাত্তৎ সাম্যাৎ জঠরোনলঃ॥

জঠরানল (চিঞ্জাক তুমননবা মৈ) মথম মরি ওই অশোনবা. অকনবা, মাননদনা অমসুং মাননবা। কফ, পিত্ত অমসুং বায়ুনা তেনগৎনকপগী মতু ইননা মথংশিংনা মথম অহুম অদু ওই, অদুগা অমত্তম থে ইননা হেনগত্রগা মান্নবা (সম) ওই।

ধাতু বিচারগী মতুংদা মীওইবগী হকচাংগী তে ঙান তোঙানবা ধাতুগা ঋতু তরুক্তা হাঙ্গৈবদি থা তবানিথাইগা মরি থোক্‌মন্না অদু বিচার তৌদুনা লৈবাক অসিগী সূক্ষ্মদর্শী—প্রত্যক্ষজ্ঞাগী প্রমাণগী মশক ওইনা মথাদা ইদ্রিনা তথ্যশিং অসি পুথোকলে। হেমন্ত অমসুং শিশিরদা বায়ু কুপিত (হৃংশিং চাওখৎপা) ওই, বসন্তদা শ্লেষ্মা চাওখৎলি; গ্রীষ্মদা পিত্ত চাওখৎলি, বর্ষাদা বায়ু, পিত্ত, কফ

অত্নম্মক চাংখেংলি, শরুংতা পিংত চাওখংলি।

ধাতু অমস্তুং ঋতুগী মচং খংহল্লগা মী পুন্নমকনা মশা মশাগী চিঞ্জাক্কী বিচারদা থোইদোক হেন্দোকনা মতেং পাংননবগী দমক শাস্ত্রদা রসনা চিংনগী অপো অপোব। গুণ অমস্তুং কবন্থা ধাতুগা করন্থা রসগা কবমনা নরি থোকপা হাঙ্গবত্ হাঙ্গিরি।

(১) মধুব—পেলহনবা, পাঙ্গল কলহনবা, বীর্য্য চাওখংহনবা, হিংহনবা নুংশিং মাংহনবা।

(২) অম্ল—য়াম্না পামহনবা, লৈবু ৱাহনবা, ঈ-তোং চাওখংহনবা, নাইনচিংবা হকচাংগী অমোংপা হেনগংহনবা, চাখিবা তুমহনবা, কফ (লোক) হেনগংহনবা।

(৩) লবন—মাংখোকহনবা, চাখিবা তুমহনবা, পিত্ত চাওখংহনবা।

৪) তিক্ত—পিত্ত, কফ, উংগী লাঙ্গনা অমস্তুং অরুন—লাঙ্গহৌ মাংহনবা মযাই কাহনবা, চাবা তুমহনবা, অপাং অনোম অমস্তুং তিন মাংহনবা।

(৫) কষায—বস মাংহনবা, নুংশিং চাওখংহনবা, শ্লেষ্ম (লোক) মাংহনবা।

(ক) উষ্ণ—পিত্ত অমস্তুং বীর্য্য চাওখংপা থুনা তুম্বা, বাত শ্লেষ্ম দোষ মাংহনবা।

(খ) শীতল—পিত্ত মাংহনবা, পাঙ্গল হাপ্পা, কফ
অমসুং পোবহনবা, তুমগন্দবা।

ধাতু অমসুং মতম খংনা তোঙান তোঙানবা রস শি-
জিন্নববদি স্বাস্থ্য রক্ষা তৌবওই।

ঋতু খেন্নবগী মতুং ইন্না পথ্যাপথ্য অসি তমুকসু
শন্দোকনা তাকলি। অওইবমক্তি আয়ুর্ব্বেদীয় নত্রগা
চিকিৎসা শাস্ত্রবু মক ওইবা কাইদোংফম ওইহনতুনা পথ্যা
পথ্যগী নিযম পুম্নমক শেমবনি।

(১।২) হেমন্ত অমসুং বসন্তদা মুংশিং চাওখংলি।
(মাত্রু লাকনবগী দমক) অথুমবা, অশিনবা অমসুং থুমগী
রস শিজিন্নগদবনি। য়াম, শা, চুহি অমসুং ক্ষীরগী বিকৃতি
অমসুং নবান্নসু শাননৈ। মৈ অমসুং মুংশা যাইগদবনি,
হকচাং শেংদোকপদা ঈশিং অশাবা শিজিন্নগদবনি, খোং
অনিমক পাদত্রাননা (খোংউপ খুড়ুমনা) যোমশিনতুনা
থমগদবনি, অমসুং অরুমবা অমদি অমোনবা ফমুদা
হিপকদবনি।

(৩) বসন্তদা শ্লেষ্মা চাওখংলি, মৈ শোইহে। ঋতু
অসিদা মৈ কলহনবা থবক তৌগনি, হকচাং শাজেন তৌ-
গনি, হকচাং য়ু মনা লুনা থমগনি, নাশিক (নস্য) শি-
জিন্নগদবনি, অরিবা যব, গেহু (গোধুম), খোইহি অমসুং
শজিনা চিংবগী শা অফবা পথ্যনি (অনা চিপ্পাক)। মুংথিল
তুনবা থাদোক্কদবনি।

(৪) গ্রীষ্মদা পিত্ত চাওখৎলি। মতম অসিদা অ-ঙাওবা অইবা, মহি লাংবা অঙৌবা, শর্করা হাপ্পা থকনবা পোং অমসুং শঙ্গম যাওবা চেংগী চিঙ্খাক চারবদি গ্রীষ্মগী দোষ হৌই। মুনিং মূংবদা মু শিং শিংখা মফমদা তুমগনি। থুম অশিনবা অয়াকপা অমসুং অশাবা পোং চাবা অমসুং হকচাং শংঙ্গেন হম্বা তৌগদবনি।

(৫) বর্ষাদা নৈনিন কাবা অমসুং নোং চুবা মরম অনি অসিনা ঈশিংগী দোষ পোকই অমসুং ভৈবাগ্নি (চাবা তুনহন্নবা পুক্কী মৈ) শোকই। মাত্রুদা বাযু, পিত্ত কফ দোষ অহুম্মক চাওখৎনি। মতম অসি মৈ কলহনবা ধুনা তুমবা পোং, মাহুদি চেং অবিবা, জাঙ্গল মাংস (শজিনচিংবাগী শা) খোংনগী মহি, মুগ হৱাই অমসুং অশংবা গুহাগী ঈশিং শিজিন্নগদবনি; যামনা হেঞ্জিন্না নোনবা মুংখিল তুমবা অমসুং মুংশা য়াইবা থাদোক্কদবনি।

(৬) শরৎতা পিত্ত চাওখৎলি মতম অসিদা মিষ্ট, তিক্ত কষায়রস কান্নে। ইক্ষু শাল্যন্ন মুদগ অমসুং পুখ্রিগী ঈশিংনা পথ্যনি। তুষার, ক্ষার, অতিতৃপ্তি, দধি, তৈল, বসা, আতপ, তীক্ষ্ণাম্ল, দিবানিদ্রা অমসুং পশ্চিম বায়ু থাদোক্কদবনি।

মাত্তৌ অমুমনা তোঙান তোঙানবা ঋতুদা চানবা চিঙ্খাক অমসু শিজিন্নগদবা পোং তাকলগা হাঙ্গৈবি।

নিত্যং সর্ব্বরসাস্বাদ্যং স্বস্বাধিক্যাবৃতাবৃতৌ

মুনিং খুদিংগী নম পুননক্কী মতাও লৌগনি। অতু-ম্নদি ওইববদা ঋতুগী নতুং ইমা বুবলিবা (পরিবা) খুম অতূনা পোনহনগদবনি।

অওইবমক—উচ্চনিতাং প্রযুঞ্জীত স্বস্থ্য যেন প্রবর্ত্তিতে।

অজাতানাং বিকারানামনুৎপত্তিকরঞ্চযৎ

স্বস্থ্য বক্ষা ওইনা অমস্তং বিকৃতি ওইদ্রিবা অহস্র বিকৃতি ওইদনবা অতুগুনবা পথা অহ মুনিং খুদিগী চা-গদবনি।

কবিগুনবা ইংরাজী চিকিৎসা গ্রন্থ অমবগী পথ্যাপথ্য লেপ্পক হাঙ্গদবদি যামনা চঙ্গনখবে অতা মাওনা তৌবিনা ডাক্তরশিংনা মতুং পাংতবম্ব কবিস্ক লেপপা ওাবে। চপ নিক বানগী মনাংগী ইংরাজী চিকিৎসা গ্রন্থা মীওইবগী ধাতু লেমনগী কবিগুৰা বা অমত্তম্ব য়াওবে, মতম অতাদি ধতু থেনগী হিবন অসি কবি অমত্তা যাবগদে। লৌজিক বাতু ভেদ অসি বাবনম্ব হউ-দোপকী লাঙ্গাম্ব বগী লাইসিক্তা পোংতা চিংনাবু বম-বদগী পাম্বনা তোঙান তোঙান লাইলোকপগী ওন অতা ই। মন পুন্নমক অত খংনবা পথ্যাপথ্য নিংনবা কবস্ত নাংগী পাবে। ডাক্তরশিংনম্ব অসি মখেতা মখাই, মতুদি যবক্ষাবজান অতক অতুককী মতিক লৈবা পোং অতা অতকবী মতিক পঙ্গা কনহল্লি, অতুগা মতাওগী শকক (ম্লেচ্ছান) অতুককী মতিক লৌবদা পোং অতুনা অতককী মতিক পুমগনদ্ধ। তৌইগুম্বসং নবক্ষাবজান য়ামনা লৈবা অমস্তুং মতাও নামনা লৈবা পোং য়ামনা লৈবি, মাখোই অতগী মশক্তা কনবনা মীওইবী মশামা থুনা তুমদুনা হবচা নোইহনবা অমস্তুং কবম্বা মতমগা অনদি কবম্বা নওংদা হকচাংদা য়ামনা নত্রগা কাওবা অসিগুম্বা বা পুমনমক

অসি ভ ঙলগী ম কি পুনমক্তা থ.নিতুম্বু য়াওনা। অইংবা লৈবাক্তা লৈবা পাঙ্গল য়ামনা কনবা. হকচাংগী নৈ কনবা ইন্দ্রিয় চাওশাবা, হক্তুশনবা পাঙ্গল থাংপা অসিগুম্বা মীশিংগী মহক্তা লেংবা চিকিৎসা শাস্ত্র অমসুং শাস্ত্র অদু লৈবা মাইবশিংনা কৈথৈত্রম্বু ধাতু ঋতু হকচাংগী ভাব, অবস্থা অমসুং লোংকী মচং (স্বভাব) থনা পথ্যাপথ্য বিচার তৌনা হকচাং থহনবা অমসুং অনাবা ফহনবা হোৎনবা ভগনা লৈকতে। খবরহনিনা হ ঈ্‌নই—নক্ষ্যবরক (দ্রব্য) স্বনাবাঃ বিবক্তঃ স্বরূপম্‌ বুদ্ধং লোগনিগ্রহে বক্তু সমর্থাঃ।

তৌইগুম্বগু ঐখাক্‌গী ইবেবাকী চিকিৎসা শাস্ত্রশ দ্রব্যগুণ ইবিনা অদু প্রকৃত ত ভজভাদগী লৈকপা, দক্ষ বৈদ্যানিক লেশ্ম মন্দগী লৌকপা নত্রবা ওইবগুমনা মাত্র শিক্তিবদা মুকন অমসুং ধবক যানা পাই।

শাস্ত্র ভাবতবাগী মক মক ওইবা চানবা লৌকী গুণাগুণ ইচনা লৈ। ধাতু, ঋতু অমসু, অবস্থা বিচার তৌনা চিক্কাক পুম্নক অদু নিডিনন্না ভনলনবি হকচাং নিংশিজনা থহনবা যাই। মখাদা পুম্না কন্নুক পীবি।

(১) কৌমচিংবা (ধান্যাদি)।

(১) লৈনন্থিকধান্য—পুমশি থবাং অমসু কফ চাওথংহনবা স্থায়ী (লেংবা), ফব্বি থবাং চাওথংহনবা, মধুর।

(ক) লৈনন্থিক অনৌবা—কফ চাওথংহনবা, হাউবা, ইংবা, ফব্বি চাওথংহনবা, তুমগন্ধবা. মবেক থাদবা।

(খ) লৈনন্থিক অবিবা—রুক্ষ নৈ চাওথংহনবা।

(২) বোরোধান্য—মধুর অমসুং অম্লরস, পিত্ত চাওথংহনবা তুনশন্দবা।

(৩) গ্রীষ্ম অমসুং শরততা পোকপা কৌ মরক থাং-দবা, পিত্ত চাওখৎহনবা, তুনগানবা।

(৪) শামা—শোষক (মহি চুপশিনবা), মরেক থাংদবা, মুংশিং হৌহনবা, শ্লেষ্মা অমসুং পিত্ত মাংহনবা।

(৫) যব—কষায় (অনকপা), মধুর অইংবা, (থোংনগা) কটু (শাবা), কফ অমসুং পিত্ত মাংহনবা।

(৬) গোধুম (গেহু)—মধুর, লুমবা, পাঙ্গল হাপ্পা, স্থির (তপপা) ফনবি চওখৎহনবা বাত অমসু, পিত্ত মাংহনবা, শ্লেষ্ম পোকহনবা, অনাংবা শেংদোকপা।

(ক) করোক—ওবা, খোয়া বা, অতিসার, মেহ, মেদ, কফ, লোক খুবা (কাশ), পিত্ত দোষ পুম্নক অসি কোকহল্লি, মৈ কলহল্লি, থুনা তুমই। (পশা বিচারদা করোক থা-দোক্তুনা সাগু, বার্লি, অরারুট টেপিওকান চিংবা শিজিন্ন-বিবা অসি লোনম্বগী থুদমনি। চেং করোক, চেংপাক, শিঙ্গাড়া (হৈকক্না চিংবা), যব গেহু, চেং অবিবা অসিনা চিংবা বাননা হোংব। ঐখোইগী লৈবাক্কী পোত্তগী খোকপা পোত্তগী অনাবগী চিঞ্জাকসু অকনবা অহল অমসুং নুপা মচা নুপী মচাগী চবা য়াননবগী পোৎসু পুম্নক অসি ইরাঙ্গী ল্যাঙ্গনা ওইবা যাই। অহুমক্তদ' বিলাটকী চঞ্জিক ওইববা অমসুং রসায়ন্দগী (য়াম্মতুনা) থোকপা পোৎ যানশিল্লবা বিষকুই লংজগ্লসনা চিংবা মশিং নাইদ্রবা খুংশেম শমসুং ফগ্লবা চিঞ্জাক্তবু ঐখোইগী লৈবাক্কী মীনা ওন্থোকনা য়াম্মা

পামখ্রে অমসুং ভক্তি তৌখ্রে।

(৭) শিম্বি——(মগল মথা অযামবা মচুগী) মরেক থোক্তে। (অঙৌবা মচুগী) যামনা কৈ।

৮। হরাই—(মহৌশানা) (থোংলগা) মধুর পাক্কল কলহনবা, পিত্ত মাংহনবা।

(ক) মুগ—(অশংবা নাপু মানবা) কষায় মধুর, কলহনবা, পিত্ত মাংহনবা, থোইনা মুংশিং চাওহনদবা, চাক্কুবা।

(খ) মশুর (অঙাংবা)—সংগ্রাহী (ধারক), বল-বৰ্দ্ধক। মশুর (নাপু মানবা) তীল হোহনবা।

(গ) শংগোলহরাই—মুংশিং যামনা পোকপা, ঈংবা, মেং, মাংশ, কফপ্রদ।

(ঘ) অড়হর কফ পিত্তনাশক।

(ঙ) চানা—শীত, মধুর, মুংশিং হোহনবা, কফ, রক্ত পিত্ত মাংহনবা, পুংস্ত্ব মাংহনবা।

(৯) হঙ্গাম মরু—কটু, বাত মাংহনবা, উষ্ণ।

(১০) পোইরিং অমুবা—তুমগনবা, মেধা চাওথহনবা, রুচা পামনবা), গ্রাহী, কেশ্য।

স্নিগ্ধ বল্যোঽল্প মূত্রোষ্ণো ব্রণলেপহিতশ্চ সঃ
সমাধুর্য্যাত্তথোষ্ণত্বাচ্চ দেহ চৈব নিবনাশনঃ।

কষায়ভাবস্মাধুর্য্যাতিক্তত্বাচ্চাপি পিত্তহা।
ঔষ্ণ্যাৎ কষায়ভাবাচ্চতিক্তত্বাচ্চ কফেহিতঃ॥

[২] শাকাদি।

(১) পটোল—ফল ত্রিদোষনাশক, মাথী সকালা পিত্ত নাশক মথোকলা কফ নাশক অধিকন্তু রুক্ষ (মূল) বিরেচক (দাস্ত পরিষ্কারক)।

(২) বাস্তুক—(বেতো শাক) গুণে ভুমই অগ্নিবর্দ্ধক বলবর্দ্ধক, [বলকারক হালকা] তীক্ষ্ণ লাভলি, কমদিক ফশলি।

(৩) ব্রাহ্মী (পেরুক)—মেধা আয়ু স্মৃতি বর্দ্ধিনী জরা-দোষ নিবারিণী, কফপিত্ত নাশিনী স্বরশক্তি বৃদ্ধিকারিণী।

(৪) নিম্ব (নিম)—পিত্ত, কফ বমি, ব্রণ (উদ্ভিন্ন কিংবা অপোক্ব) কুষ্ঠাদি দোষ অধিকন্তু হৃল্লাস নিবারক।

(৫) মুলা (ছোট মুলা)—তুরগন্ধবা, অগ্নিবর্ধক পঞ্চরা ত্রিদোষকারী, [ভৌইগুরসং ফুংতুনা মুলধি] পিত্তকারী কফবায়ু নাশকারি।

(৬) পালঙ্কশাক—কফপিত্ত মাংহরা নবেক পোক্তরা স্নংশিত চাউইনবা।

(৭) নটিনা শাক — মধুর, শীতল, অজীর্ণকারী, পিত্তনাশক গুরু।

(৮) শুশনি শাক—ধারক, ত্রিদোষ নাশক, হকচাং শারা কোকহনবা।

শাককী মবমগী নচৈশানা হাঙ্গৈ—

শাকেষু সর্ব্বে নিবসন্তি রোগা রোগাহি দেহস্য
বিনাশহেতু।
তস্মাদ্ বুধৈঃ শাকবিবর্জ্জনঞ্চ কার্য্য্য তথাম্লেষু
তএবদোষাঃ।

স্নিগ্ধং নিষ্পীড়িতরসং স্নেহাক্তঞ্চ প্রশস্যতে।
সর্ব্বশাকমচক্ষুষ্যমজ্ঞ চৈব ময়ৈমথুনঃ।
ঋতে পটোলবাস্তূককাকমাচী পুনর্নবাঃ।

শাকতা অাৎা পুংবাও ঐল, অাবদী হকচাং মাংই, চদম অদিনা পৌশি, শিংদবি না শাক থাদ কপিগদবনি অমসুং অম্লগীস্থ অসিগুম্বা দোয অদি লৈবনা অম্লত থাদাকপী গদবনি। তৌইগুম্বসুং শাকবী ঙৈশং (মহি) নোথোকখ্রগ স্নেহগা লোঙ্গনা নিংথিজনা মুমহন্নবদি (থোংহুনা) শাকবী দোয কোরই। পটোল, বাস্তুক, কাকমাচী অমসুং পুনর্নবা নবো শাক পুননক মিংকী শুত্রগী পাঙ্গল মাংহল্লি।

(৩) ইনশাংগী মহৈমরোংমচিংবা।

(১) (ইবৈবাক্কৈ) (অনৌবা) মাইবেল—পিত্তহর (মযাই ৎইবা) মাইবেল—কফনাশক, (অরিবা) মাইরেল—থুনা তুমবা, অশাবা, দীপন, চনিঙ শেংদোকপা, দোষ পুম্নমক মাংহনবা, হৃদ্য, পথ্য। মাইবেল মরি—তুমগন্দবা, বাত অমসুং কফ মাংহনবা।

(২) আলাবু (খোংক্রুম)———ইংবা, তুমগনদবা, মধুরপিত্তনাশক, বাতশ্লেষ্ম পোকহনবা কফনাশক।

[৩) কারবেল্ল (কাবোট্র), কফ অমসুং পিত্ত মাংহনবা।

(৪) ঝিঙ্গা (শেংগাট)—কফপিত্তর তুমগনদবা, মল-বৰ্দ্ধক, বাতবৰ্দ্ধক।

(৫) ওল—দীপন, কফঘ্ন, কোষ্ঠশুদ্ধিকর, তুমগনবা শংশং থুংবনা কাম্নে।

(৬) মানকচু (ৱেনদেম) স্বাদু, শীতল, তুমগনদবা, ক্ষুধা মাংহনবা, কটু।

(৭) কচী—পাংখোক)—আমবাত পোকহনবা, তুমগন্দ-বা পিত্ত চাওখৎপা।

(৮) লফুমক অমসুং মউ—বলকাবী, তুমগন্দবা, বাত পিত্ত মাংহনবা।

(৯) লফুথবো—কফ মাংহনবা, তীল মাংহনবা, কুষ্ঠ—প্লীহাজ্বর হর দীপক মলশোধক।

(১০) খামেল—ইনশাংগী মমুংদা খৱাইদগী হেননা কৈ।

বার্ত্তাকুরেষা গুণসপ্তযুক্তা, বহ্নিপ্রদা মারুতনাশিনীচ।
শুক্রপ্রদা শোণিতবর্দ্ধিনীচ, হৃল্লাস কাশারুচি নাশিনীচ।

সাবাল্যা কফপিত্তঘ্ন. পক্কারুক্ষাচ পিত্তলা।
সদাফলা ত্রিদোষঘ্না, রক্তপিত্তপ্রণাশিনী॥

[8] লবণাদি (থুমনাচিংবা]

১। সৈন্ধব (সাবহুর)—ত্রিদোষনাশক. ধাতু পোষক চাক্ষুষ্য দীপক স্নিগ্ধ মধুর লঘু রেচক।

(২)—কফ বাত শোথ (ফুগান) গন্ডকুণ্ড (ফুরি) ব্রণ (উখিং) মাংহল্লি অ শেংদোকই।

হিঙ্গু (হীং) তীক্ষ্ণ ভুমদবা মাংহনবা, ভুমহনবা কফ অমসুং বায়ু মাংহনবা, কটু, পুকশিনবা কহনবা, উষ্ণ লঘু (থুনাভুম্বা)

(৪) এলাইচ (অচৌবা)—তৃষ্ণা ছর্দ্দি কফ বায়ু অমসুং শুক্ররোধ নাশক

(অপিকপা)—মূত্র কৃচ্ছ (ঈশিং লিকপা), হুংশং শ্বাস কাশ (লোকথুবা) কফনা কাননৈ।

(৫) শিং কফ বাত আম (তোল) মূলবর্দ্ধ শূল (অথিনব] মাংহল্লি, অমের ধাতু চাওথংহল্লি।

(৬) লাঙ্ক (গোপাক)—আষ্মান নমন্থ শূলনাশক দীপক, লঘু উষ্ণ।

(৭) মরিচ (গোলমরিচ) (তব্দা) আমের কফ বাযু শুক্র মাংহনবা।

(৮) ধ্যান (ফদিগোম) (অক্বা) —কফ বাযু দাহ ছর্দ্দি তৃষ্ণা নাশক।

(৯) কুমুদ উৎপল অনসুং পদ্মগী মথোক— -বাযুনাশক কষায পিত্তঘ্ন (থোলগা) মধুর।

(১০) থাউ—কষায অম্লবন্য কক্ষ (মরক থোক্তবা) দীপকউষ্ণ পিত্ত চাওখংহনবা।

(ক) মাংস (মহৌশানা)—বাতহন, বল্য, বৃষ্য, প্রীনন, (গাসবর্দ্ধক) তুমগনদনা।

(খ) মৎস্য (মাহৌশানা)—তুমগন্দবা, শুক্রবর্দ্ধক স্নিগ্ধ, মধুর, কফপিত্তবর্দ্ধক।
অপিকপা ডা—তুমগল্লনি, গ্রাহী, গ্রহিণী রোগ (ইপাট থোংহান্নদা) কাম্নে।

৫। সাধারণ ফলাদি।

(১) কথোয—হৃদ্য, অম্ল, উষ্ণ, বাতঘ্ন, গ্রাহী, দীপন, বৃষ্য, কষায়, মধুর, কফপিত্তগী বিরোধীনি।
(২) হৈনৌ (অশংবা) রক্তপিত্তহর, (হৈজিং শংমুন্নবা) পিত্ত চাংখংহল্লি (অমুনবা) বুচু যভহল্লি,

পাম্লিংভাই ওই, মাংস শুক্র অমসুং বহবর্দ্ধক, বাতনাশক হৃদ্য, গুরু অগ্নিদীপক।

(পেষী—আমসী। কষায, উষ্ণ ভেদিনী (মাংহনবা) কফবাতনাশক।

(৩) কণ্টাযল (খৈবোং)—মধুর কষায় স্নিগ্ধ শীতল, গুরুপাক, শ্লেষ্ম অমসুং শুক্রবর্দ্ধক।

(৪) কদলী (লফোই)—মধুর হৃদ্য, কষায়, অম্ল, শীতল রক্তপিত্তনাশক, রুচ্য বৃষ্য, শ্লেষ্মকর গুরু।

(৫) নারঙ্গা লেবু—হৃদ্য, অম্ল, অগ্নদীপক, কাশ, াস অমসুং অরুচি নাশক (চানিং থকনিংদবা কোকপা) তৃষ্ণানিবারক, কোষ্ঠশোধক।

লেবু (চম্প্রা)—চশিল হৈথুন; —মধুর, অম্ল পিত্তকর, গুরু সুগন্ধি, দুর্জ্জর, অগ্নিবর্দ্ধক, রুচ্য। তৃষ্ণা, শূল ছর্দ্দি অমসুং শ্বাস নিবারক।

(৭) তেতুলি—(অশংবা) বাতঘ্ন. কফপিত্তকারী (অমুনবা) অগ্নদীপক, রুক্ষ স্বর, উষ্ণ, কফবাতনাশক।

(৮) হৈনিং অামড়া)—মধুর, শুক্রবর্দ্ধক গুরু, শ্লেষ্মাল শীত. স্নিগ্ধ, হৈইন্তী —লবর্দ্ধকর।

(৯) বিল্ব (হেথাগোক—(অশংবা) কষায, উষ্ণ, পাচক অগ্নিদীপক, তিক্ত, কটু, বাত অমসুং কফ নাশক মল সংগ্রাহী (অমুনবা) সুগন্ধি মধুর, দুষ্পাচ [গুমগন্দবা] গ্রাহী।

পেষী—[হৈথাগোক মহৈগী মকুপ) কফ বাত আম অমসুং শূল নাশনি।

(১০) খুবী—চাবদা গুমগন্দবা, পিত্তঘ্ন, স্বাদু. শীতল বল অমসুং মাসপ্রদ (থোংপা পিত্তজ্বর অমসু পিত্ত নাশকনি। তৃষ্ণ অমসুং দাহ কারকনি।

(১১) পুংদোল—অম্ল, মধুর, সাধক (মাংথোকহনবা)

(১২) পানিফল (হৈককনচিংবা)—শীতল, ধারক, গুরু, পিত্তকর্ষ্মনি।

১৩। কেশুর—শুক্রপিবা, বাতপিত্ত মাংহনবা, শীতল

১৪। চু—রক্তপিত্তনাশক, বলবর্দ্ধক বৃষ্য, কফবর্দ্ধক। (থোংলগা) মধুর, স্নিগ্ধ, গুরু, মূত্রল (ঈশিং চংহনবা)

১৫। চিনি অঙাংবা (অঙ্গিবা)—বাতঘ্ন, রক্তপরিস্কারক পিত্তঘ্ন, মধুর, স্নিগ্ধ, বৃষ্যতম, চাক্ষুষ্য, বাতপিত্তনাশক, স্নিগ্ধ।

১৬। শর্করা (চিনি অঙৌবা)—পিত্তনাশক, ছর্দ্দিনাশক, শীতল, ব্রন শোধনকর।

১৭। হরিতকী [মনাহী]—ঋতু খেন্নবগী মতুং ইন্না সৈন্ধব-লবন, চিনি, শিং মকুপ, পিপুল, খোইহী, গুড় অসিনা চিংবগা লোইননা বর্ষাদগী হৌনা ঋতু মথং মথংদা চারবদি দোষ প্রসমক মাংহল্লি।

সিন্ধুত্থ শর্করা শুণ্ঠি কনামধু গুড়ৈক্রমাৎ
বর্ষাদিম্বভয়াসেব্যা রসায়নগুণৈষিনা॥

(১৮)——হৈগু। ঃ—

হরিতকী সমং ধাত্রী ফলং কিন্তু বিশেষতঃ
রক্তপিত্ত প্রমেহঘ্নং পরং বৃষ্যং রসায়নং॥

হন্তিবাতং তদম্লত্বাৎ পিত্তং মাধুর্য্য শৈত্যতঃ॥
কফং রুক্ষকষায়ত্বাৎ ফলং ধাত্রাস্ত্রিদোষজিৎ॥

হৈগ্রুগী গুণদি হবিতকীগা অজ্ঞানি, থোইদোকপদি অদিনি হৈগ্রু অসি রক্তপিত্ত অমস্তুং প্রমেহ (ধাতুগী অনাবা) মাংহল্লি, বীর্য্য অমস্তুং পুনশি চাওখংহল্লি, সিনবা মরমনা বাতঘ্নী, মাধুর্য্য অমস্তুং শৈত্য ওইনবা পিওঘ্নী অমস্ত অমস্তু কষায় ওইবনা কফঘ্নী হাঙৈবদি হৈগ্রুদি দোষ অহুম মাংহল্লি।

(৬) জলাদি।

ঈশিংগী গুণ তরেংখক লৈগদবনি। মাতু স্বচ্ছ, লঘু, শীতল, সুগন্ধি (মনম নমশিদবা অকবা লৈপাক্কী ঈশিং), সংস্কৃতরস (মশামক্তি স্বাদ লৈতে), হৃদ্য অমস্তুং তৃষ্ণানিবারক ওইগদবনি। (নুমিৎকী কিরণ নিংথিজনা যৈদবা অহু নক্রগা নুংশিংনা শেংদোকত্রবা অহুগুমবা "শশি-সূর্য্য কিরণানিলৈবজুষ্ট" ঈশিং অহু যামনা লূরবস্থ শ্রেষ্ঠা হেনগৎলি। মরম অসিনা পাইপক্কী (ঈশিং কলগী) ঈশিংসু নুমথোক্কদবনি)।

হাঙৈখ্রিগী লক্ষণ অসিনা তিনবা ঈশিং অহুতনা থাঙৈ শেংনমক হকচাংগী উপকারীনি।

(সোডা ওয়াটার, লেমনেড জিঞ্জরেড অসিনা চিংবা ক্ষাবন চিংবা য়াওবা পানীযদি অনুপকারীনি)।

সিদ্ধজল (ঈশিং তরুম্বা)—কাশ, শ্বাস জ্বর, কফ, বাত, আম, অজীর্ণ দোষ পুম্নমক অসি নিবারণ তৌই। মাসি খরদ বস্তি শোধক মাংখোকহনবা। অমস্তুং

পিত্তনাশক ওই। অরুচি, প্রমেহ, শ্বয়থু (ফুগামা), ক্ষয়, মন্দাগ্নি, নেত্ররোগ ভ্রম (উকিং), মধুমেহ দোষ পুম্নমক অসি লৈরবদি ঈশিং যামনা থকনোইদবনি।

ভাব—(যুবী অম্লুবা)—যুবীগী মহিদি বৃষ্য, স্বাদু, গুরু অমসুং পিত্তনাশকনি, যোইন্দাকপদি অঙাংবা যুবীগী মহিদি পিত্তনাইদগী পোকপা নাইনা মথৌ ফগনি। অমুনবা যুবীগী মহিদি অনাবা পনাহল্লি অমসুং লনই।

[৭] দুগ্ধাদি।

(১) শংগী শঙ্গোম—জীবনদম, বল [illegible], [illegible]নাশক, আয়ুর্বর্দ্ধক, পুষ্টিকরবা পোৎনি।

(ইউরোপীয় শিংনা জাহাজ তৌবগী মতমদা, নবম অনিনা মাখোইদি পর্য্যুষিত (পোখনবা) ওইবা [illegible] শি [illegible] চহী লৈনখ্রে। মাখোইনা জাহাজগী মঙ্গোম [illegible] তিক [illegible], মমল ওইনা সুইস-নিঙ অমসুং [illegible] উডান অসিনচিবা [illegible] পদার্থ যোনোকই। মতৌ অসুম ইংরাজী লৈবা শিংনা যুদ্ধদা লৈনা লৈনা মচানিংবু সুইস-নিঙ পিথকনবতা পোৎনৈ।

(২) ইরোই—সঙ্গোম—মধুর, অতিশীতল, গুরু নিদ্রাকারক, অগ্নিমান্দ্যকর (স্তোক্ষ), কফবাতঘ্ন (স্নিগ্ধশীত), পিত্তনাশক ওই।

(৩) হামেং সঙ্গোম—মধুর, শীতল, গ্রাহী, দীপননি, বাত পিত্ত অমসুং ক্ষয়কাশ না হল্লি।

(৬) সন্দনদ্ধ—(থুম থাকপা মঙাম) ছেঁড়া (থলতা চেংগা) দুগ্ধ, বিবৎসানী (কলা ভাওবগী) দুগ্ধ অমসুং পানইংসাগী (নচা নৌবিনীগী) দুগ্ধ থাদাকনি। বাগলংসাগী হাউবদি পোকপা মতুং দুগিং ভবানিনী মতুংদা মঙ্গান লৌদা লৌগে।

[৮] দধ্যাদি।

(১) গব্যদধি—রস তন্ন, স্নিগ্ধ, (থোংলগা) দীপক অমসুং বলবর্দ্ধনি।

(২) ঈলোইগী দধি—অতিস্নিগ্ধ, রক্তপিত্ত প্রসাদক, (থোংলগা) মধুর, গুরু, শুক্র বলবৃদ্ধিকর। দধিনা যন্না শাঙদবদি ঈগী দোষ পোকহল্লি অমদি কফ অমসুং পিত্ত দোষ পোকহল্লি।

(৩) ঘোল—(ঈশিং যাওদনা) পিত্তঘ্ন, বাতঘ্ন, কফবর্দ্ধনি।

(৪) তক্র—(ঈশিং মশু অমা হাপ্পা) লঘু, কষায়, অগ্নিদীপন। সৈন্ধবলনগা তিন্নবগা বাতঘ্ন শর্করাগা তিন্নবগা পিত্তঘ্ন অমসুং ত্রিকটু অমদি ক্ষারগা তিন্নবগা কফঘ্ন ওই।

(৫) গব্যঘৃত—চাক্ষুষ্য, রসবর্দ্ধক, (থোংলগা) মধুর, শীতল, রক্তপিত্তনাশক। "আয়ুর্ব্বৈঘৃতং"।

(৬) মাহিষঘৃত—(ঈরোইগী ঘী)—স্বাদু, মধুর, শীতল. গুরু, বাতপিত্তনাশক অমসুং কফবর্দ্ধক ওই।

বিরুদ্ধ ভোজ্য
(তিন্নবা য়াদবা চিঞ্জাক)

(১) গ্রাম্য পশুগী মাংস, অনুপজ (ঈশিং যামনা লৈবা দেশতগী থোকপা) মাংস, ডাঙথল পুন্নক, শ-গোলহরাই, গুড, মূলা, সজিনা শাক অমসুং যঙ্গোম মখোই অসি অমগা অমগা তিন্নহল্লোইদবনি।

(২) ঘীগা খোইহিগা অমসুং মাংসগা মূলাগা থোংবা অসি থাদোক্কদবনি।

(৩) ইক্ষু বিকার (চুদগী থোকপা পোৎশক) অমসুং খোইহীগা ভাগা থোংবা তোবোইদবনি।

৪। চক্রিক অমুক হনম্না শাহন্নবদি মাহ থাদোক্কনবনি।

৫। দধি, তক্র দুগ্ধ অমনি কোনা মাংগা নফোইগা চারোই বনি।

৬। কদৌৱৈদম্ অমুনবা মাদার ফলগা যঙ্গোমগা তিন্নবা চাবোইদবনি।

৭। আমড়া গোঁড়ালেবু, মাদাবফল, করমচা, কোচা, কামরাঙ্গা, কুল, চালিদা, জাম, কতবেল. তেঁতুল, আখরোট কাঁঠাল. নারিকেল. দাড়িম, আম্রসকী অমসুং অশিনবা পুন্নক যঙ্গানগা তিন্নবা য়াদে।

[৮] (খোইহীবু) শাহন্মুনা থকপা হৌনদে।

[৯) শেঙ্গেংগী পাত্রদা মুনিং তবানি চুপ-। হৈরগা ঘী অদু চারোইদবনি।

চানবা চিঙ্খাককী মনুংদা আয়ুর্বেদ সম্মত ওইব গুণ দোষনচিংবা হাঙ্গৈরগা অমসুং মাপ্পোইগী মরক্তা অমগা অমগা বিরুদ্ধ অমসুং সম্বন্ধ ওইবগী খুদম কয়ামুক্তুং পীরগা শাস্ত্রনা হাঙ্গৈ "অপথ্য ভোজন অমসুং বিরুদ্ধ ভোজন ভৌ-বদগী পোকপা দোষদি বিরেচন, বামন, শয়ণ অমসুং (মতুংদা হাঙ্গৈবকলিবা) হিত ভোজনগী গুণনা * শম ওইবা ফংবা ওসই; থোইদোকপদি নহা ওইরিবা, ব্যায়াম তৌরিবা নত্রগা পাঙ্গল কনবা অমসুং মৈ কল্লিবা মীশিংগী মশাদদি দোষ অসি মকন অযানবদা করিসু ৎ ইদবথো থোকই। ভৌইগুম্বসুংদু স্মৃতি শাস্ত্রগী নিষিদ্ধ দ্রব্য চারুবদা পোকপা পাপ অহুদি অসুমনা অরেমবা ওইদে।

---

* অনুকূলভক্ষ্য কযামুক্তী উদাহরণ।

নারিকেল অমসুং তালশাঁসগী—(অনুকূল) তণ্ডুলোৎপন্ন (চেংদগী থোকপা পোং)। হৈনোগী—যঙ্গোম। ঘীগী—লেবুরস, জামরস, তম্বরসফল। কফুথরোগী—বী। গেহুগী—কাঁকড়ি। নারাঙ্গাগী—গুড। ডাগী-হৈনো (অশংবা) খোইহীগী—থাউ। থৈবোংগী—লফু। চেংগী—যঙ্গোম (অ-রাংবা)। কোনাগী—বকুল। ভাজাপিঠাগী—সিদ্ধ পিঠা, ভাত। পায়সগী—মুদগশূপ। করলা (কোরবোট), মূলা খোংক্রম, পুই, পামঙ্গ, পটোল অমসুং নাটিয়াগী—শ্বেত শর্ষপ। মটর, কেশুর, খেজুরিয়া, গরগী—শিং। ওলগী -গুড়। জানগী—থুম। খিচড়ীগী—সৈন্ধব। দধিগী—লবন অমসুং ঈশিং

ব্যায়ামগী মরিদা শ্লোক কয়ানকম মৌশংতুনা হাপলি। কুপ্পি তেংবা মুগুর হাইবা খেংনা চংতুবা পাইবা, ঙাংবাইবা অমানচিংবতনা নৈবাক অসিগী মতিক চানা ব্যা-যামনি (হকচাং শাজনি)। বয়স অমসুং হকচাংগী অবস্থা মতুং ইনবা তোঙান তোঙানবা মখলগী ব্যায়াম তৌ-গদবনি। ব্যায়াম তৌবনা নাই। মাসিদা নত্তনা এক'-দশীগী উপবাস তৌবদি দশমীদগী হৌদিং হুন্নি ব্যায়াম তৌরোইদবনি।

ব্যায়ামো হি সদা পথ্যো বলিনাং স্নিগ্ধভোজিনাং
স চ শীতে বসন্তে চ তেষাং পথ্যতমঃ স্মৃতঃ

সর্ব্বেষ্বৃতুষু সর্ব্বৈর্হি পুম্ভিরাত্মহিতার্থিভিঃ।
শক্ত্যার্দ্ধেন তু কর্ত্তব্যো ব্যায়ামো হন্ত্যতোঽন্যথা।
কুক্ষিললাটগ্রীবাস্বা যদা ঘর্ম্মঃ প্রবর্ত্ততে।
শক্ত্যর্দ্ধং তদ্বিজানীয়াদায়তে ত্যা। মেহত।
লাঘবং কর্ম্মসামর্থ্যং স্থৈর্য্যং ক্লেশসহিষ্ণুতা।
দোষক্ষয়োঽগ্নিবৃদ্ধিশ্চ ব্যায়ামাদুপজায়তে॥

ব্যায়ামং কুর্ব্বতো নিত্যং বিরুদ্ধমপি ভোজনং।
বিদগ্ধমবিদগ্ধং বা নির্দ্দোষং পরিপচ্যতে॥

ন চ ব্যায়ামসদৃশমন্যং স্থৌল্যাপকর্ষণং।
ন চ ব্যায়ামিনং মর্ত্ত্যং মর্দ্দয়ন্ত্যরয়ো বলাৎ॥
ন চৈনং সহসাক্রম্য জরা সমধিগচ্ছতি।
রক্তপিত্তী কৃশঃশোষী কাসশ্বাসক্ষতাতুরঃ॥

ভুক্তবান্ স্ত্রীষু চ ক্ষীণো ব্যায়ামং পরিবর্জ্জয়েৎ।
বাতপিত্তাময়ী বালো বৃদ্ধোঽজীর্ণী চ তং ত্যজেৎ॥

শাস্ত্রগী য়াহে অসি খৱদং নেকশিন্না হোৎনজুনা মুন্না খংজিনগদবনি। অণ্ডং অমস্তুং অপবা মীনা নিংই, চান-নবা পোং চাবা, মাহুদগী কবিগুন্না লাইনা অমত্তা পোক্লক্কদবা নৈমরদি মাহুদা অমূক কবি দোষ লৈবিবগা ? যোইদোকপা অমদি সর্ব্বভক ইউরোপীয়শিংনা হাইনবা অনাদ অমিনি, নিদা চখিবা অহুগীদমক পাপ ওইদে. চিংদগী যোকলকপা অতগীনমক (হাঙ্গৈবদি য়াইহৈনচিংবা) পাপ ওইবা যাই। মামি অচুম্বা য়া নত্তে, অণ্ডা গুম্বা তুংগা উদবা শিংগী য়ানি। অন্ন দোষগী অনাবত্তা নত্তনা যাৎনা নুবা দেযস্থ থোকলকপা যাই। চাবগী দোষ হৌনা মীওইবগী "স্বভাব" হোৎখি। অহাইনজুম শরীর ষত্ত্রদা পাকক্রিয়াদা নৈথাইবগা শস্তুকবণন চিংবা থোকনিং-[illegible] লোহনা অস্তুববগী বৃত্তিদা (মাস্তু) সংক্রামিত ওইগনি হাইবসিদি মশানা তাবনি। [illegible] দোষ [illegible] অসি পুরুষ অমদগী মাতুগী অথং পুরুষ অমা [illegible] সুক্ষ্মতর্ম শরীরনা ইন্দ্রিয় অমিনা মদন ওইজনা [illegible] ওইবা [illegible] মত্ত্বগী বিবেধী ওইবা [illegible] চাবা যাদ হাইনা নিংশনই।

'লশুনং গৃঞ্জনঞ্চৈব পলাণ্ডুং কবকানিচ।
অভক্ষ্যানি দ্বিজাতীনাং অমেধ্য প্রভবানিচ'॥

নেম, গাজ্জাব, ভিলাহৌ, ছত্রাক (উযেল) অমস্তুং অমেধ্য (যথা বিষ্ঠাদি) দগী পোকপা পোং পুন্নক দ্বিজা-তীনা চাবা যাদে।

ইন্দ্রিয়না যামনা পেনবা পোংনা চিংবগী মবমদস্থ, পোং অহু লাইদা বংতনা চাবা য়াদে হাইবসি শাস্ত্রগ

অককপা নিয়মনি।

বৃথা কৃষর সংযাবপায়সাপূপমেবচ।
অনুপাকৃত মাংসানি দেবান্নানিহবীংষিচ॥

(আত্মপ্রীতিগী দমক্তা শাবা) কৃষর (থোইদিং চেং-ভৌহনা শেম্বা পোং) অহু নত্রগা সংযব (ঘী ক্ষী গুড গেহনা চিংবগী মকুপ ভৌবা পোং) অহু নত্রগা পায়স অহু নত্রগা পিষ্টক চাবোইদবনি; অতুগা সংস্কৃত (লাইদা কত্রিবা) মাংস, দেবান্ন (দেবতাগী নৈবেদ্য) অমসুং হবি চারোইদবনি।

হাঙৈথরিবা পোৎশিং অসি য়ামনা রুচিকর অমসুং তৃপ্তি-করনি। দেবতা অমসুং অতিথিগীদমক শাববনি পোৎশিং অসিন মীগী লালসা পোকহনদুনা প্রকৃতিগী ক্ষুদ্রতা থোকহনবা ঙমদে। মরম অসিনা দেবতা অমসুং অতিথিগী উদেশ্যদা শেম্বগী পোই-দোকপা বিধিনি।

অতৈ পোৎ কয়ামুকসু নিষেধ তৌখি। মচা পোকপা মতুং হুনিৎ তরাখিগী মসুংদা ষবী, উট, লোলা, একসকেরমেষী, ইবোই অমোম, হামেং রমোন অমসুং সন্ধিণী (বৃষগী দমক ইচ্ছাবতী ওইদিবী) ষবী অমসুং মচা শিখরবা নত্রগা মচা থাপনা লৈগববী ষবীগী মখোম চাবোইদবনি।

নিষেধ তৌদিবসিগী মসুংদা পথ্যগী বিচার য়াওরি, হয়ুগা চাবদা সাত্বিকতা ঙাকননবগী উপায়সু য়াওরি। মরম অসিগুম্বা অবস্থাদা ষবীনচিংবগী মখোম থকপা থাঙ্গৈশেংনা মানননবা অমসুং পুকনিংগী হম্বননবা ওই, অদুগা ষঙ্গোম অহনক শুমদোকপসু

চৎনরকপা মতু ইন্না নৌরিবা মচাশিংগী মকমদা য়ামনা মুংসি হৈতনা শোংদোকই।

মতমগী মতুং ইন্না বিকৃত (ফংলকত্রবা) ওইথ্রবা পোং পুন্নমক চাবা য়াদে। বিকৃত ওইবা পোং চাবরদি সত্ত্বগুণধু থিংবা অমসুং তমোগুণবু চাওখৎহনবা ওই। মরম অসিনা দধি অমসুং দধি—সম্ভব দ্রব্যনচিংবা নত্তনা মথম্ম পুন্নমক্কী শুক্ত চাবা য়াদে। মধুর রসগী পোংনা মতম-গী মতুং ইন্না অম্লরস ওইবরুবদি শুক্ত কৌই, সির্কা বিনিগার কাঞ্জিকা অসিনচিংবা। মপাল, মরু, মউ অমসুং মহৈনা চিংবদগী শেমবা শুক্ত অহু ময়াই কাহ্না ভাওহন্দ্র-বদি চাবা য়াই।

নোংমদা অনিরুক্ত চান্না চারোইদবনি। অমুক্তগী হেন্না চাগ হাঈরবদি ফলমূলনচিংবা চাগনি।

"দিবা পুনর্নভুঞ্জিতচাস্যত্র ফলমূলয়োঃ।"

অতৈম্ম ছুষিতান্ন মথল কয়ামুক লৈরি, মাহুদি:— ময়াই কাবা শাউবা অসিনচিংবগী অন্ন (চিপ্পাক) অ-রাবা তারবা মীগী অন্ন, বিদ্বানগী গুগুপ্সিত অন্ন, ক্রুরগী অন্ন, শত্রুগী অন্ন, পিশুনান্ন, মিথ্যাবাদীগী অন্ন, দুষ্টান্ন (লাউনা কৌহুনা পীবা অন্ন) গনান্ন (ময়াগী থোংবা অন্ন), অবজ্ঞাদত্ত অন্ন বাকৃদুষ্ট (রাহৈ ফত্তনা হাঈ-ত্তনা পীবা) অমসুং ভাবদুষ্ট (ভাব ফত্তনা থনদুনা পীবা) অন্ন, ভ্রুনঘ্নী (মচা য়ৈথবা) মুপীনা উথ্রবা দুরানথগী অন্ন, গায়ককী অন্ন, দ্যূতরগী অন্ন, ব্যাধগী—

অন্ন, স্ত্রীজিত (নুপীনা ওমবা) গী অন্ন খোমনা শোকপা অন্ন, রজস্বলা ওইবানা শোকপা অন্ন, গণিকা (বেশ্যা) গী অন্ন, ভুক্তোচ্ছিষ্টান্ন (লুখাক), উচ্ছিষ্ট ভোজীগী (লুখাক চাবগী) অন্ন, সূতিকান্ন (নৈনিং কুমলগী অন্ন) জননাশৌচ (মচা পোকপনা মাংহল্লবা) অন্ন, পতিত ওইবা মীগী অন্ন, অবক্ষুতান্ন (হাকথি খজিল্লবা— অন্ন,) মরনাশৌচান্ন (অশিবগী অমাংবনা মাংহল্লবা অন্ন) ব্যভিচারিণীগী অন্ন, বাদ্ধুষিক্কী অন্ন, শত্রু অমসুং তীনগা মরি লৈবা অন্ন।

মথক্তা হাঈখ্রিবা নিয়েব তৌবিবা পুন্নক অসিগী মতুংদা ব্রাহ্মণ কয়ামুক অসি ঐ মাত্র হাঈনা নিংউ— পুকনিং লাংতক্কহনবা, চিনবা পোকহনবা, শাগুনিংহনবা, তুক্কচহনবা, অশুচি ওইহনবা অপীবগী ব্রাহ্মণ, নক্ত্রগী থৌরাং শেংনা অপাকানী ওইবা। অসিহন্নবা ভোজন অসি থাদোক্কদবনি। মাধিনা পুকনিং নকপা পোকহল্লি।

মাস তিথি বারক্তিংদা তিংবা ভোজন কয়াক অদুগী মতমদা বরিবদা চুক্তি অন্ত "একভক্তদিনা উপবাস চুনবে; অদুনদি ওইনবদা শাস্ত্রগী অপেবা বিধি অতৈ অমাংবা তৌবা নত্তা। অনুদ্দনবা নিষিদ্ধ ওইবা পোংবী ভাগিকা হায়দি।

শয়নদা হাউরবদি অন্নগী শক্রা এরা শীনগী বাতিকবী শুক্লা দ্বাদশী মাতবা খৈশিরা, পতিন, বরবটি কলম্ব কলমী শাক (কো-প্রোক) থাদবন, কতকোন চানাইদবনি। কার্তিক মাসদা শা, ঙা চাবা ক্ষৌরকর্ম। কর্তিগী শুক্ল পক্ষগী একাদশীদগী পূর্ণিমা ফাওবা "বক পঞ্চকনি" হায়না কয়ানিমক অমসু শা ঙা চাবা ইত্ত্রা য়াদে। ভাদ্র মাসদা অলাবু অমসুং মাঘ মাসদা মূলা চাবা য়াদে। সংক্রান্তি হুমিতা শা চাবা য়াদে।

প্রতিপদতা মাইরেন্দ, দ্বিতীয়াদা বৃহতী তৃতীয়াদা পটোল চতুর্থীদা মূলা, পঞ্চমীদা হৈথাংগোক, ষষ্ঠীদা নিম্ব, সপ্তমীদা কোনা মহে, অষ্টমীদা নাংস অমসুং যুনী, নবমীদা থো ক্রম দশমী কলমী, একাদশীদা শিম্বি, দ্বাদশীদা পূতিকা, ত্রয়োদশীদা বর্ত্তাকী, চতুর্দ্দশীদা শগোল হয়াই অমসুং মাংস, পঞ্চদশীদা (অমাবস্যা অমসুং পূর্ণিমা-দগী) মাংস। হাঙ্গথিবিবা তিথিদা হাঙ্গথিবিবা পোৎ পুম্নমক চাবা য়াদে।

নোংমাইজিংদা শগোল হয়াই, ঙা, শা, মসূর, নিন, শিং অমসু শাক (মনা-মশিং) চাবোইদবনি।

নৈপাক পোকপা মুনিত্তসু শা চাবা য়াদে।

অতোবা কোনা মহে, বর্ত্তুলাকার ওইনা তুমবা অলাবু, কুম্দ গুমনা তোবা বার্ত্তাকী, অতোবা কুস্তুম্ভ শাক, অতোবা কলম্বী চাবোইদবনি।

সুপাদি কদোংঙদসু শা চাবোইদবনি।

চাবা থিংবগী বিধি পুম্নমক অসি লৈদ্রবসু শাস্ত্রনা তমুক হায়রিবনই :—

প্রাণস্যান্নমিদং সর্ব্বং প্রজাপতিরকল্পয়েৎ।
জঙ্গমং স্থাবরং চৈব সর্ব্বং প্রাণস্য ভোজনং॥

সৃষ্টিকর্ত্তা প্রজাপতিনা পুম্নমকপু প্রাণগী চিঞ্জাক ওইনা শেম্বিরনই। স্থাবর জঙ্গম পুম্নমক জীবগী চাননবনি।

হাঈবদি--"চানন্বা চিঙ্গাক ৱাংলক্লবদি" চাবা য়াবা য়াদবা বিচার তৌরোইদবনি। থৱাই হিংনবগী দমক পোৎ পুমমক চাবা য়াই।

চাংবা মতমদা মাহাক মাবাক্তী অতীষ্ট—দেবতাদা অন্ন কংকধবনি মা মানা চাবা অহূনক মাগী হাপী দেবঅদা কংপা য়াই।

যদন্নঃ পুরুষোরাজন্ তদন্নাস্তস্য দেবতাঃ!

অন্ন পরিবেশনগী মরম বিধি অমদি অসিনি—

লবণং ব্যঞ্জনঞ্চৈব ঘৃতং তৈলং তথৈবচ।
লেহং পেয়ঞ্চ বিধিধং হস্তদত্তং ন ভক্ষয়েৎ॥

থুম, মত্রগা ইনশাঃ, ঘী, থাও, লেহ্য (লেকদবা), পেয় (থকদবা) করিগুম্বা অমত্তং খুংনা পাঈজনা য়েন্নবদি চারোইদবনি

মকম অসিদা ইনশাংনচিংবা য়েনবদা পরিশুদ্ধ ওইনা তৌদ্রবদি বিক্কনা অমমুং ক্পা পোক্কুনা পুকনিং মুংভাইতবা পোকই হাঈবা অদুগী মরমদা য়েংশিন্নকইবনি।

যো ভুঙ্ক্তে বেষ্টিতশিরা যশ্চভুঙ্ক্তে বিদিঙ্মুখঃ।
সোপানৎকশ্চ যো ভুঙ্ক্তে সর্ব্বং বিদ্যাত্তদাসুরং॥

মকোক্তা ফী পুন্দুনা, অতোপ্পা মাঈথৈদা য়েংদুনা নংত্রগা মখোংদা খোংউপ উপতুনা ভোজন তৌরিবা নী অদু

অসুর ব্যবহার তৌরে। সাত্ত্বিক ভাবকী বিরোধী ওইবা লমচং পুমনমক অহনা রজো গুণ চাওখৎহল্লি, মরমঅদুনা থিংলিবনি।

অনারোগ্যমনায়ুষ্যমস্বর্গ্যঞ্চাতিভোজনং।
অপুণ্যং লোকবিদ্বিষ্টং তস্মাত্তৎ পরিবর্জ্জয়েৎ॥

যামনা চাবগা হকচাং নাদবা ওইদে, পুনশি ময়েং তাই, স্বর্গ কংবনবা মরিদা যৈথাই, মাসি অপবিত্র অমসুং মীগী বিদ্বেষজনক ওই,, মরম অসি যামনা চাবা থাদোক্কদবনি.

যামনা চাবা হাঙ্গৈবসি যামনা তোন্নবা অমসুং শেংদ্রবা (অপবিত্র) লমচংনি। মাসি কত্রবা তমোগুণগী চংনমনি। মরম অসিনা যামনা কন্না খামলিবনি।

চাবা লোইরগা আচমন তৌ তপথরোইদবনি।

ভুক্ত্বাচামেদ্ যথোক্তেন বিধানেন সমাহিতঃ।
শোধয়েন্মুখহস্তৌচ মৃদদ্ভির্ঘর্ষণৈরপি॥

চাবা লোইরগা বিধি কাইদনা নিংথিজনা আচমন তৌগনি. কচাগনবা লৈরবদি চিল অমসুং খুত্তা লৈপাক অমসুং ঈশিংনা হকফুনা শেংদোক্কনি। চিল, খুং অমসুং মরম অতৈ অতৈনগীসু পুকনিংগী পবিত্র ওইবা অদু ঙাকবনবগী দমক্তা বিধান অসি পীরিবনি।

তৈইগুমসুং আচমন হেক তৌরপা শুচি ওইবা নত্তে। ইমুংদা মগড়ী (নুখাক) তাডনা লৈরা অদুসু শাস্ত্রনা নিষেধ তৌই।

আচান্তোহপ্যশুচিস্তাবৎ যাবৎ পাত্রমনুদ্ধৃতং।
উদ্ধৃত্যাপ্যশুচিস্তাবৎ যাবন্নোচ্ছিষ্টমার্জ্জনং॥

আচমন লোইরবসু ভোজন পাত্র শেংদোকত্রিবা যাউবা শুচি ওইদে, অদুগা ভোজনপাত্র শেংদোকলবসু লুখাক-চগুন শেংদোকত্রিবা মখৈ শুচি ওইদে। মথক্কী নিয়ম অসি ওাকপা মরমনা গৃহস্থগী মযুমদা লুখাক চগুন চাইথোকপা ঙমদে মতুদি চাব হেক লোইবগা পাত্র হেক লৌথোকগা অমসুং মফম অদু শেংদোকই, যুম-কৈ নমথিদে, কাক, হুই, হোদানা থোকউ থোকউবা মফমদা লুখাক—চগুন চাইথোকপা ঙমদে। হৌজিক্কী মতম অসিদা ইমুং অমার বদা অহিংগী লুখাক্কী কোন অদু মতুংগী নুমিংতা কেং-দোকই। মাসি অহিন্দু (হিন্দু নত্তবগী) লমচৎনি।

পানা চাবগী মরমদা ইরিং——

পর্ণমূলে ভবেদ্ব্যাধিঃ পর্ণাগ্রে পাপসম্ভবঃ।
জীর্ণং পর্ণং হরেদায়ুঃ শিরা বুদ্ধিপ্রণাশিনী॥

পানা মনাগী মূলনা ব্যাধি পোকই, মতোননা পাপ পোকই, অপুনবা মানানা পুনশি মযেং তাই অমসুং মনাগী মশিংনা বুদ্ধি মাইহল্লি। বিধি অসি লৈবনা পানা মনাগী মথোক, মতোন অমসুং মশিং লৌথোকলগা পানা শেমবগী নিয়ম লৈবাক অসিদা চৎনবিবা অসিনি। কনা কনাগুম্বা সুগৃহস্থনা মনাগী মশিং পুমনমক লৌথোকপা হৈনখ্রে। মহারাষ্ট্রগী ব্রহ্মণশিংগী মরক্তদি বিধি অসি য়ামনা নিংথিনা ঙাকই। পানা য়োংখ্রগা অমুক হন্না

আচমন তৌহনা অনায়াসপ্রদায়ীনি কুর্য্যাৎ কর্ম্মাণ্যতন্দ্রিত."—থে ইলোকপা অহ্রাবা তৌদনা ভোবা য়াবা থবক অহুত থবাই পুৱনমকনা নাদনুত্তা তৌগনি।



চতুর্থ—অধ্যায়।

অপরাহ্ণ, সায়াহ্ণ অমসুং রাত্রিকৃত্য।

চাথকপা লৌইবগা সুস্থ অমসুং প্রশান্ত চিত্ত ওইহনা আনন্দা ফমলগা তরুক শুবা তরংশুানচি বা বামার্দ্ধপা তৌপঙ্বা থবক্তা চংগদবনি। যানার্দ্ধ পুননমক অতুদা পুকনিংদা উদ্বেগ লৈতনা চিত্তগী প্রসাদজনক ওইবা অমদি ধর্ম অমসুং জ্ঞানগীহু চাওথংনবা ওইবা ক্রিয়া পুম্বনক্তা পুকনিং চংগদবনি।

হৌজিক্কি অযামবা ব্রাহ্মন মচানা নুগুণ থাংবা মতমদা পীথিবা য়ুৎং (মা দিবা স্বাপ্‌সীঃ=নুংথিনদা তুম্‌ঘাইদনবনি) কাউত্রনা চাবা লোইবগা তুমবা হৈনখ্রে। তৌইগুনবসুং মাহু শাস্ত্রনা থিংই।

দিবাস্বপ্নং ন কুর্ব্বীতস্ত্রিয়শ্চৈব পরিত্যজেৎ।
আয়ুঃক্ষীণা দিবানিদ্রা দিবাস্ত্রী পুণ্যনাশিনী॥

নুংথিল তুমলোইদবনি—স্ত্রীসংসর্গ তোবোইদবনি; নুংথিল তুমবনা পুনশি ময়েং তাই অনসুং নুংথিল স্ত্রীসঙ্গ তৌবনা পুণ্য মাংই।

তৌইশুবসুং নুংথিল তুমদনবা হাইহনা শাস্ত্রনা অরেম্বনা মতম মাংহনগদবা নত্তে। ব্রহ্মণনা তাস, চৌবর অমসুং নিকোল শান্ন-বনচিংবা দ্যুত—ক্রীড়া তৌবা য়াদে।

দ্যূতমেতৎ পুরাকল্পেদৃষ্টং বৈরকরং মহৎ।
তস্মাদ্দ্যূতং ন সেবেত হাস্যার্থমপি বুদ্ধিমান্॥

থাইনা মমাংঙৈদা দ্যূতনা অমগা অমগা য়ানবা য়েকনহনথরে মরম অসিনা লৌশিংশিংনা নীনা নুংঙাইনবগী দমক্তা ওইরবসু দ্যূত—ক্রীড়া তোবোইদবনি।

আর্য্য শাস্ত্রনা দ্যূতনচিবা ক্রীড়া অনত্তা আশ্রয় পীবাঙমদে। আর্য্য শাস্ত্রনা মতম নৈবখিবিক্তা কার্য্যকারণগী মরমদা নিত্য অনসুং দৃঢ় ওইবা তমশিনবা হোৎনৈ অনসুং মফম পুদিংদা মরু শুনগী নীচংনি। দ্যূতনচিংবা লাইবক য়েংবা থৌরম নৈনক্রমবদি কার্য্যকারণগী বিচারদা নৈনবা অত্র হয়নকই অনসুং করিসু ওই-দবা হীবনদা পামবা হেঞ্জিলক্কুনা তমোগুণ নোইহলি। মরম অসিনা স্তেতুনগী মতুংদা তৌগদবা তশেং তশেংনা তাকলি।

ইতিহাস পুরাণানি ধর্ম্মশাস্ত্রানি চাভ্যসেৎ।
বৃথাবিবাদবাক্যানি পরীবাদঞ্চ বর্জ্জয়েৎ॥

ইতিহাস পুরাণ অমসুং ধর্ম্মশাস্ত্রনা চিংবা অভ্যাস তৌগনি, তত্থুগা অয়েমবা খংবা অমসুং পরনিন্দাগী আলোচনা থাদোক্কদবনি।

অত্থুগী তুংদা মুংথিল অয়োইবা শরুক্তা কোইনা লেন-নবগী দমক মপান থোক্কদবনি অমসুং মীগা অকবা য়ারি য়াতাই শাগদবনি।

অহ্নঃ শেষং সমাসীতশিষ্টৈরিষ্টৈশ্চ বন্ধুভিঃ।

মতৌ অসিগুম্না ষষ্ঠ অমসুং সপ্তম যামার্দ্ধ অমসুং অষ্টম যামার্দ্ধগীসু শরুক খরা ছোত্থগা মুমিৎ তাগদৌরা দণ্ড অমরোম য়াংলিত্তৈদা * সায়ং সন্ধ্যাগী মতম ওই-রকলগনি।

মফম অসিদা সন্ধ্যাকৃতগী মরমদা য়া অমত্তং তাকনবা হোৎনগে। প্রাতঃ সন্ধ্যা, মধ্যাহ্ন সন্ধ্যা অমসুং সায়ংসন্ধ্যা সন্ধ্যা অহুম অসিগী মন্ত্রনচিংবা ইমান মাননবগুম তৌই, মাখোইগী অনুষ্ঠান্দি অত্থুগুমনা মখং অমত্তা ওইদে। "অহরহঃ সন্ধ্যামুপাসীত" বৈদিক বিধি অসিগী মতু ইন্দুনা সন্ধ্যাবন্দন তৌগদবনি। সন্ধ্যাবন্দনগী থবককী উদ্দেশ্যনা

* মুসলমাননশিংগী মততা মীয়াম তিম্রদুনা "এবাদত" তৌবা হোনৈ। তৌইগুমসুং মুপা মুপী তিন্নদুনা তৌবা য়াদে। মুসলমানশিংগী অনিগুবা এবাদতকী মতমদি মুংথিলগী হৎক অনিদা অমা অমসুং অহুমগুবা এবাদতকী মতমদি পোৎকী মমিনা শরুক অনি ওইদুনা মুমিৎ তারমদাই কাওবা। মরিগুবা এবাদত মুমিৎ মঙাল লৈথিরবা মাওবা। এ গুবা এবাদতা তুমলংদাইদা নত্রগা ওমলবদি নোংয়াইদা তুমবগী হৌগৎতুনা।

য়ামনা লুবা ওইত্রবদি মাসিগী অভ্যাস অসি অম্নক য়ামনা কনশিন্না থানম্মোইদবনি অমসুং মাসিগী মাত্রা -ত্রগা ময়েক অমতং হেক চিংথনদা প্রবৃত্তিগী বিধি নৈনম্মোইদবনি। উদ্দেশ্য অহু করিনো অমসুং কযামুক লুবগে হায়রিবা খংবনা চুমই।

সন্ধ্যা বন্দনাগী মন্ত্রশিং অসি খজিক্তুং মুন্না য়েংশিল্লবদি মন্ত্রশিং অসিগী মনুংদা কযামুকনা বৈদিক ঋক্ অমত্তা কযামুক অমনা পৌরানিক ধ্যাননচিংবা যাউবি হায়বা খংবা ঙমই। থবদং পুকনিং চংনা য়েংশিল্লবদি থক্ পুন্নক মহুগী মগল অমা ওইনা ব্যাখ্যা তৌগোকপা অসি পৌরানিক মন্ত্রশিং অহু উদ্দেশ্যনি অমসুং উদ্দেশ্য অহু পুনন বগী দমক্তা অনি অসি থাদোকনবা যাদনা পাকনচুনা নৈবিরনি। অদুগুম্বা গুরু অহুগী কৃপানা কনাপ্পুনবনা সাত্বিক দৃষ্টি ফংলবদি সন্ধ্যা বন্দনাগী মনুংদা ব্রহ্মণ জীবনগী থবাইদগী হেনবা উদ্দেশ্য পুন্নমক যামনা তশেং তশেংনা খংবা ঙমদুনা পামনা তোজবগা নহে যানবা ঙমই।

তাইবংপানবগী হিরম পুম্নমক্কী গঠন প্রণালীগী মতৌ গুমনা সংস্কৃত শাস্ত্রগী গঠন প্রণালীদা মপম পুম্নমক্তা স্তরভেদ (মবোন মরোন নাইবগী থেন্নবা অদু) উবা ফংই। সংস্কৃত ব্যাকরণদা সূত্র, বৃত্তি অমসুং উদাহরণ স্তর অহুম অসি নৈবগুম্না সংস্কৃত দর্শন, পুরাণ অমসুং বেদদসু স্তর লৈ। স্তর অমদগী অতোপপা স্তর অমবু লৌথোকনবা তোংনবা কাম্নদ, মায়নবনি অমসুং তৌহৈদে। ইউরোপকী থাংনা সংস্কৃত শাস্ত্রগী মকু থোক্লু-

ববদি থুংতা মকতা লৈরোই। "অমৃত ওইবা পোং পাম্নমকতি" মাংখি।

ইউরোপকী পণ্ডিতশিংগী মত মতুং ইননা ব্যাখ্যা তৌবগা সন্ধ্যোপাসন' অসি জড়োপাসনতনি অহৃগা। অতি কষ্ট কল্পনাসুম্ভ জড়োপাসনাগী মন্ত্র ওইনা কল্পনা তৌবা যাদবা মফম পুননমক অহুনা "প্রক্ষিপ্তনি" হায়না লেপ্পা ডমগনি।

অহুগুমবা মন্ত্রগী অমসুং অমুদক ব্যাখ্যা থাদোকপগা অহানবরা হায়গদবদি অসিনে----সন্ধ্যাবন্দনা লেনগংখিবা স্তব মহুম অদুগী মুক্তি অমত্তনা পুথকপা যাবা থাঙ্কু লেংবা অমসুং অর্শৈবা তাৎপর্য্য অদুতা ঐখোইনা খংগদ-বনি।

ঋক্, যজু সাম বেদ অহুম অসিগী সন্ধ্যোপাসনা চপ মান্নদ্রবস, চাউরাকনা অমত্তনি। যজুর্ব্বেদ অমসুং সাম বেদগী সন্ধ্যাদি অমগা অমগা খজিক্কা মখেননৈ। ঋগ্ বেদগী সন্ধ্যাদি মাখোই অনিনকতগী খরা যামনা থেনসৈ। ঋগ্বেদগী সন্ধ্যাগী মন্ত্রদা ঋককী মশিংনা হেল্লি, সাম অমসুং যজুর্ব্বেদগী সন্ধ্যাদা থোইদাকপদি সামদা মাখোই অদুগী (ঋককী) মফমদা "নমো হুত্ত" মন্ত্রগী পাঠ যাওই।

মবন অসিনা বেদ অহুমকী সন্ধ্যাদা সাধারণ ওইনা যাওবা মন্ত্রনা চিবা পাম্নমক অদুতনা থম্বাইদগী হেন্না লৌবা হিরম হায়বি হায়দুনা মাখোইগী অপো অপোবা তাৎপর্য্য উত্তুনা সন্ধ্যা বন্দনা অসি কবিগীদমক ব্রাহ্মণনা ণ চংদা অদুক ছেনরিবদো ঙাইবা অদুতা খাহুরুদবা হোংনরগে।

সান্ধ্যোপাসনা উদ্দেশ্য অসি পৌরানিক বচন অমনা যামনা তশেং তশেংনা হাঈদুনা লৈ।

নত্বাতু পুণ্ডরীকাক্ষং উপাত্তা ঘপ্রশান্তয়ে।
ব্রহ্মবর্চস কামার্থং প্রাতঃসন্ধ্যামুপাস্মহে॥

পুণ্ডরীকাক্ষবু খুরুমদুনা তৌত্রবা পাপকী শান্তি অমসুং ব্রহ্মতেজ ফংননবগী দমক প্রাতঃ সন্ধ্যাগী উপাসনা তৌবি।

প্রাতঃ সন্ধ্যাতবু হাঈরি হাঈদুনা অতোপ্পা সন্ধ্যা অনি অদু থংনদবা নত্তে। শাস্ত্রগী মততা সন্ধ্যাবন্দনাগী উদ্দেশ্য অনিনি। অমনা উপাত্ত হাঈবদি পোকথবরা পাপ মাংহনবা, অতোপপা অমনা ব্রহ্মতেজ ফংবা।

হৌজিক্কি অহানবা উদ্দেশ্য অসি পৌত্রনা য়েংশি। করিগুম্বা উদ্দেশ্য অমা সাধন তৌগে হাঈরবদি মাত্রগী অনুকূলদা শক্তি শিজিননগদবনি। শক্তি হাইবসি মখল অহুম পোকনা থোকপা উ—জ্ঞান শক্তি, ইচ্ছাশক্তি অমসুং ক্রিয়া শক্তি। সন্ধ্যাবন্দনমা পাপ মাংহনি হাঈবা অদি, মাত্রগী অনুকূলদা করম কবনবা শক্তি বু করম তৌনা শিজিন্নবগে?

(১) সন্ধ্যাগী অহানবা হাঈবদি স্নান মন্ত্রদা ঈশিংগী মরমদা বাহ্যমল শুমনা অন্তর্মল হাঈবদি পাপ কোক্কনবগী ইচ্ছা প্রকাশ তৌই। মতৌ অসুম্ব ইচ্ছা য়াওবা স্নান ক্রিয়াদা ইচ্ছা শক্তি অমসুং ক্রিয়া শক্তি শক্তি অনিমক্তী থবক পাংথোকই। তৌইগুম্বসুং শক্তি অনি অদুগী মথক্ত খোংনা লৈরিবা অমসুং মাংওইনরিবা জ্ঞানশক্তিসু যাওরি। স্নান মন্ত্র অদুগা লোঈনরিবা পাপ কোক্কনবা মন্ত্রনা

হকচাংগী অমোংপা কোকহক্রিবা ঈশিং অহ্রমকনা হকচাংবু য়োকথংলি অমসুং সৃষ্টিগী থৌরমদসু ঈশিং অহুমক অহানবা শেম্বা পোংনি; ঈশিং অসু পরমশিবতত্ব রসগী মশকনি মাদু ঐখোইনা শোকনবা ওমই হাঙ্গৈব্রি। মরম অসিনা স্নান মন্ত্রনা ক্রিয়া, ইচ্ছা অমসু: জ্ঞানশক্তি অহুমক পশি কোক্লনবগা শিজিন্নৈ।

সন্ধ্যাগী অনিশুবা মন্ত্রদা প্রাণায়ামগী আদেশ তৌরি। প্রাণায়ামগী থবক্তা অঙ্গ অহুম ওরি। অহানবা, নিশ্বাস-পূরণ, ধারণ অমসুং রেচন। অনিশুবা, থবক পুম্নমক অহুগী মথংদা থোইদোঙদা সৃষ্টিকর্ত্তা ব্রহ্মাবু, থমোইদা পালনকর্ত্তা বিষ্ণুবু, অমসুং লাইবক্তা সংহারকর্ত্তা শম্ভুবু ধ্যান তৌবা। অহুমশুবা, মথক্তা হাঙ্গৈখ্রিবা ক্রিয়া অমসুং ধ্যানগা লোইননা "বিশ্বব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক ব্রহ্মানা ইশান ভাব্দুনা লৈ" হাঙ্গৈবা তাৎপর্য্যার্থ য়াওবা মন্ত্র পাঠ তৌবা। মকম অসিদা উবা ফংই, প্রাণায়ামগী অহানবা অঙ্গনা ক্রিয়া শক্তি, অনিশুবা অঙ্গদা ইচ্ছা শক্তি, অমসুং অহুমশুবা অঙ্গদা জ্ঞানশক্তিগী থোকদোকপা বিকাশ ওইরি। প্রাণ:-য়াম প্রক্রিয়ানা হকচাংগী মশক ওইবা অপিকপা ব্রহ্মাণ্ডগা বিশ্বগী মশক ওইবা অচৌবা ব্রহ্মাণ্ডগা তোঙানদে হাঙ্গৈবা উত্থুনা পাপ মংহন্দা হোৎনখি।

মাসিগী মতুংদা আচমন প্রকরণনি। প্রকরণ অসিদা মুবাক ময়াইদা ঈশিং লোরগা মাহুগী শরুক য়োৎশিন্নগা অকেন্বনা কোক্তা থিকনবনি। মাহুদা ক্রিয়াশক্তি কোংদোকই। অদুগী মতুংদা মমাংদা তৌখ্রিবা সন্ধ্যোপাসনাদগী ওইরক্রিবা সন্ধ্যাগী মতম কাওবা হকচাং অমসুং পুকনিংনা

করিগুম্বা পাপ কার্য্য কৌখিবা লৈরবদি মাত্র অপুমবা মাংহল্লবগী তীব্র অভিলাষ কোংলোকলিবা অদু ইচ্ছাশক্তিগী থবকনি।—(প্রাতঃসন্ধ্যাদা) বাহ্য জগতকী থুমিংকী মহুং শ্রমোইগী অদুগা জন্তুজে যাতিদা, (মধ্যাহ্ন সন্ধ্যাদা) দেহ ১মুং লেইগী য়ামনা নকনবা সম্বন্ধ নিংশিংদুনা ঈশিংদা, (সায়ং সন্ধ্যাদা) পরমাত্মাগী অরেপ্পা জ্যোতিংগী মশক ওইবা মৈদা পাপপু আহুতি কংথোকনবনি। ভাব পুম্মক অসি জ্ঞানশক্তিদগী থোকপনি। মরম অসিনা আচমনগী থবক্তসু শক্তি অহুম্মক সিজিন্নবনা পাপ মাংহনবা ওই।

সন্ধ্যোপাসনাদা পাপ মাংহনরবগীদমক ক্রিয়াশক্তি ইচ্ছাশক্তি অমসুং জ্ঞানশক্তিবু মতম অমত্তদা য়ামনা য়ামনা শিজিন্নরে, তৌইগুম্বসুং "অনুতাপ" তৌবগা পাপ মাংই হাঙ্গইদুনা থরাইনা। হাঙ্গনবা লৈবা অংগী করিগুম্ববা য়াহৈ অমত্তম্ হাঙ্গইত্রে। মাহুগী মরমদি "অনুতাপ" হাঙ্গরগা পোং অনি থংই; (১) পাপকী মরম্মা য়াবা অমসুং (২) মাত তৌননবগী অচেংপা য়াশক। অনি অদুগী মগুংদা অহানবগী অতনা পাপকী মহৈ চাবতনি অমসুং অনিসুবনা ইচ্ছাশক্তিগী থবক্তগী তৌওানবা নত্তে। মরম অসি পাপীগী কর্তৃত্ব লৈবিবা "অনুতাপ কী" শরুক অ তত পাপ মাংহন্নবগী মরিদা য়াম্মা কান্নবা শরুক অদুও ইচ্ছাশক্তিগী শমুং চল্লি, মরম অসিনা মাসিগী মরমদা তৌওাম্মা ইরনম্বে।

সন্ধ্যোপাসনগী অনিশুবা উদ্দেশ্যদি—
বহ্মতেজ কাংনবনি, হৌজিক মাত পাপ অমম্বা অমুবা অতৈশিনা কৈমবা মংংলী অমসুং কাইবা কাংনবা ক্রিয়াদা

পাংথোক্পা তম্লগদগে হায়বদু বিচার তৌবতারে। "ব্রহ্ম-তেজ" হায়বসি য়াম্না পাম্না মিরণা হেক কংবা য়াবা পোৎ নত্তে। ঋষিশিংনা "মোং [illegible] [illegible]" [illegible] উৎলিবা ব্রহ্মতেজ [illegible] [illegible] হাক্তোকখৎলা নত্তে। মরম অসিনা ইচ্ছাশক্তিগী কনশিনবা মতু, মরম অসিদুদি কায়রে; অয়োইবমক্তা মাসি সিদ্ধিগী মরক্তা থম্লংই য়েংথোক্নবা ওই। ইচ্ছাশক্তি হুম্বনা ক্রিয়াশক্তিসু হুৎহে। মরমদি মখোই অনিমক মন্নাগুণাম্বকনি। ইচ্ছা য়াংপা মকমদদি থবকসু য়াংদি।

মরু ওইবা য়াদি জ্ঞানশক্তিদনা ব্রহ্মবর্চস কংনবগী মরমদা মুখ্য অধিকারনি। সন্ধ্যোপাসনাগী হৌফিক কাণ্ডবা বিচার তৌগদবা য়াংদিবা মুখ্য প্রকরণ তনি অদুদা জ্ঞানশক্তিগী থবক পাংবা ওমগা অদু তশেং তশেংনা ফোংদোকই। জ্ঞান হায়রগা বুদ্ধিবৃত্তিদগী থোকপা পদার্থ গ্রহণবু খংগদবা নত্তে. ভাববৃত্তিগী মরূ ওইবা বস্তুগ্রহণসু খংগদবনি। পোৎ তিনশিল্লবা থাইদোকপনা তথ্য খংবা হায়বসিনা জ্ঞানগী অঙ্গ ওইরগনা, ফজবা খংবা, অডকপা, [illegible] ভক্তিনচিংগা য়াওবা অমসুং শোংলগা ভাব পুল্লমক অসিনা পুকনিং পাকথোক্লকনবা অমসুং য়াংখং-লকনবা হোৎনবসু জ্ঞানগী অঙ্গ ওইবা থবকনি।

সূর্যোপস্থান হায়দুনা সন্ধ্যাগী থাক নম্রগা মন্ত্র লৌ, মাঙ্গনী অহানবদি থেক্লকলিব ভুমিংগু উঙ্গা। জীবনা পিক থম্না কৌলা ভগতগা সুঙ্গাইবগী ঈক্যংনা ঈহোরকই নাসি মুংলাইবা অতুগী চাংদম্নিডাই কৌন্তবা ঈশেগী মলক্কি। 'তাইবংপানবু ফোংদোকইমলংগ ([illegible]) [illegible]

মতাল্ পুন্নমকনা তুমিংপু (থাজংতুনা) পুরকপি। তুমিংনা অতিয়া অমসুং পৃথিবীগী মিংকী মশকনি ; মসুং স্বরূপ জজরাচিংবা জগত পুন্নমকী মাঙ্গানি।" সূর্যোপস্থানগী মতমদা পিক্লিররিবা মুদ্রাগী মথল অমত্তু উরগা উপাসকনা তুমিংকা তিন্নখিনবা থৌরাং তৌরি হায়বসি থংবা তমই। বিশ্বব্রহ্মাণ্ডগী মফমদা লৈবা অসিগুমবা প্রেম অমসুং ভক্তিনা থলবা মিংয়েং অসিনা পুকনিংগী ঔদার্য্য অমসুং পবিত্রতা হেনগৎলকই। সূর্যোপস্থানগী মতুংদা সূর্যমণ্ডলগী মফুংদা অমুক্তা গায়ত্রী কৌবী, মধ্যাহ্নদা সাবিত্রী কৌবী, সায়াহ্নদা সরস্বতী কৌবী অমত্তা ওইবী মহাদেবী অত্তুবু কাল অমমদা রূপ অহুম থোকনা ধ্যান তৌগদবনি। শক্তি অমৎতনা তোঙান তোঙানবা মতমদা তোঙান তোঙানবা মওক (রূপ) ওই হায়বা মাথল অসি অভ্যাস তৌরগা তত্ত্ব জ্ঞান চাওখৎলকই। করিগুমবা অমা ফংনবগীদমক য়াম্না অভিলাষ তৌবা হায়বসি কত্রবস্ লৌবা পামদ্বনা ফংনবা হোৎনজবস্ (করিগুমবা অমতং) ফংবা লুই। মরম অসিনা ব্রহ্মতেজ ফংনবগী দমক মতম পুন্নমকতা ফংবা ঙম্নবা অভ্যাস তৌবা য়াম্না কান্নে। অভ্যাস অহুম চংশিলহন্নবগী দমক গায়ত্রী জপ তৌবগী বিধি থমলিবনি। গায়ত্রী জপ তৌবদা করিগুমবা প্রার্থনা অমতা য়াওদে, করিগুম্না লপামবা অমত্তু কোংদোক্তে, করিগুমবা অপরাধ অমত্তুস্ স্বীকার তৌবা (ক্ষমা) নৈত্তে, করিগুমবা অতোনবা (দীনতা) অমত্তুস্ থংহনবা নৈত্তে. "ঐখোইগী বুদ্ধিবৃত্তিবু থাগিরক্লিবা (শেমবীরক্লিবা) ব্রহ্মতেজ অত্তুবু ধ্যান তৌই" হায়বা খা অসিতা মতাম্নি।

ক্ষুদ্র ব্রহ্মাণ্ডগা বৃহদ্ব্রহ্মাণ্ডগা খেন্নদনা উবা অসি অসুম অসুম হৈনরকলগা "অভিমান মাংখি অমসুং ত্রাইবুপানবগী ঙিংনম্বগী মরম ওইরিবা সূর্য্যজ্যোতি অসিমকনা ঐগী আত্মা ওইনা লৈরিবনি হায়বা অসি ইতত্ত্বনা ধ্যান নত্রগা চিন্তা তৌহুনা হেক থংবা ঙমবগা "যো সাবাদিত্যে পুরুষঃ সোঽহমস্মি" নত্রগা (তত্ত্বমসি) থংবা অসি চেংশিল্লি— গাসিমক ব্রহ্মজ্ঞাননি। ইতত্ত্বনা ধ্যান নত্রগা চিন্তা অসুম অসুম তেরগা তদাত্ম ওইবা ঙংই। অমসুং লনবী অসিমত্তনা মরম ওইহুনা ব্রাহ্মণনা ব্রহ্মতেজ ফংবা ঙমই। সন্ধ্যা তৌরগা জ্ঞান অসিগী লম্বীদা চংশিনবা ঙমই হায়দুনা মাসি অসুক য়াননা মশুপ চাউবিবনি অমসুং গায়ত্রী জপ তৌবনা সন্ধ্যাকৃতগী মরু ওইবা শরুকনি হায়রনা লেপপরে, মরম অদুনা মাসি "ব্রহ্মচিন্তা" দনি।

সন্ধ্যানুষ্ঠানগী মরমবা পোইনোকপা বিধিনি, "মন্ত্রার্থ জ্ঞানে যতিতব্যঃ।" মন্ত্রগী অর্থ লৌবা ঙমনবগী দমক চেকশিনগদবনি। সন্ধ্যাবন্দনাগী থাক্স শেংবা অর্থং থংবা অসি মাংবিবগুন তৌরবদি কনাগুম্বা ব্রাহ্মণ নচা অমত্তনা অত্তোপ্পা ধর্ম্ম অমা লৌনিংবা ঙনলপ্পোইদবনি।

সন্ধ্যোপাসনাদি নিত্যক্রিয়ানি। তৌইগুমসু মাসিগী মহৈ হায়রি মাথদি——

সন্ধ্যামুপাসতে যেতু সততং সংযতব্রতাঃ।
বিধূতপাপাস্তে যান্তি ব্রহ্মলোকমনাময়ং॥

পশ্চিমাভিমুখ নত্রগা বায়ুকোণাভিমুখ ওইদুনা সায়ং সন্ধ্যা তৌগদবনি অমসুং মংদা লৈবা অতিয়াদা নক্ষত্রচাক উবা ফাওবা গায়ত্রী জপ তৌগদবনি।

অহিংগী অহানবা যামদা হাঙিবদি পুং ৬ তগী ৭ তাওবগী মনুংদা হুংপিজ্ঞা তৌথিরবা থবক পুম্নমক লৈনবগা (নিংশিংনগা) কাউদ্রবা তৌরেৎখিবা ঠৈবকাপ্ত মতম (বিধি মতুং ইয়া তৌগদবা থবক মতম) তৌগদবনি।

নিষেধোদিতানি কর্ম্মাণি প্রমাদাদকৃতানি চ।
শর্ব্বর্য্যাঃ প্রথমে যামে তানি কুর্য্যাদতন্দ্রিতঃ ॥

হুংপিজ্ঞা তৌগদবা পুম্নমক অদু প্রমাদ হাঙিবদি কাউড়বা নত্রগা কয়িরমবা অমাবা তাবদগী তৌদ্রবদি পুম্নমক অদু অহিংগী অহানবা যামদা তৌগোকদবনি।

বিধি অসি লৈবনা হৈজিককী অমাবা মতম অসিদা মীগী থাননা থুংদোং চাংব। মধ্যাহ্নসন্ধ্যা, দেব পূজা, তর্পণ, হোম, বৈশ্বদেব বলি, নিত্যশ্রাদ্ধ, অতিথি সংকার অমসুং গোগ্রাস দান, থবক পুম্নমক অসি ১ কুয়া তৌবা ব্রাহ্মণ মচাশিংগী মতম-মদি মিমুখ প্রায় ওইরকে। কনা কনা খুদং মধ্যাহ্ন সন্ধ্যা তর্পনমাচিংবা প্রাতঃ সন্ধ্যা মনাচিংবগা তিনশিন্নবা তৌথোকই, তৌইবমসুং অতোপপা থবক পুম্নমক্তি তৌদবনা তোকপোক-পাত মখই। মাথোই অদু অহিংগী অহানবা যামদা তৌথোকপা নাদু ওইরবদি নিত্যকর্ম্মদু হন্দোকপা ঙমগে।

অমোইবনক নিত্যাচারগী অনুষ্ঠান পুম্নমক মতম চানা তৌরবা, মোনকাললাবু ওইরবদু তৌনমবগী থবক মাপনা মাথং চেকশিন্না হাঙ্গে। অনুষ্ঠানগী পাঙ্গৈবা তমগনবগী হিরমগা সংকার অদু চেকশিনজি। মরম অদুনা কার্য্যশাস্ত্রা অনুষ্ঠানদু মাঙনা চাউবা থাবৎশিন্নমাননে থাইনা নিংই। অনুষ্ঠানগা মপাঙ্গী থবক

থাওবা মরুমদগী লিলিং অমসুং তোং পুমনমক হাৎচক মখাকপু শিক্ষিতগনবা তোঙান তোঙানবা থবক্তা চাওখৎলি অমসুং মরম অদুনা শিক্ষা মথৌ পুমনমক, সংস্কারনা চেকশিনবা অমসুং স্থির ওইবা ঙম্বা ঙমই। ঐখোইগী ইংরাজী তৈবা নব্য সম্প্রদায়না অনুষ্ঠানশিংদা শ্রদ্ধা লৈথিদবগুম তৌখে; তৌইগুমসু মাখোইবু ভক্তিপূর্বক শিখিবা কউরোপিয়ানশিংনা থৌরম অমাগনা "ড্রিল' নত্রগা অদমখাকপন তৌগনলি, মাদু ইতবুতনা উৎসবমক্তা নাট্যনক অঙ্গ সঞ্চালনগী হাঙবা খংবা ঙমখিদ্রে অনুষ্ঠানগী মরু ওইব অংগি অমা অমদি মুদ্রানি। অসুম কোক্টী মুদ্রাগী মাহাত্ম্য খংদনা শিখ্য সম্প্রদায়গা "শুৎ উপাংবগী তুংক ওইবা দান মুদ্রা অভ্যাস তৌনবা য়াবং নী।

মতম কুইনা অনুষ্ঠানগী মতুং ইন্না অভ্যাস চেকশিনখবা উচ্চ অধিকারীবু মপানগী অনুষ্ঠান থাদোক্তুনা অপোংবা মানস কার্য্য চেকশিনবগী দমক শাস্ত্রনা মানসক্রিয়াবু (পুকনিংগীথবকপু) থাগৎপা য়াম্না ঊই। মানসস্নান, মানস পূজা অমসুং মানস জপ অহুম অসিমক বাহ্যস্নান বাহ্যপূজা অমসুং বাহ্যজপতগী শ্রেষ্ঠনি। উদাহরণ কয়াম্রক পীরনা উৎসগ শব্দ অসিগুম গম্ভীর ওৎপখ্রে অসি তাংদং তংনা পুকনিংদা থম্বা ঙমগনি।

(১) শৌচগী মরমদা হায়রমই——

গঙ্গাতোয়েন কৃৎস্নেন মৃদ্ভারৈশ্চ নগোপমৈঃ।
আমৃত্যোঃ স্নাতকশ্চৈব ভাবদুষ্টো ন শুধ্যতি॥

গঙ্গাজল পুমনমক, চিংমুক চাউবা লৈপাক অমসুং শি-বগানবা থাওবা ঈরুজনা ভাবদুষ্ট ওইবা মীগী কদৌঐদদসু শুচি (শেংবা) ওইদে।

(২) স্নানগী মরমদা বায়ব্য স্নানবু অতৈ স্নান পুম-নমক্তগী হেল্লি হাঙ্গৈনা মখাদা হাঙ্গৈরি—

বায়ব্যাৎ মানসং শ্রেষ্ঠ সর্ব্বস্নানাৎ পরং বরং।
মন্ত্রশ্চেৎ মানসস্নাতঃ সর্ব্বত্র বিজয়ী ভবেৎ॥

বায়ব্য স্নানদগীসু "মানস স্নানন।" ফবা হেল্লি, মীওইবনা মানস স্নান ভৌরবদি মকম খুদিংদা বিজয় ফংই (জয় ওই)।

(৩) যজ্ঞগী মরমদা হাঙ্গৈরি——

যাবন্তঃ কর্ম্মযজ্ঞাঃ স্যুপ্রদিষ্টানি তপাংসিচ।
সর্ব্বেতে জপযজ্ঞস্য কলাংনার্হন্তি ষোড়শীং॥
মাহাত্ম্যং বাচিকস্যৈতৎ জপযজ্ঞস্য কির্ত্তীতং।
তস্মাচ্ছতগুণোপাংশুঃ সহস্রোমানসঃ স্মৃতঃ॥

মখল পুমনমক্তা কর্ম্ম যজ্ঞ অমসুং তপস্যাগী বিধি অদু না জপকী মশক ওইবা যজ্ঞগী (জপযজ্ঞগী) কলা অম-ত্তমু ওইদে, বাচিক (খোন থোকপা) মাহাত্মাদি অসিনি উপাংশু জপতা (খোন থোক্তনা, চিন্নাত্তা লোংবা জপ) মাদুগী শরুক চামনি অমসুং মানস জপকী মাহাত্মাদি মাদুগী শরুক লিশিং অমনি

মানস জপকী মরমদা অতোপত্তা খোইদোকপা বা অমা লৈরি————

অশুচির্বা শুচির্বাপিগচ্ছংস্তিষ্ঠন স্বপন্নপি।
মন্ত্রৈকশরণেবিদ্বানমনসৈব সমভ্যসেৎ॥

অশুচি ওইরবস শুচি ওইরবস, মক্কন অমসু লেংদনা ওইরবস চৎনা চৎনা ওইরবস, নত্রগা তুমনিং তুমনিংনা ওইরবস বিছান ওইবা মীশিংনা অবস্থা পুমনমকতা মন্ত্র। মানস জপ তৌবা ওনই।

পূজাগী মরমদ হায়রি—

বাহ্যপূজা প্রকর্ত্তব্যা গুরুবাক্যানুসারতঃ।
অন্তর্য্যাগাত্মিকা পূজা সর্ব্বপূজোত্তমোত্তমা ॥
বহিঃপূজা বিধাতব্যা যাবজ্জ্ঞানং ন জায়তে।
জাতে জ্ঞানে চ দেবেশি দেবতামূর্ত্তিভাবনা ॥

গুরুগি বাথং মতুং ইনা বাহ্য পূজা তৌগনি। মানসপূজা নত্রগা অন্তর্যাগ হায়বা অসি পূজা পুমনমক্কী ইহৈনহৈরি। জ্ঞান পোকত্রিবা মথং বাহ্যপূজা তৌগনি, জ্ঞানপোকলবদি হে দেবেশি! লাইগী মূর্ত্তি নীংশিংবমক তৌগনি।

মরম অসিনা আর্য্যশাস্ত্রদ বাহ্য অনুষ্ঠানদগি মানস কার্য্যগী মতমনা হেনবা উৎসিবা অতগি মরুবদ কন্নিকফ ঙিনব লৈতে। অহোইনহুম নিত্যাচার প্রকরণদ নৈবানুষ্ঠান ইরিব পুমনমক পন্থ মানসিক কার্য্যনা মপুং ফান পাংথোকপা য়াই। গৌতমঋষিন হায়রবা অসিনি—

যদাসমর্থকদামনসা সমগ্রমাচারমনুপালয়েৎ।

কার্য্য ওইন তৌব ওমত্রবদি আচার পুমনমক পুক্নিং পুক্নিংদ পাংথোক্লি।

মরম অসিন্ অকুপ্পীরবা লৌইনস ওইখ্রবা মখাগি তৌপ-খিবা থাংহৌগা পুম্মনমক অমত্তা অহিংগী ৱাহৈরবা মাগী তৌ-থোক্লবা মতুংদা য়াত্রি তোকনবী মথাংদা তৌপথিবা ঐবুংখৈ বাদ অমত্তু অতিথি সৎকারগী তৌরবা মনাথক চাগৎনবিনী শুংখিনগী অতিথিদগী অহিংগি অতিথিগি গৌরবনা হেল্লি।

অহিংগ চাবগি মরমদ শাস্ত্রন তাকপ অনীথক লৈ। অহানবন আসিন্নি, অহিংগি চাবদা অহিংগুগি হায়বদি পুক পিকখনন চাব থাদোক্লনি। ঊবা কংই, ইংরাজী শিংনবু নিয়ম অসি ঙাকই, অদুগ ইংরাজী শিক্ষা ফংব বেগ অসিগি মীদি অসি ঙাকতবন নমই মাগোথগি অরামব সংস্কার অনা লৈ—তুমলগা চাব নীংশিন তুমই। মবন অসিন অহিংগি চাবদু হেনন পুমহল্লি। তৌইগুরহং অওইবাসিক্তি তুম-লিংও মতমদাদ চাক তুম্বগি থবক থিজলি, ইউরোপাক ডাক্তরশিংসু মত অসিগী সমর্থন তৌই। মবন অসিন শাস্ত্রগি থিথি ঙাকতুনা অহিংগি চাব অসি থামনা তুগিকর ওইহনবন কৈ।

য়াত্রি তোকনবী মরমদ শাস্ত্রন তাকপ অনৌবগি অসিনি য়াত্রি তোকনবী তুংদ থর থিনন তুমগা বন। চাব অড হেক লোইরগা তুমলবদি চাব নিংথিন তুমদে। ইউরোপকী ডাক্তরশিংন হংলুরবসু মথোয়মু বা অসি হায়। অদুগ মথোইং-গী মত মতুং ইনন অতুকনি মতিক য়াদন শিনবা কৈ হায়ব অত শাস্ত্রদগি হায়দে। শাস্ত্রন তাকপ মতুং ইনন মীনাই শিংবু মথোইগি অহিংগ তৌগনব পবকনী মরমদ তাকপ অসিমাং পাঠ হৈক তৌরগ তুংগি বংদ্ধা লেখ

শব্দাপি মরমদ শাস্ত্রন হায়ব ওয়া-কয়ামকুম মথাদ ইরি—

নাবিশালাং ন চৈব ভগ্নাং নাসমাং মলিনাংনচ ।
ন চ জন্তুময়ীং শয্যামগ্নিদগ্ধাঞ্চ নাস্তৃতাং ॥
ন তু জীর্ণাপবিত্রে চ ন তৃণে ন চ ভূতলে ।
তুলিকায়াং তথাবস্ত্রে শয্যাভাবে স্বপেদ্ গৃহী ।
স্বপেন্ন পট্টবস্ত্রে চ কলঙ্কি কম্বলে নচ ॥

অপিকপ, অন্তকপ, অকুঃ অতোং নাইবা, পোংপ, ইহুংয় গুইবা পেংদবা কমুংদা নত্রগা ন'পি মথক্তা, দৈপাক মথক্ত পট্টবস্ত্র মথক্তা মত্রগা নবাং মবাংব কম্বদ মপক্তা ভুমনে।ইদ-বনি। কমুং লৈত্রগ লৈপাক মপক্তা কাপাশ কি ভিংথোক্ত.ন গৃহীশিংন হিপ্প মাই।

শুচৌদেশে বিবিক্তেষু গোময়েনোপলিপ্তকে ।
প্রাগুদক্প্লবনেচৈব সম্বিশেত্তু সদাবুধঃ ॥
মাঙ্গল্যং পূর্ণকুম্ভঞ্চ শিরঃ স্থানে নিধাপয়েৎ ।
বৈদিকৈর্গারুড়ৈর্মন্ত্রৈরক্ষাং কৃত্বাস্বপেত্ততঃ ॥

ক'নগুর অমগ ত'ইনদন (হাযবদি ফকপাং অমহু' ইমু গি পোংচগ ফমুংগ পোক্সন) শহি'তা (কংনি ক,া) অপে দ মযমূদ ইশি.ন থম্বন চকু অম কোক মনাক্ত পনহুন। * অমস্তং বৈদিকি গারুড মন্ত্র পোম্পুনা পণ্ডিতন ভুমগনি।

ধাম্ম গোবিপ্রদেবানাং গুরুণাঞ্চ তথোপরি ।
নচাপিভগ্নশয়নে নাশুচৌ নাশুচিঃ স্বয়ং ॥
আর্দ্রবাসা ন নগ্নশ্চ নোত্তরাপরমস্তকঃ ।

---

* টউয়োপকী দৈবগ্যা কংমু নাশি কানটৈ হক্তি। মপাকনা [illegible] অমুনবা মুন অনদা মতম কুটিনা ঈশিনা পনবা পাত্র অমা থমনবদি মুন অহুগী মহুংগা লৈাা প তাা মথন মথংগী [illegible] পুমনক ঈশিং অত্তনা চ থিপনি অংমং মুন অহুগী মহুংপা লৈমা হংশিং পুমনকম কন পেংই। অমুনা পমনা ঈশিং কংতে [illegible] [illegible] মুমকুম নংমু [illegible] ঈশিং [illegible] মুমগে য়

ঙ্কৌ, শল, ব্রাহ্মণ, লাইগী মথক্তু অকায়বা নত্রগা শেংদবা শয্যাদা নংত্রগা মশামক শেংদনা, কি চোংনঁ, কি যাউদন নত্রগা অৱাং ১ম্ং নোংচুপ লোমদ কোক ওন্নুন্না তুংম্মাইদবনি।

ত্রিদোষশমনী খট্টাতুলা বাতকফাপহা
ভূশয্যা বাতলা চীবরুক্ষা পিত্তাস্রনাশিনী।
শুশয্যা শয়নং হৃদ্যং পুষ্টিনিদ্রা ধৃতিপ্রদং।
শ্রমানিলহরং বৃষ্যং বিপরীত মতোঽন্যথা॥

কাংথোনগি মথক্তুদ তুম্বন ত্রিদোষ মাংহল্লি। লৈশিংগি শয্যাদ বাত নত্রগা কফ মাংহল্লি। লৈবাক্তু তুমবন বাত চাউথংহন্‌লি। রুক্ষ, পিত্ত, অমসুং নিংকি ঙৌশিং মাংহনলি। অফব ফমুংদ তুমবন থেনন লোয়র, তুথ, অমসুং ধৈর্য্যপী, লোয় অমসুং হুংশিং মাংহনলি, পাম্বন কনথংহনলি। মত্রা ফমুংদ তুবগী ফলদি মাসিগা ওন্নবনি।

অহিংদা তৌগদবা নিথিগী মনুষ্ন: দারোপগমনগী মথমদা শাস্ত্রোক্তি লৈ। মাতুগী মক্ক ওইবা মথৈ হায়রি ঃ———

(১) পরদাররতিঃ পুংসামুভয়ত্রাপি ভীতিদা।
মৃতে নরকমভ্যেতি হীয়তেহত্রাপি চায়ুষঃ॥

পরদারদা লৈবা রতি হায়বম্নি লোক অনিমক্তা অকিবগী মশকনি। ইহলোক্তা পুননি তেলহল্লি, শিবদা তুংথম নরক ফংহনলি।

(২) ইতিমত্বা স্বদারেষু ঋতুমৎসু বুধঃ ব্রজেৎ

মাসি থংহুন পণ্ডিতশিংন মতান্নিয়াদ ঋতুকালদসংসর্গ তৌশিন

(৩) ষোড়শর্ত্তু নিশা স্ত্রীনাং তাসু যুগ্মাসু সংবিশেৎ

খাগি রাজোদুর্শনগি থুমিত্তুগি তরুকনি থবা অহিংদ থুমীশিংগি মতুকাগনি। (গর্ভধারণগি মতমনি)। মাসিগি মথুংদ যুগ্মরাত্রিদ সহবাস তৌগনি।

(৪) ষষ্ঠ্যষ্টমীমমাবস্যামুভে পক্ষে চতুর্দশী।
মৈথুনং নোপসেবেত দ্বাদশীঞ্চ সমপ্রিয়াং॥

অষ্টমী, অমাবস্যা, পূর্ণিমা পক্ষ অনীমক্তী চতুর্দশী, দ্বাদশী (অমসুং রবিসংক্রান্তি) তিথি পুম্নমক অসিদা সহবাস তৌবা যাদে। অনিশুবা নক্ষত্র অমসুং বার কয়া-মুক্তিসু নিষেধ লৈ।

(৫) চতুর্থী প্রভৃত্যস্তরোত্তরা প্রজা নিশ্রেয়সার্থং।

(রাজে দর্শনগী) মনিশুবা থুমিত্তুগী অতুপি মতিক মতুং ওইবা থুমিত্ত গর্ভাধান ওইরগ অঙাংগি মঙল অতুকী মতিক ওইগনি।

(৬) রজস্যুপরতে সাধ্বী স্নানেন স্ত্রীরজস্বলা।

রজস্বলাস্ত্রী রজঃস্রাব লেপখ্রবদ স্নান তৌরগ সাধ্বী (গর্ভধারণগি মতিক চাবী ওই)। হায়বদি রজস্রাব লেপত্রি তৈদা স্নান তৌবা অমসুং স্বামীগ সহবাস তৌব চুমদে।

হায়খ্রিব মথাওব অমসুং ৬ থুব বিধি অনী অসীগি অকপ্পব চংপনা তৌজিক কত্তব অমসুং পুনাশদব অঙাংগি মশিং হায় হেনগৎলক্লে। যিহুদী জাতিগি মথুংদ শাস্ত্রা-নোর্দিষ্ট অসীনি, নবম দিনগি মতুংদ স্ত্রীসংসর্গ তৌগদবনি। হায়নিবু হায় নিংথিন তাকবিবগি পৃথিবীগি মফম পুম্নমক

মাখোয়গি মচাশিংন শাক্তল কনব, নোম্বব অমসুং পুরশিন ওইরি।

(৭) ঋতুকালাভিগামী স্যাৎ যাবৎ পুত্রো-
ন জায়তে।

অঙাং পোকত্রিবৈ মখে ঋতুকালদ স্ত্রীগমন তৌবগী কর্ত্তব্য থংগদবনি। মাতুংদা মতুংদ মুপীগি মপুক্কিং পোয়নগি দমক ব্রাহ্মণন মতম অতৈদসু সহবাস তৌব য়াই, তৌই-থবসু স্বেচ্ছাপূর্ব্বক ওইনা স্ত্রীসহবাস তৌবদি ফত্তে।

গৃহস্থগি অকব মচা পোক্লনব চেকশিনব য়া হায়ববসু অ থ্য শাস্ত্রন কন্যাসিসু মচা য়াম্ন পোকসনু হায়ন মত ফোংদোক্লে।

যস্মিন্নৃণং সন্নয়তি যেন চানন্ত্যমশ্নুতে।
স এব ধর্ম্মজঃ পুত্রঃকামজানিতরান্ বিদুঃ॥

মহাক পোক্লগ মপাগি ঋন কোকপ অমসুং ব শ লেপুব তাতুম ওইব মচা অহন অত্তুন ধর্ম্মজপুত্রনি অতৈদি কামজনি।

শাস্ত্রকারশিংগি মত মরুদি অসুমন ওইরবসু মীওইব গ মচা পুমনমক্কি ভখাই রোমদি অঙাং ওইরিবৈদ শি হায-বসি উ,বিবমই মরম অসিন মহাভারতকি মতমদ হায়রমই

একপুত্রোহপুত্র মতঃ কৌরবনন্দন।

মঃসিমক্তদ অমদগি হেনব মচা পোকলবদি ব্যবস্থা পীরি।

অঙাং যামন পোকনবগি মরমদ পুন্নামচিংবদগি কংব

অতৈ পাংঙ্গা অদু অঙাং য়াম্না পোকপগী প্রশংসাগীদমক নত্তে, অতৈ অতৈ বিষয়গী অর্থবাদতনি।

ইষ্টব্যা বহবঃ পুত্রা যদ্যেকোহপি গয়াং ব্রজেৎ।

মকম অসিদ তশেং তশেংনা উপবাস, গয়াধানগী মাহাত্ম্য হায়বনা বাহৈ অসিগী উদ্দেশ্যনি।

মওইবমক্তি শাস্ত্র হায়বা মফম চানা অতুগী লক্ষ্য। খংদুনা গর্ভাধানগী ব্যবস্থা মপুং ফানা ভাকলবদি অমসুং প্রায়শ্চিত্ত পতানচিংবা বৈদিকব্রত তৌরবদি মপা-মমাগী ইকচাংগী অমসুং পুকনিংগী ভাব অদু শেংলকই; পোকপদ লোয়নবকপা পোয়দগী মবমন অঙাংগী অকালমৃত্যু য়াম্না তানা ওই। মরম অসিনা বংশরক্ষাগীদমক অঙাং য়াম্না পোকপ ফজৈ।

হৌজিক্তগী মতমদা ইউরোপকী পণ্ডিতশিংনা হায়, মীগী ভোগবিলাস তেনগংলবদি মখা তানা লুহোংব পামলক্তে। মবমদি মীশিং তৌবগী বংশ তেনগলক্তুনা যুমলোননবগী শক্তি হেল্লকই অমসুং মগাক্নদা অযাম্বা ভোগকী মুংচাইনা হায়রে। মরম অসিনা বিলাসিতা তেনগংলগা সমাজগী মীশিং যাম্না তেনগংপা ফোকই। তৌইশুনমসু আর্য্যশাস্ত্রদি মীশিং যাম্না তেনগংপা ওইরক্নবগীদমক বিলাসিতা চাওখৎপগী মশাক ওইরবা অমাংবগী মশাক ওইবা উপায় পুথোক্তে— লুহোংবনা বংশরক্ষাগী উপায় পুথোক্তুনা চুমদবা বংশবৃদ্ধিগী নিষেধ তৌবমই। মফম পুম্নমক্ত আর্য্যশাস্ত্রগী মিৎয়েং যাম্না লাপ্না চৎপা অহুপ্পা মাতমনা হায়বা প্রণালীসু যাম্না শেংই।

——— •:❀)●(❀:• ———

Printed at the Chudachand
Printing works.
Imphal.